থ্রেগী লোয়নবীনি থন্" হাসি থায়নগী ইবেতোনগী খুদং শায়রুনা মহাক্ক চিংলমই। মতমত্তুদ বে কুলন উনা পুংব উশা অমনা চমোর শাররুনা হুমলগা ইসৈ সকলকই "ইবুঙো ইবেম্মা র থাঙ্গানা ঙসিদি ঙানবিরনে, ননাই ললিতা গী পাপ কোকলে।" ই সসি শক্লগা বোকুলনা "এক কলে এক গানে চন্দ্রসূর্য উদয় হইলে গো" হায়ব অগোই থাংগী ইসে শক্লনা উশাহুনা চামোর হুমলিংনি হ য়রুনা অনিহুবু হুবমই। পখ অনিগী মতো উবদ, ঈবায়ব নোকনিংব পোত্রবী নুংসিসি থুনা চনখিরমই।

---

(১৭)

কোমোলনা মতম খর অস্থম তৌনা থবক তৌরবগী মতুংদ ম গী কালেম ছুটিস্থ লোইরহুনা মযুংদ হনখি। মথুমদ হাকপগা কলিকতাদগী চিঠি অমস্থ ফংবগা মহাক্ক মাদগী বিদায় লৌরুনা লাইখক ভস্বা চংখি, চ উবীবু লুহো খিদ্রে।

লমডিংদগী থাইথরুনা চেন্নিব কাছাড়গী বেলগাডীনা যায় ক্লমলব পোং অমা পুহুনা চাঁদপুর তান্না চংলংলি। গাগীহুনা চীংনুংহুংকী স্থভঙ্গসি হু, লাই হরাওবগী লাইরেন মথেক য়াংব মীশিনা, চোং মখাদ লিংতুনা লিংতুনা চংপগুম চংল লি। গাগীহুনা মহাক্ক পুংব কোমোলগী অরুস্থ রখলনা চীং নিংখাইখিগনি খনবর, পাউদা লিংপা খুদিংদ য়ায় তপখি। স্থভঙ্গগী থমোয়নুংদা ইলেকট্রিক থাউ মনা অঙোব খরোগুম

তো খিল তোমখিল শাত্তুনা ইঞ্জিনিয়ারশিংবু শিংাশংহনব লাক্লরি। লম্বীগী ন কন্দ, লোহী লুরব লাইজ নুংদ অচৌব লেমলাশিংনা করম্ম ঈশিং মনুংদ ঈরে ইবগে হায়বত্থু অতোংব মী খুদিদ উংলি, অত্থু। কারগুম্ব মফম না ২০। য়েংখিবদ, চাংহমশিংনা কোয়না কোম্বনা লৈত্থুনা ভাবোক্কী পুকনিং শুম্মাংনব লাকনৈ।

নংনা নল্লব তিংথৌনা অশংব মচু কোকপগুম অরাব রাখলনা নল্লব কোমোলগী কুচু ভাইফেং তাইনা গাড়ী মথক্ত তোংলগা পৃয়মক্তু উরবস্থু ডদবগুম তে খি। সুডঙ্গ কযামুক লাল্লগা গ ডাত্থুনা কোমোলবু পদ্মা তুরেলগী মথক্ত ত উরিব জাহাজ অমদ সিন্নরগা হনখে। পদ্মাসি নিথি য়বী গঙ্গানা, মণিপুরদগী চেনখিব ইনা ববাক ইব, বব ক্ল মি ং স্নুবমা বৌহ্নুনা ল ক্ল া, অমুক ব্রহ্মপুত্রদ তিম্নরব মাইল ২। ৩ পাকপা তুরেলনি। ম সিনা করিগুম্ব মফংদদি মাইল ১৪। ১৫ ফাওব ঈশিং চাউব মতমদ পাক্ল চেল্লি। মহাখী মণি লাইজনা সমুদ্র পাংনা থুনা য়াংনা চেক্করি কোমোলবু পুব নৈহিত্থুনা ঈবে ইবকপদ চীংশাং নাপোমগুম্ব ঈথক মথং মথং কারকই। ঈথকশিংনা ফুবদ তুরেলগী নাকয়েত্তা চংলিব হি মচাশিংত্থু নীং-মা চিংত্থুনা লূপকদবগী লাকনরি। অনাব হেঞ্জিনখ্রবদি শিখ্রগনি থন্দুনা মাইবনা কম্না হোংনবগুম হিহোম্নবশিংনা পুংশা থীনা হিশিংত্থুগী মাইব শাব লাক্লরি।

মাপল তৌনা চংলদুনা লাকলিব জাহাজদু পল্যাগী নিস্থানব ইরায় কহব লাংজনা তজুনা চেল্লজুনা থিংব লাক্লরকপদ থোরকপ কোঙ্গোলনা মহমগদ হংিয়ান মোংথৌ ভুরেলগী মাক্ত থোকপা থরামমিচাক্কা তে শিংমরমই। মেরা থাগী লৈচিন মোংলুম্ন কবোকলৈ চবুল চবুলনা লপা মশী থাবল লৈকোন্দ, নিস্থানব অতিয়া ইংখোলনুংদা অচৎপ লৈরাং ওইজরি। জাহাজগী মথক্ত থাল্লিব ইলেকট্রীক থাউমেনা হৌরিব কেঙ্গোলশিংদ মমি চাইখহনা অতিয়াগী থরানমিচাক মমি পম্বদা নিংব কায়রব লাইজবু থেমজিনব লাক্লরি। মতমগদ উংলিব পল্যাগী ফিভমদু উবদ নিথিরব সনা লুপাগী ফিজোম থোল্লবী থেক্ল নৌনা কগোই শাবী কনাগুম্বী অমমি, থম্ননিংঙ্গাইমি। মহাকী তোর্ব্বান চাজো পাম্বোম অনিদা চৈরিব পৃত্থব রাংলব পামেল কয়াগী মমিনা লাইজনুংদ সাংথ লেংথনা তাবনা ঈশ্বরগী শমলা গুম্ন উখি।

অসিগুম্ব ফজরব ওক্লব অহিংগী জাহাজ যাত্রিক কোমোলনা থাপ্প লৈহৌরবী পলেমগী মাইথোংগা, মহাক্ল মীনা চিংল্লরবনী হায়বদগী লুহোংবী নিব কাম্নরবী নচা অমগী মাইথেংগা মরক মরক্ত কাউব য়াদনা থন্দুনা চংলমই। খুংসেম লাইসেম অমিনা তিল্লব পল্যাগী ফজব মতৌনা পাথংহগী পুকমিং শুক্কংপা ওমখিদে। চাউবীবু, মহাক্ল চংশমদাইদ উংশিংতনা তেবিম্নদ, মমানা লুহোংনবগী কম্ম হাউব পৃথক পৌশাননা রুক্কোকপদু জিংশিংবনা, অতৈগী বাখল থোইনা চংখিদে।

থেংনবা অহিং নোংমাইদদি ফজংবী ময়হৌশা অকিবগী শক-থম লৌখে, । মতম অদুদা জাহাজদ তোংলম্বী পুম্নমক অরাব খোঞ্জেল্লা লাউনরকলে, মমাই লাংনা থোক্লম্বা থা থৌরানমিচাকপু অমুব নোংশুমলক্ত লোৎখিবগা লোয়ননা জাহাজগী থাউমৈপু অমম্বদ তিনখি। অকনব নোংলৈলনা মতমদুদ জাহাজগী মথক্ত ঈশিং পুথংতুনা হৈথবকপগা লোয়ননা নোংথাংনা পুরকপা লেল্ মতুম মতুম নুংচুম্বুক চাউনা তারক্তুনা জাহাজদু খুগায়-গদগুম তৌখি।

ওকিব থংলব মতমদুদ ময়ামগী ক.ব চে বহু জারগা কোমোলনা মনাংগীদ মণিপুরদ থুংবদ থোকখিব, মমা রাজ্জদুনা লৈরিডদ, চাউবীনা মৈরা পায়দুনা চংলকপদু নিংশিংখি। হেক নিংশিংলকপদ চাউবীগী মৈরা পায়ব ভনো-তনৌব তক্ত-তক্তবী মায়থোংনা মাঙোন্দ লৈশাবা ফারদুনা মাগী প্রেম ভিক্ষা তৌরব মহাক্ত হয়া য়েংদানা লাকখিবা রক্ষা চান্স, ইবেতোন লিশিং খুশিবন চাউবীগী নুংশব । মান্নব নক্তে থ কপদ কোমেলগী মপাল্লগী জ্ঞান মাংখি। অহল ওইরবী মমনা ভিকারীগুম মাঙোন্দ চাউবী মংগী লৈপুল ওঈরগা কুজপোং য়া-নব মশী ভানা হ য়খিবা মাহাক্ত য়াদবদু নিংশিংখি। কুজপোংকী মহুত্তা চাউবীগী মথুত্তা মহাক্ত য়াঈথিপোং য়াহনগা, মংাদ মাদু শিংখি মহাক্তা হায়খি "ইমা, মীনা চেল্লুবব মুপীবু করয় লুহোংদদে ।?"

মান্না চংলমদাইদ, ঈকায় নুংশি য়ান্নদুনা. লোগে মতাগুম. উজ.হৌসনু নাওংগুম চাউবীখোয়গী কোক্কে' মমাংদ ম পল

তৌনা চংলুই। লাইগী নোংদমদগী মতমহুমক্তদ চাউবীস লোঙ্কোং মনাক্ত লৈরমই ; মহাক্ত চিংলপ তৌব. লম্নাক্লব মিংয়েংদা মপুক্লীং তথুক তথুকপগী মিংয়েং হাপ্তুনা য়েংলগা, অরোনব মুংশামগী হোন্দুনা কোমোলবু য়েংলখি। মহাক্কী মখোং কাবগী ইথল-থল্লব চেংলৌনা, নাহা লৈরিংগী শকওংবু খুমহুনা উংন খুম্ব মৈগুম, নোংলুম্ন খুম্ব থগুম অমোংপা মফি মরোন. শেমবিদব মশম মনানা, মহাক্কী নিংথিব চেংলৈ খুমলহুন মফমহুদ মখো থাংডম থোক্তনা লেপলমই। কোমোলগী থৌগাবিদব মিংয়েং উবদ থদে যে চাক্লবী নুজানা, মাঙোন্দ চজবগু। মরাল লৈতবীনি হায়বহু উংনব থানোয়দদি পোক্লগা উংপা ম্র দবদগী মক্ক লৈদ লুক্তুনা গিগী ঈরা হৌনা থবক তৌশিংব শাহুনা কমথখি। কোমোলনা মাগী ব্রাথলহু উরবস্নু, মীনা চিংলুরবী, অমোংপী, সতী লীচং খ দবী নুপীনি খন্দুনা উহিন্নদনা কোঙ্কোংদগী লাক্লগা হন্ন অমুক য়েংখিবদ, চাউবীনা নুংশি লিংয়েংনা লাংতক্লনা নো ইন্না থ মিল য়েংবগুম য়েংহুনা লৈহৌবহু জাহাজ থক্ত তেংলিব কোমোলনা ব্রাথলনা উখি।

মমৈথদ মহাক্লা চাউবীবু নুংশিনবগীদমক লুহোংব্রবস্নু, মীনাইনুপীগুম মমাগী সেবা তে নব লুহোংহুনা করিগী থনমদবে। থল্লকপদ, মাহুদি অরানবনি হায়না মথন্দ খন্দুনা মাগী নিংদোলু ব্রাবনা চেংগুম চেংগানখি। মপূং ফারবী, চাউবীবু উরগা কিবগুন নুংশিবগুন তৌহুনা মপুকনিং তয়াং তসোইব, কাউবস্নু ঙমদব, লুহোংগে নিংবস্নু হোংনিদব. হোংলোই হায়বস্নু খংহায় হায়দোকপ

ঙ.দব মনাক নকশিন্নগা ৱা ঙাংগদবন হায়গুন ঙাংব ঙমদব অহৌগা নুমিৎ নিন্নিদং মশক খংনব ইবেতোন্দদি নুংশিবনা হংব ঙম্ব পুন্নমকতু খল্লহনা পদ্মাগী ঈথক্ক হাইব হিহু ৱাখন হাইবনি খনখি।

মহাক্কী পুনশি পামেলদ, ইবেতোনগী নুংশিবগী থাংভম লৈবহুন্নু, মামা মতম কুইনা তংহনা লৈরগনি খনখি। নুংশিব থাংভম—অমা, অনি, অহুম করম্বদ পামেল ছুরংব খখিদে। লেরং খোঙ্গল মেলে ইবেতোনবু থমোয়নুংদগী ছন্দোকলমলে, অহৌবু ঙাইহাক, পলম্বগী মমিদি মরহৌরি। কৃষ্ণনা মচীন্দ হু য়দোকত্তবদ মঙায়রে—মহাকপু নুমিৎচুপ্প নুংঙাইনবা হোংনব, মনাক নক্কদবগী তৌব মনিংথুদবদগী শাউরংনব চান্নবা শাউবম্নু নহুনা ঙাইহক্তদ, থুনা নেমথবহু মহাক্কু পবিত্র প্রেমগী থুদমনি খংকপদ, চাউবীগী ৱাখলনা অমুক হেক্ত খনবহু থুগায়খি। কোমোলনা নুংশিব মশক খখিদে।

ঈশ্বরগী মমিং অমা "নুংশিব" কৌই। নুংশিবদগী ধর্ম্ম কম্না পাপ কয়াগী থবক তাইবংদ থোকখিহনা ইতিহাসগী লমাইদ ময়েক লানা ইনম্নি। জীবগী ৱাব উরগা মখোয়বু নুংশিরম-দ্রবদি সিদ্ধার্থনা বুদ্ধ, যিশু খৃষ্টনা লাইগী মচা, পাখংবনা লাইনিংথৌ, খম্বনা লাইগী শাওন খক ওইরমলোইদবনি। নুংশিবনা চিহনা খম্ব-নোংবান্না কৈগী মমাংদ টাদ মখুত্তা পায়হনা চংখি, অকিব ফংলব কৈবু হৌদোংগুম খম্ব খম্ব-নোংবানদো অপংবন, নত্তে নুংশিবনা থোকহনখিবনি।"

নুংশিবসি মগুন খেন্নবদগী মমিং তোঙান তোংঙান্নবতনি। নুপী নিপা নুংশিনববু পাম্নব, মমা-মপা, লাইগুরু নুংশিববু শীংজব মথাগী ঃরোয় মনাও, মচাবু নুংশিববু চানব, মরূপ-মপাং নুংশিববু চাম্নব নত্রগা লুনা তৌনব লৈকেক লৈকাই নুংশিববু- য়াম্নব কৌনৈ। জগৎসিদ পোবখিব নুংশি হৈব মীশিংগী পোকফম শিফম মীওইবগী ধর্ম্মক্ষেত্রনি। অতুগুম্ব তীর্থবু উবগা মীওইবনা পুকনিংগী অবাব কোকই।

কোমোললনা প্রেম বাজাদ লল্লগা আসংব নুংশিবদি তাইবং মপুন্দনি, মীওইবগী থমোয়দ মপূৎ যানা লৈব হৌনদে হায়বদ থম্মদগুনা মকোক ঙাওখি। মহাক্ক মকোক ঙাংবগা লোয়ননা জাহাজমুম্ব ঙাংবহুনা ঈরাক্লখরে। মতমহুদ পম্মানা রণচণ্ডি ওইহুনা হরাওনা জাহাজদ তোংলহনবু য়োৎলগা অকীব ফিভম লৌহুনা চংলকপহু অহীং অথেংব ওইবনা নাকয়েঙা তবিব থুনা মীশিংনা উব যংখিদে, হাঙ্গর কুম্ভীরশিংনা উরিগতন্না অহু মঙাখরে। থেংলব মতমগী অমম্ব নো নুংশিংকী অমুব অমম্ব মহু শংলব ফিজেৎ শেংলবী মহৌশানা নোংথাং পায়হুনা হায়রকপ খক্ক-থাক্ক নোকখিবদ পলেমগী অমতা ঙাইজরব কোমোলম্ব পম্মা তুরেম্মা মাগী পাইমন্নুংদা পুশিনখে, মাহুগা লোয়ননা নুংশিগী রাখল ঈরান্নব পথহু লাইজ ওংদ ঈরাক্লবগা কবম্বনা হেনবগে থখিরে।

---

(১৮)

অহল ওইরবা নুজা অমনা নিংথমগী নুংঙাইরব নুংশা য়াইহনা, মথন্দ লেপ্পা লৈতব মীংইবগী য়াখনগী মখা পেল্লদুনা ফি কোংলমমি। চাউবীনা মাগী ফিগ কাইহনা, মরক মরক্ত মরক্ক লৈতব য়া কয়া কুম ঙংলমমি। মতমহৃদ নিপা অমা লাক্লগা অহলহৃদ চিঠি অমা পীরকই। চিঠিহৃগী মরোলহ চাউবীনা নিপামচা অমা কৌবগা পাহনা অহলহৃনা তাকিরমই। লাইরিক্কুগী মরোল তাবগা অহলদুনা মমিক্তা মপি শিন্দুনা য়া ঙাংদনা চাউবীবু মুন্না য়েংখি।

চাউবীস্থু য়া ঙাংভম খংদনা, মমিক্তু কেভুংদ য়েংহনা ঙাইহ ক লৈরুরগা, মে'মোন তৌনা নোক্কুনা অহলহৃদ করিগুম্ব পোং অমা পীনব নিখি। অহলহনা মানা লৌনিংব পোংতু লৈখিনব হায়রবদ, চাউবীনা পোংতুবু য়েংলগা অঙা'ওবীগুম খক্ক খাক্ক, নোক্কুনা চংখি। নুমিং অহৃদগী চাউবীবু মকম অহ্রাইদ কয় মস্থু উব ফংখিদ্রে। মহাক্কু চংখিব মতমদ অহলহনা মাগী কপলস্বহ তোকলহনা, নুজাহৃগী মতৌহ উবদ ঙক্লহনা মুন্না য়েংলম্বদ ী মাগী লাইমন কাংলক্কুনা ভুমিংগী হিপথখি। মহাক্কু হায়খি "চাউবী! নুংশিবী, ইমগী ইবেম্ম! মম্নব অহিংগী খাউমৈ ইপারি অমুকহন্না ঙাললরোই, এগী অবাব অহিং নোংঙাল্লরোই মংগীদি নংগীদি .. .. ।"

লাইমন হৌবদগী লৌশিং হাইফেং মাংলবী পলেমগী

মন কোংদ খোঙ্গেল অমা কৌরক্লনা কৌখি—"ইম্মাল ! ইম্মাল মাগী তম্বীরদদি ঐঙোন্দ পীযু, অতৈ পুন্নক পীনিংঙ্গবস্মু মাহুতদি মাহুতদি ...।" খোঙ্গেলহৌনা মনাকো হৈ থৈশিনবা মতৌগুম্না মা'না খনখি, মতমত্তুদ মতম কুইনা থুপখত্লবা পুরেবা ইবমা অতিয়া নোমদেন অংগাংবা ফিজং হাংদোক্লুনা, থাবলগী দে লায় তো লপ্তুনা কৃষ্ণধবজ্লগা হা'য়রকই "নুংশিরবী তে'লমা। নংবু হোৎদোকশিনবা কনাস্মু লৈত্রে, নৈনা হোৎদোকশিনবসিনি নুংশিবী ! মেংডৈ মচা নিপাসে, উল-দা ইমুক চিংখৎলবা নিম্মা'নবা লাইজ্লনা ঈপাক হে'রবা তুরেলনুংদ নংবু কৌদুনা কপলি নচানিপাসে নুংশংক-নুংজাবা লেপলি, ননা বৌশিনজো, নত্রবদি ঐগী ঙংইনগে হায়রগনি।"

মপুরোইবনা পদোম্বীনা থিনবত্তুগী মতুং ইন্না য়েংখিবদ মচাহৈ তুফক তুফাইননা, অংগাংবা লমহাংদ তরক তরক লেপ্লহৌ মমাহুনা উখি। মচাবু উবদ মমহৌনা হো'চিনশিন্দুনা হায়রকই "ইমাগী ইবুঙো নপাবুংগী মতুং ইনগনু. ইমাগা হয়েংকে গা মকমত্তুদ চংসি।" মমাহৈ ঙাইহাকতুদ পোপালথোংগী জ্ঞান তাবক্লুনা মচাবু য়েংথে কলকপদ মচহৈ উবা ফখিদে। মহাক্লু য়াপক্লবদগী পাঙৌ উবনি খন্দুনা লইগী মমিং শোন্দুনা হৌগৎতুনা ফলমই। লাইবকখিবী পংলম্না চিঠীগী য়া তাহুনা নুংঙাইতবা পোকখিবসি, কোমোলনা পদ্মাদ ঈরাক্লবা য়াওখিবা নুমিৎতুগী নুংথিলদমি।

চিঠীগী চিন্তানা চাকলবী পংলম্না র.ঙ্কখিবহৈ, অতৈ পোকপা মপারিনা তমথিরবা পদ্মাগী লাইজন্নুদ ঈরাক্লবহৈ ভারবদি করি

থোক্লগব। ঈবাব্লবদ য়াওরব কে মোলনা থেলব অহিংগী অমম্বদ মায়'গ শলাই খঞ্রংনা অচৌব ঈথক কয়া লান্দুনা, মমগী খুয়া নিংশিংহুনা, পলমগী সেবা অমুগ ফংব ঙমগ্রা খন্দুন. ঈরোইহুনা মথরাই হিংনব লাক্লখি। অরাব রাখলনা খুমহুনা মায়'গ খংহৌদবনে অহৃগী মথক্ত, নোংন্ম শিং চেন্‌ব অহিংগা অমম্বনা খুমখিবনে মফম মব'ং খংখিদে।

মহাক্ল ঙম্ব থৈ ঈরোইরগা মশা চোকথরব্লবদ লমদম তান্ন লেহৌরবী প'লম নিংশিংহুনা ওলক "ইমা! নৈহাক্ল মফম খদনা শিথবদ, ন'গী অরাবহ্ নচা কন'না উহৌগব! মথোং মরম খংদনা শিথ্‌বদ নপারিদি, ঙসি য়াইবী থাব তা'র, ইমা থৌরাই হকচাং খাইনর দাইসিদ নহাকপু অমুক্তং উঙরবদি শিরবস্থ ঈংগদবনি, উদ্রেদগো।" মমাগী রাখল তৌবদ পে'কলকপা অনৌব থৌনাগা লোয়ননা লাইজ ঈথক মপৈ থুগাইহুনা মহাক্ল অমুক ঈরোইখি। কদায় তৌর্বান চাংজৌদি,—কদায় মমাগী খন্নম্ব ঈরাইবগী চোকথবনা খনব ঙমখিদ্রে, অরোইব রাখলদি "নুগ চাউবী, নুংশিবী! তোল্লবগী ওলেমহ্ মহাক্ল কোনবিয়ু ইবেম্মা অথেব অহিংদ মৈরা পুবক্ত্‌না ঐবু অমুক উহল্লরোই, নহাক রারোথ্‌বনি, নুংশিবী নতিক-নগুণ চাউব নখোয়দি মীনা নংগী মাংনব তৌরবস্থু, মীহুবু লুনা তৌব হৌনশানি, ইমাবু মংনা লুনা তৌবিযুকো ঐগীদি ঙসিনা অরোইবনি।" রাখলসি খন্না খন্না পাখংদো পদ্মাগী ঈনুংবুংদ লুপখে।

মহাক্ল লূপখিব মতমসিদ অতিয়াদ কোরৌহনবনা লেং-

থোকললকপদ, চৌংথৈ লাইরেম্বীনা সনা পী শুমজিংনা হুক্রুশিন্দবগী মাপেম মন্দিরদ চংইনা তারম্ব অমম্ব পুম্নক শিংতোকপা হৌখি। মোংঙাম্ববী চেক্লা মপৈনা অহিং তাংলো তথেংবদ, পদ্মাগী ইথকত থোকখিব্রা থে দোক য়েংলবা মাঙ্গ য়েত্ত তারিব খূলগী য়ুমথেং খূদিংদ পাইহুনা য়াকাইরোল শবলকলে। পদ্মাগী চাংজোদ হৈব পামেংশিং তডং লাইক্ল লিক্লাপি শিল্পহুনা. মাম্মিব পুংশিংগী হাইর-হুমলহুনা তেংথারবই। লাইজথকী চেক্লা কয়ানা, পদ্মাগী লাইজদ থেংলহুনা হইনব হৌববলে। চৌংথৈ-লৈমা চান্নরব য়েগীঋষি কয়ানা স্নান তৌব লেলবগা থোকখি ব অন্নবগী খূদম উংনা, মহৌশাগী অচেকপা মগুণবু নিংশিংহুনা, ধ্যান তৌবগা লৌনা থোরকপা কোকৌরনগী সনা চান্দ চেংলো লাংহুনা লৈরংই।

অমতা পোকপী পলেমনা হপাবিমা ঈশ্বুরংদ লুপখিবহু খংখিদ্রি-তাখিদ্রি। অমতা চায়জব যিজিগী লল. তমথিব মোংশুংশিংগা ম'খোক্তুনা তাখিবহু কনানা খুনবিগনি! মহাক্র য়াচুমা কপলশ্বদগী রাম্বক্রবহুদ মচাগী ঈংবাব্রবগী পাউ তারবদি কয়া থোক্লগব। মহাকী য়াবব মহৌশানা চাউবীগী ফৌম্বুবদ হৈরব মথুংমা মপি তৈথোকপিখি—মতুং অহুদম্বু তৈথোক-পিরখিদ্র? চাউবীদি মানা পাম্বহু হয়া ফাংবে য়েংলমদনা চংখে। থরো-থম্বাল লাক্লুবা, মাগী মশর্মগী হীক কাইগ, কোমোলগা চাউবীগগী কায়ননব হিগায়ল্লা সৈরেং জোকমি মৌকমি তৌহুনা যাক্লোলদ কমহুন শকলবহু অইলহুনা অমুক তারখিদ্র।

(১৯)

থম্বালগী থম্বাল মত্তে থম্বালদো, মনানা হৈমাং শাবিনী, য়েংবদ তেংনা মামবীবি. মগুণদি থম্বাল মংলমদে। মৈত্ত নূচা থম্বালনি, নোকপদ মরৌ তৌবী. চংপদ মমায় লোংলপ্, মখোং তিংনা তিংনা থা তুনা; নাকয়েন্তা কনা চংপগে খোঁশাদবী. অ.কব শাজংনা লৈতেং ওইবী নুজানি। মৈতৈ চনু কনাগুম্বী অকেবীনা তেব মতৌ পূম্নমক তংতুনা থম্বালনা চংপা হৌরকলে।

খোইমু খোয়ংচেংব চেংদব কয়ানা, থম্বালগী মনম তাবদ মখুৎ ওয়না গুঙ্গা মশা প ইহন্দুনা, ফুরিংথাউদ শেনগী মখোশা খোইমু খোঞ্জেল শাহন্দুনা পাইনয়কই। পাখং খোইমুনা নূচাগী ইখোল পলকোডনুংহু থমখি। পাংতা সমহুনা চংপা লংভচংপনা কনুং অমদা পুংথরগা, অক্ৰব লম্বী থিব লাক্রবদ অমদ অমুক পুংথবগুম থম্বলনা ফত্তব লম্বীদ চংপদগী হন্না হন্না পুংথখি।

কূমথবগী লম্বীদি থম্ব নাইদে। কূমথয়ব থম্বালগী কন্নুত্তা তাব লম্মক্রব পুনশিহু থয়োনস্থু মতুং ইনখিদে। লৈয়াং থয়োনা মক্ক লুক্ক শাংপগুম, নূচা থরেস্থু মক্ক লুক্ক শাংপ.দগী মং য়ানখ্রে, মপুরোইবগী সেবা তৌহুনা মতম লেনখ্রে। করিগুম্বন থম্বালগা উময়গা থয়েনা মচীন্দতা পুংশিব উংলম্ব নত্তনা, মাগা কুইনা লৈমিয়খিদে। ফয়বস্থু ফত্রবস্থু লৈয়াংগী অাত্ত পেকপী থম্বলনি মাগী তনৌ-তনৌব থযোয়হু ঔকায়বা নুংশা লাক্রবদ

খুইথরকই। নুচাশিংনা নাহা ওইরিঙৈদ পলেম পঙ্কোদা বেত্ত মা চাউই, কাংদোং কারগা, লৈরাং উরিরৈগী জাত্তা পোকপীনিমা য়েংকম ফংগ্রবদি সুংঙাইনা লৈবদি লায়রহুনা, নাংম মো মগী পংথব হৌনৈ। সুজা থম্বালসু কুইনা লৈশাহুনা সুংঙাইব শী মহুত্তো নোংম-নোংমগী পংথরমই।

হৌজিক্তি তোম্ব লাংজেংদি লায়রহুনা, নিপানি হায়ব অমতবু ফংলবদি মনাই ওইহুনা সেবা তৈনব থনবনা থম্বালগী মক্ল ওইব রাখলনি। মাগী মথাদ মচা অমত পমহুনা লৈরবদি ইকায়ব কোক্কনি খল্লহুনা, মবুং মোপাগী অমস্তুং থরোগী মচা উরগা পমহুনা চংলমই। অঙাংশিংহুবু কন্না চুপ্তুনা, অহুগা পমহুনা মাগী থমোয় ঈংনব লাক্লখি, অপংব অঙাংশিংনা সুজাগী রাখল থংদবনা; মাগী মনাক্ত ঙাইহাক্ত ফাওব লৈনিংখিদে, কপ্তুনা মমাগী মনাক্ত হেক্তা চংখি।

থম্বালনা সেম্বীবদগী নুচা চাউবীদি মৈতৈগী হায়নবী মীনাই চাউবী তাখ্রবর? অপোকপা মমা লৈজরম্ববদি খোরাইগী মফমদ মীনাই চাউবী ওইরবস্নু, মমাগী মফমদদি নিংথৌগীদি শক্তিকলোই, ইমাগীদি নিংথৌরেল ওইজরমগদবনি, অহুস্নু মাগী মরাইবক থীবদগী অপোকপী মমাস্নু লৈরমদ্রে; পোকমম্ববা মবুংমোপা কনাস্নু লৈরমদ্রে; মবুং অমতং লৈজরম্বস্নু মকম খংদনা মাংখ্রে। নিংঙোল সুজাশিংনা লাইরবগী ভম্বাক্ত চাউ-হুমস্নু মরাইবক করগা নিংথৌরেলশিংগী চান্নবী লৈমরেম ফাংবা ওইহুমা সুংঙাইনা লেমৈ। লাইবক চাউবী চাউবীনা মহুং-মশিং

হৈবৈ নিশা অমতং থংজগদবস্থ থম্বালনা লৌইরং খোংনাং শাহুনা য়েংপদগী কায়খিরমই।

নিংব কায়রবী চাউবীনা, অরাব পুনশি কোকথোং নহুনা লাইরবগীস্থ নো ঙানদব হৌনদে থন্দুনা লৈজরম্বদগী, মোংঙানব ঙাইব ঙংদহুনা অমম্বদা তিনখে। মহাক্ত মফম থংদনা চংখিবদ মমা-পোক্তবী চনুনদি পেমত্রিবর? চাউবীবু চৈক্তবতনা মাগী মথৌ গুইহুনা, কুইনা মতম লেল্লকলবী চমুনা, মহৌশাদি চাউবীনা ফনা থবক শুহুনস্থ মানা শিংথাবিদব, নুমিৎচুপ্পা ঙাংব চৈবনা মাগী নুংঙাইজব পোৎথ জব এইরম্বক্ত, চাউবীনা মাংখিবদ ফক্লাংদ ওনশিন্দুনা চৈবস্থ য়াদবনা মথৱাই নুংঙাইখিদে। চাউবীনা মাংখিব নুমিত্তাগী থম্বালবু চৈব হৌরমই। পোক্তবীনি হায়হুনস্থ পিশক পিক্লিঙদগী মমা শক্তনা য়োকললকলবীনি, অতগীমথক্ত চাউবীগুম্ন অরাব ভুমিন্ন থাংবী, ঙাংবদ খুংদবী, খোইথা-লিনথা থাদবী পুকচেল ফজবী মচানি মানা পোকপা মচাশিংদস্থ য়াদবনা চমুগী পুকনিংহু গুপ্তোক্ত নুংঙাইখিদে, উনা কেঙখুব, মশা য়ানখোকখুব পামেলগুম্ থবক-থানা তৌরম্বদগী চাউবীগী য়াথলনা শুক্লাংতুনা মরক-মরক্ত চপ চপ লেপখি।

চাউবীদো তৌলেগা চিঠি অমা পামিন্নবদগী মফম থংদব মফমদ চংখে, কদায়দ চংখিবনো, মমাদস্থ মপাদস্থ তাকলমত্রে। পিশক পিক্লিঙৈদগী মমা পোক্তবীনা লংফা হূ-চৈহুনস্থ, মমাহুগী য়াতদনা, কদে নুংদস্থ, চংপোক্তবীনি। নুমিৎ-শিংবুম য়াম্নব ফনা নুংশালব ফাংব লৈকোক-লৈকায়গী কনাগুম্বনা চাউবীগী

মরমদ করি অমতা থংলখিদে। মতমত্তুদ চমুত্থবু মীনা মচ্চা পোক্তবী তাম্বোকখে হায়রা ঙাংনত্রিবর ?

ঙাংনখি। মচ্চা পোক্তববু কনা লুনা. তৌরবস্তু, মমা পোক্তবীবু থীনা ঙাংনৈ; চমুগী লাইবক্ত মাতুদগী হেন্নবদি, চাউবীনা মাংখিত্রিঙৈগী মমাংদ, চাউবীগী মবুং চাউবস্তু মকম থংদনা মাংখি, মরমত্থনা চমুবু খোরাইদগী হে.। লৈকাইনা থীনা ঙাংনখি। মচ্চানিপাতু মাংখ বস্তু, নিংঙোলতুনা, মাগী মচীন পেন্না মনিংথুনা চৈবতু, তুমিন্না তাথোক্লগা হরাও হরাওনা চাক-য়েনঝাং থোংতুনা চামিন্নরমই। চমুগী চমু-কবোক্স অকেংব বাহৈ পূন্নমক তুমিন্ন য়োংলবী চাউবীতু লৈরিঙৈদদি, মীনা মাবু থীনা ঙাংনতুনস্তু খর লেমজরমই। চাউবীগী নু শিব-মতৌ অমদি চমুগী থমোয়দ ময়েক লানা য়েকখি; চাক চাব লোইরগা, মহাক্ল মোমোন নোক্তুনা মমানা চৈবতুনা ওইরমাল্লে চাক-য়েনঝাং কনা হাউরে হায়রকপদ, চমুনা মাবু মবুক পান্দবীনি হায়না চৈবগী রাগ, অমুক চাক তোকপগা হৌখিব নিংঙোন্দুনা মাতুস্তু নোকমি নোকমিনা তাখিবতুনি। অতুম ওইবী চাউবীগী অঙাংব মতৌতু মান্না কাউব ঙমখিদে; খল্লু খল্লুবদ চমুগী পোংথাভম লৈখিদে।

কোমোলগী তসবীর পুরগা, চাউবীনা চংখিবসি চমুনা থংলমদে। মহাক্ল থনখি—নোংম নত্রগা নোংমদি চাউবীদো কনাগুম্ব অমদ চেনথ্রবনি, মখোয়দ তাকলগনি, কনা কুইখরে. অতুগুম্ব পাউ হায়রত্রবদ চৈগনবী চমুগী মপুকনিং খোইশাংনতুনা

ইউস্ম উদনা চাউবীবু তঙনা চৈখি। লাইবকথীবী চমুনি, চাউবী মাংখিবদ মপি তঙনা তাখি। অদুবু লৈকায়না মানা তন্থোকখ্রগা কপশিন্নরিবনি, হায়গনি চিংনদুনা কপ্পা ফাওব ৱাইসংনা কপ্পা ফখিদে। কন গুম্বা পলেমশিংনা মচ্চা শিখ্রগা মচ্চগী মমান্নব উরগা, নুংঙাইতবগুম চাউবীগী লেংগা লৈশাবী উরগা মথৱাই নুংঙাইতবদগী পিজ পিথক তৌখি। নোংমগী য়াচংবদ থবক থানা তৌরম্বদগী ৱাখলগী মিংমাংদ, চাউবীবু উরদুনা চমুনা কপ্পা কপ্পা হায়খি, "ইমাগী ইবেম্মা, পোক্রবীনি, হায়দুনা ইমাবু নুংশিত্রবর, হন্দক্কী মপোক্ত নংবু খোমলাং ইনব ঙমত্রবস্থ, ইমাগী তম্বাক্ত ম'পা'ক অমদ অমুক্তং পোকলগা খোমলাং ইনগে লাকউগব ইমাবু চেগল্লি হায়দুনা শাউখ্রবব।" চমুদু নুংশিবনা থুনগংখিদুনা হিক্র হিক্র কপলম্বদগী চাউবী কৌদুনা তেংথাখি।

পোক্রবী ওইরবস্থ, চাউবীবু ঙাইহক্তং উদবদ, মথৱাই নুংঙাইতবদগী কোয়থি-থিবী চমুনি। মহাক্ত চৈবদগী মচ্চাদো, মথৱাই নুংঙাইতবনা শিখ্রবনি খন্দুনা করিগুম্ব মুমিংতস্থ, মাগী মচিন্ ফঙবগী মহৈ ফলে খন্দুনা মতোমতা শিনিংখি। করিগুম্ব মুমিঙনা মাগী কল্লমাগী মমিংনা, চাউবীনা নিপা অমগা লাক্লগা মাবু থুরমলম্ব উদুনা শাউশিন্নরমই, নোংদনা কে মোলনা চাউবীবু লুহোংদুনা লাক্লগা, মানা চক কৌবগী মঙানি চাকচাব উখি।

তোলেনা চাউবী মাংখিবগী পাউ তারবদ, নোংমদি মতাগী চিটিদু অমুক হন্না পাহল্লমই, চিটিদুদি ইবেতোম কোমোলদ পীরকপনি। মহাক্ত কোমোলগা মাগা চামবগী বা ইরমই।

চাউবীনা মাহ তাবদগী নিংব কায়রুনা, কোমোলগী তসবীব পুরগা মাংখ্রবনি হায়বসি ভোলৈতনা খংখি। মচ্চাবু নুংশিবদা চাউবীহ মাংখ্রবনি হায়বসি হায়দোকপা য়াদবদগী মথরাই নুংঙাইখিদে।

চাউবীগী পাউসি কনানসু মতম কুইনা হায়রক্রবদ, মোংমদি তোকলনা ইবেতোনবু য়েংব চংলমই। মহাক্না বা লৈকায়দা হলুবদ, লৈকায়গী মীশিংনা, হ ইকেং নোকনা নুপী মচাদুরু য়াম্না যব নুপীনি খুমলমই। মহাক্না দি মযুম অমুক পাংব্রবদগী হলক্লুনা, লৈশাবী শাহুনা লৈব চনুমি, লৈকোব-লৈকায়গী, মচ্চামগুবু মহাক্না কয়া তিম্নহনদে। ইবেতোনসি মীশা-নীশা-মপূ-মরি ফাবী, থিক-থা যরবী, কুচ কুন্দ সনা অহিব মামবী নুজানি, রা-ভাংবদ মচাক চেন্দবী, মীনু ইকেংই-কোইদবী, মীচং মীথেক ফবীনি। ইবেতোনবু ভবদা তোকলনা চিটিহুগী বা নিংশিংদব ভ্লমদে। মহাক্না ম মথংদ-মৌ-ন হা মশাই তোরোপ তোবোপ-তাবী অমনা ইবেতোনগা ভিন্নরম্নগা চংখিবগী পাউসু তাখি। মখোং-মডী থিবদ নুজাহুগী মরম খংদ্রবদা, মহাক্ন লাম্লস্না নুপীহুসু চাউবীনি চিংনবদগী ইবোহন্দ পাউদো তমখি।

---

(২০)

য়েম্লিংহুনব মতমনি। লমদা থাগী নিলমাংদ সীজ লাই ভংবীনা সেবা চংলম্না শ্রী০ অনুপ্রভুগী নবদ্বীপ্ত লৈম্লিব মন্দিরগী

নোংপোক পাংবদ হৈনৌ বোন অমা লৈ। হৈকোন্নুগী নোংপোক পাংবদ ভাগিরথী নদীনা অঙোব লৈঙোই সেক্তা ফিজেৎনহুনা, অহি-নুংথিল লেপ্তুনা সমুদ্র তান্না সাগরগী মচাশিং লানবীনব চেষ্টরি। নোংমসি নোংপোক্ত পোক্লপা নোংচুপ্ত চুপথখিবহুনা মশিং মাইদব মীওইবগী পুনশি শাই। অহুগুম্না পুনশি কয়াবু লানবীথ্রব গঙ্গাগী তোর্বান্দ বাবলা পান্থীনা পরেং পরেং হৌহুনা হৈমৌবোনগা শম্নখি। বাবলা পাম্বীশিংগী মরক্ত মৈতৈ নিংথৌনা শিংখংলব ডাক্তরখানা অমা লৈরম্মই।

স সারসি অঙপন্নি, শংহু হেক উবদ, মকমহুদ অনাব য়েলবদি নিংনা কুপ্পদ অনাব ফগদবগুম উমৈ। অহুবু য়াম্ন শোহ্নব অনাব অমতংদদি মতম কুইনা নারকপগী থুদমগা লোয়নবা, হাসপিতালহুগী মাঙ্গোলদ, ফমুং মথক্ত হিপ্তুনা লৈরম্মই। মাগী মনাক্ত সেবা তৌখিনব কমান্দ লৈরম্মদে। অয়ুক্কী নুমিৎকী মঙ্গাল ঙ্গামচু মানব নুমিৎকী মশেক য়াম্ন য়াওই, - মঙ্গ্র মচু মানখাহু মীওইবগী পাঙ্গল কন্নব পোংশক অং লিং মাহুমু ইংরেজীদ ultra-violet-ray কৌই। ডাক্তরশিংনা তাক্তুনা অনাবহু পাঙ্গল পিনব আল্ট্রা ভাইয়োলেট রে য়াংব অয়ুক্কী নুংশা য়াইরবই।

অনাবহুনা নোংঙানবদ থোয়কপ নুমিৎকী ঙাংলৈনব মচুবু শ্রীদন্নামহীগী রেনুনা লৈতেংলব থুবাক মম্নাইগী অমদি চীনবানগী কুচুনি খন্দুনা মচুহুবু মুন্না য়েংলগা মপি শিন্নহুনা লৈরম্মই। মহাক্ত কুইনা ভাব তাদনা নারুবদগী তারকপাহু, ইবুঙো মহাক্কী

বাঁশিগী স্থরনা মালেম বৃন্দাবন্দ কৌরকপনি, অতিয়াগী নিস্থানব মচুনা ইবুঙোগী কুচুনি, থা-খরানমিচাকনা ঃহাক্কী ফিজোন্দথাম্ব মণিমুক্ত, নুমিৎকী সনামচু মানব মঙানবু ইবুঙো ম.গী সনাফিগে মচুনি খন্দুনা ভগবানবু মহাক্ক নি.শিংজখি। নুমিৎনা নোংচুক্ত তারমদ.ইদ থোরকপ ঙাংঙ্গানব মচুবু ধ্রুব, নারদনচিংব ভক্তশিংনা ক.নব হোৎজখিব ইবুঙোগী খুম্না খস্থালমচু. অমংব নুমিৎনা জীবগী জীবনী শক্তি কৌস্তুভমণি, মালেম পূম্নমক্ক শ্রীমতি লৈমরেন সিদবীগী শকক্ষমনি খন্দুনা অনাবচুনা মথস্তা লুঙাইজরমই। অতিয়াগা পৃথিবীগা অনি তি.ববু প্রকৃতি পুরুষগী তিন্নবনি খল্লকপদ; ভগবানগী বির ট মুত্তিবু অনাবচুনা রাধলগী মিৎনা উজরে খঙ্খি।

মহাক্ক অস্থম খল্লকপদ, খংহৌদনা মপি শিঙ্খি। মতম অচুমক্তদ অমাশংগী নোংচুপ পাংবদ হৌরিব হৈনৌবোন্দ কোকিল অমনা মাগী চান্নরব বসন্ত লাক্লে খন্দুনা, মখৌ পোংনা পোংনা খোংলি। নাম্থিব মালংবনা, মখোলচুবু নোংঙানবগী য়াকাইরোন ওইহন্দুনা, হৈনৌ পাম্বীদ হুমবদা ঋ-ঋ লাউব খে:জেন থোরক্তুনা কোকিলগী সৈবাংলি। মাহ্ল তারবদি ৺অম্নুপ্রভুগী অয়ুক্কী আরতি ইসৈনি খনগনি।

কোকিলগী কুহু খোজেম ঈংহল্লব চিংখৈ হুনব মতমদ মধুযন্নগী মিরব স্থরদ খোংনেৎ ওইরব, মুংশিরব ইসৈগী মখোম্ অমস্তু, অতিয়া মালেম খোম্ন পূমগুম-গুস্কত্তুনা নোংপোকপাংবদ চেল্লিবী ভাগিরথীগী মপাললোমদগী নাম্থিব খংগোমবনা হুমচুনা,

অনাবহুগী মনাকোংনুংদ চংলমই। নু শিরব ইসে পুরিব মালংবনা হাসপিতালগী নাকয়েত্তা হৌরিব পামেলশিংগী মনাদ হুন্দ, লেংলকপা উনাশিংনা ঝর ঝর মখোল অমা থোকহনখি। ইসহু তাবদ মাহুগী অঙৈংবনা জাহ্নবীগী লাইজনা জোরার কারক্তুনা, উপাল রূপালগী মখোংদ চেনশিল্লকপনা, পামেলশিংদা নুশিংনা লেংবহুবু ঈশিংনা ঐরবদগী লেংলবনি খল্লুরমাল্লে, অনাবহু খংহৌদনা ইন্তাও ভাওনা হৌগংখিহুনা, হাইরং-হাইরং ফমুং মনাক্ত কোয়চং চংলকই।

অথাপ্লদগী লাকপ ইসে স্বরহু, নকশিল্লক্তুনা অনাবহুগী মনাক য়োরকই। মতমহু ফাওব মহাক্ত ভাওন-কৈনা চংলম্লি। মতমন্থদ অঙৈংব অতপ্লগী চেংলৌদ নুংশিবনা হক্তুনা সেম্লব পুকচেল ফজবগী অহিব ফজরব জটাপুব, গেরুয়া থোনব সাধু অমনা ইসৈহু ইরেপ লেপ্তুনা শরুহুনা অনাবহুগী মনাক্ত চংশিল্লকই। ল ক্লিব সাধুনা অনাবহুবু বাবা হায়না কৌরগা, মখুং পায়হুনা চিংশিল্লগা ফমুংদ হিপহনখি। অনাবহুস্থু সাধুবু মুন্না য়েংলগা, মহাক্ত হায়বগী মতু ইন্না তৌখি, বাদি ভাংখিদে। মহাক্ত সাধুসিবু স্বর্গগী লাইনা সাধু ওইহুনা, মাগী অরাব কোকপিনব নুংভাইব লনবু কুবিনব লেংলকপনি খন্দুনা মিংলুদা শিগী ঈরা চেন্না য়েংজরি। অমুকস্থু মাগী মশাদ অমুক য়েং, সাধুহুদ অমুক য়েংলগা মহাক্ত শিরব মতুংদ স্বর্গগী ঋষি উম্লবনিস্থু খল্লখি; নৈরিব মকমহুস্থু, সাধুবুস্থু মশক মমিং খংলমদে। সাধুনা মহাকী

নিংথিবর সনাখুংনা, চুরুব মিংয়েংনা মাবু য়েংলিব অমাবসিবু, মচ্চানা মমাদ মানবিবগুম্ তপ্প-তপ্প মমাম্বদা নামবিরকই।

মতৌদু অমাবসিনা মমিং কুপ্পনা য়েংলি, মতমদুদ পুম্নম শাংকাইব লৈরাংগী মীনোংক্ল লৈতেংলব সাধুনা, হৈরোরোন্দা খোংথিব কোকিলগী খোম্বাংবু ভাজব, খোম্মোক্কী ৱাহনা অমাবদুর হায়রকই "ৱারা! ৱারগনু, অময় তামলকলে, নুংঙাইব ইচিক চিংথে হল্লগনি।" খোংলম্বা কোকিলগী খোঞ্জেলসু, সাধুগী ইসৈ তাবদ তৌবর, নিংথিব ৱাঙাংনা থুমখিবর, খোংনা খোংনা পাখংগী মনাকোংনুংদ চংব ঙমখিদে। বসন্তগী তনৌ তনৌবা মীপাল ৱাপালনা থোগল্লব নেংনা থোরকপ মুমিংকী মঙান্দ ঈরোইরিব মালেমা সাধু অমা ওইদুনা লাক্লিবর হায়না মহাক্ল ঙনলকলে।

সাধুগী মায়থোং থম্বালগী অকোয়বদ, জটাদগী নংহোক্কলকপা শমলাং অম অমিবু তপ্প-হম্প মালংবমা হুম্বদ হাইফেং লোংবদু উরগা খোইমুনা লৈহি চুগরুদবগী লৈরাংগী মকোয়বদ পাইব, তেম্বনা কৌবী চেক্লাম অমুনব হৈরাং উরগা লাংজকুহুনা কোয়না-কোয়না পাইব পলেম্ন কৈথেল কুম্বকলগা মপারী মমে মশিংনা কবোক চাগদবগী মমাগী মাক্ত হরাও-হরাও কোয়নোম মোন্থ অহুগুম নিংথিখি। কে ৱৌরেনগী মচ্চাম সনা হকচাংদ য়ৈরকপদ, সাধুগী কুচু লাংলিনরিনি মতাগুম, চুম্মব জটানা য়ুথলগুম সাধুগী হকচাংদ চাইন তার মধুবল্লনা তনৌ তনৌর থুন্ত্র, ঙাইহুক্রবু খানিংসহুনা, লৈজব, নিংথিবর খুদাংদ রুদ্রাক্ষ মালানা নাপ্প চিক্লা

লৈহনা, কোম্নসিন্দুম্না লৈবদি, মপূগী থৌজ্জানবু ফোংদোকে মত গুম্বনি। নোংসা‌ৌ শাবানগুম নিংথিব ময়েম্ন রাইন্নুতা ওইব সাধুগী চেংলোহবু উবদ তাইবংগী মপুম্না মীরমলেন্দ মীগী শাওন লৌহনা লেংলকপনি হ য়না অনাবসিনা থঙ্খি।

সাধুবু মুম্না ঙাইহাক য়েংলুব অনাবহনা মপি সিঙ্করহনা হায়রকই, "হে নোংমদোম কোরৌলেন সেম্নীব ইবুঙো, ননাইবু কুবিরে, পন থ লৈতনা কুপা তৌবিরে নয়াথং ইঙ্গগে থৌরা‌জরি—করম্ব থৌজালদগী নহাকপু তোংবনা উব ফংজরিব, ইবুঙো মহাকপু তাইবং সেম্ব মপুনি থংজরে, তোল্লববু নুংশিবীয়ু।"

সাধুনা হাইফেং নোক্তনা হায়রকই "বাবা! তোল্লব লম্লোইবনি ঐহাক্তি, হয়েং ইন্নুং সোরা তৈরগা, মহাকী নরূপ মপিজা লারনি, ঙহাক চংলগে হৌজিক্তি পোংথারো।" সাধুসিনা মাগী হৈনরব মধুযন্ত্রবু পায়রগা ইসৈ শক্লহনা অনাবহবু নানবিরকপদ, অনাবহ তুমধখি। সাধুস্নু মানা তুমধবগা লোয়ননা চংখে। মঙগী মতৌগুন ড ইহাক উ‌রূল-উরেল তৌব্রুরব অনাবসিনা হৌগংলগা থনখি "ঐনা মাবু থংবগুম তৌই, অহবু লাইনি নিংহনা, ংিং মথা হংগদবস্নু হ হৌদে, ধর্ম্মাত্মা ওইব সাধুশিংবু ইথং থংবগুম তৌব হৌনমাল্লে।"

মতু নোংমহুদ অনাবহ মপাঙ্গল থুনা কনখ্রংখি। মহাক্ত মশা নুংঙাইরহনা সাধুগী রা থল্লহনা অনাশ দ লৈরিঙদ কৃষ্ণকুমারী, কুঞ্জবিহারীমচিব কলিকতাদগী মী লাক্তনা মাগা উন্নখি। কৃষ্ণকুমারীনা হুরাও হুরারনা মাগী মনাক্ত লাক্লগা, মহাকপু

লুমা তৌহুনা কলিকাতাদ পুখি। অনাবসি কোমোলনি, মহাক্ক ঈরাক্কহুনা লুপখিবমক্তদ সাধুহুন্না মান তৌব লাকপদ থেংনখি। সাধুহুনা মাবু হিংহ গা নবদ্বীপতা পুবক্কনা অনাশ দ থম্বীরমই। কুঞ্জবিহারীনা খববদগী কে মোলনা ঈবাক্কব য়া'খিবগী পাউ ফহুনা অমুক হ্যা পাউজেন চেদ মাগী পাউ পীরব মীদ লুপা লিশিং অমা মনা পিগনি হায়না ফোংদোকখি। সাধুনা কোমেলগী পাউসি মাঙোন্দ তাক্কবদ, মহাক্ক লুপা য়াম্ন স ধুদ কংখি, সাধুম্না লৌখিদে।

---

(২১)

মচা নৈশাবী, চাউববীনা মফম খংদনা, অক্কব ঈশিংদ ভেংবাক ছুঙ্করগা মাংখিব, অতিয়াগী পাক্কব তম্বাক্ত থানা খংলোং লোংখিব, লৈবাংগী লৈময়া নুংশিত্তা মফম খ দনা ত্তিনখিব, অহুগা মীওইবগী পুনশিনা মতমগী ঃপাল নাইত্রব ঈপাক্ত লুপখিবগুম মাংখিবনা, থমোয়নুংদ অরাব মৈনা চাকপা মুংপা লৈত্রব, চাউবী মপা ইবুঙোহন্না মক্তাগী পাউ তুমিন্না কয়া, ফোনা কয়া লৌবমই। নোংমা নিনিদি পাখং কনাগুম্বদ চেনখিহুনা পাউ তাকলদবনি থন্দুনা, মপুক্ত নুংঙাইত্রবস্থু ছম্মা ছম্মা থিখি, নুমিং শিংবুম য়ায়কলবদ নুপীচেনবগী হায়দোকপগী

পাউস্থ শংদ্রবদ, করিগুম্ব মথৱাই পুংঙাইতবদগী শিখ্রবর হায়না থিব মৌনব মখ থিখি।

পাউ মথং মথং লেখদগী শুগ্রুরোমদ নিপা অনিগা মুপী অমগা ব্রহ্মারোমদ অহিংদ লোম্ন চংখিবগী পাউনিলখোল অমা মহাক্ন ফংখি। মচ্চা পাখং অমশু অহিংদ লোম্ন মাংখিব লৈশাবী অমস্থ থিব ফ দবনা মথৱাই মুংঙাইত্রব মপা।হুনা কনাদস্থ করিস্থ হায়রমদনা ব্রহ্মা তান্না মচ্চা থিব খোংশান্নকই।

মৈতৈশিংনা মনাকনকপা লৈবাক্ত চংপদ লোল তিংদবদগী য়াম্ন নঁনৈ, য়াম্ন খৌনাফব মীস্থ লোল খংদবদগী তুক্ক-তুক্কাই চন্দুনা অপ ব শীংদ চ'ম্ন। ইবুঙোহনস্থ লোল অমতা হৈতবনা অহুগুম্ব দশাদগী নাম্থোকখিদে, চা-ন থক্রবনদ খুদোম্বীগা িংকী ইঙ্গিতনা হাযব ত।খি। লোল খংদব মহাক্না চাউবীবু থিবদি লাযরহুনা, মশানা মশাবু কম'নো থিব খংজিংক্তে, মমৈদা উচিন নাঠিন্না মন্দলে য়োরমই।

মন্দলেদা শগ্রুরোমদ চংখিব নিপা মুপীশিং উন্নখি, মখোয়না পা বিহুনা কনাগুম্ব মৈতৈগীদ লৈংহনা, অচা-অথক খর তাক্লগা মণিপুবদ হন্ননব ত্তেখি। নোম্ন-কনব, পুকচেল তিংব, হায়মবদ সোম্নদব মীবু খোয়াইনা য়া'ন। ইবুঙোহনগী অহুগুম্ব মশুল খর লৈবম্বদগী, মক-হুগী মীনা মু শিবীহুনা-তম খরদংদা মহাক্ন শেল য়াম্ন তাংমই।

মহাক্না ময়ুমদ হল্লগা, চ উবীবু উগনি হায়ম থাজখিদে; পোক্তবী মমাগী মীচ মুংশা অয়াকপনা মৈবদ লৈরাংহু মতম

চাদনা কেমহন্না ৼাংখ্রবনি খনখি। ঈংলবী থেমজিন হৰী, তপ্পৰীগী শক্তম ওইৰী, চাউৰীবু শমুক উগনি থাঙ্গদ্রব মপানা, মপুক হুংশিখিবনা, শাঙ্গনৰী, চৈগনৰী, মাগী নুপীগা, ময়ুমদ হল্লগা লৈমিন্নগে নিংখিদে।

পিশক পিক্না মনা শিখ্রবী মযোৎনি, মাগী মনঙ্গদ পোত্থনা লৈবদ, চুচু লাবগী কপলকলবদ মাগী অকংব চুচু চুপ-হন্দুনা অহিং কয়া কপমিন্নহনা রামা য়োকচরকপা মচ্চানি। চাউরক্লবদ, মীনা হুজাহবু চিংবিহনা ঈকাইব পীব, মতিক চাব নিপাদ থাজরবস্তু. পাউথোকপদগী কোমোলনা হন্না যেংবিদনা চৎখিব, পোক্তৰী মমানা অহিং নু থিল ন ইদনা, অঙক্-ওক্তগী ওাংবদ তুমিন্ন তাবী মচ্চাদো খল্লরগা, রাখন নুংঙ ইব্রব মপাসি মকম অমদ কুইনা লৈব ওমখিদে, অহন্না মন্দলে থাদোক্ত্নুনা মকম অতৈদ মচ্চাবু অমুক হন্না থিব চৎকে নিংলমই।

চৎলকলে, ইঙাও-ঙাওনা লাকপদ মী খরন্দু মণিপুর তম্ন চৎলমলি, মথোয়গা লোয়নরমই। মথোয়না লাকপা নাৱৰী লম্বেলদ হৈয়াই অমুনব পানব য়োংগোং অমা থেংনখি। হৈয়াই শাস্বীশিংনা কাপ্লোক কোল্ল কোংহনা লৈবগা অমুনব মইহনা বিলাত্তিবোল অঙাংবশিনা মাগুব ৼথক্তগী য়াঙ্কবগুম য়ান্দুনা পানব, উরগা ঙাংলব হৈয়াই অমুনবগী মিহৌবনা শুক্কংলব, ল ভৈ চৎপশিনা হৈয়াইশিংহু হেক্তুনা চরি। হৈয়াইগী কল্লোক্তু মিংয়েদগী তাম্ন শাংদোক্ল লৈবদগী মখেয়না মাহুগী মখাদ লিঙুনা লিঙুনা চৎলগা হৈয়াই হেকলমলি।

মখোয়না হৈয়াই চাহুনা লৈবসিদ মখোল অমা থংতা হেক তাদদগী য়েংলকপদ, চীংজাওমুক চাউরব শামু অমন লমজীংব শামু-শঙ্কু অমস্থু হৈয়াইদো চাহুনা মখোয়রোমদ লাকপা উখি। শামুশিংবু উবদ মিংপাইরব মীশিংদো মকম-মরাং থংদনা চেয়ম চেয়রখে। ইবুঙোহনস্থু নু শা থীবদগী চেল্লকপদা, উজাও অমদ হাখংলমই। মানা উদা কাবদো, শামুশিংনা উরবদা উজা গুহু শামুতনা পৃংকায় কোয়শিনগা থুদেক্লব তৌখি।

শামুশিংগী মনাতোম্ন লোক্তগী ঈশিং লৌরগা, উখোংদ হৈজিন্দুনা লৈপাক্ত পেংহল্লগা উচু ইস্থুগদবগী থৌরাংলি। ইবুঙোহন্না উপায় লৈত্রহুনা ঈশ্বরবু নিংশিংলগা মাগী অরোইব মতম ঙাইখি। শামুশিংনা উচুগী মখোংগী লৈপাক পেংলবদ, কন্না ঙাহুনা ইস্থুরকপদ, উসি অকিব মখোল থোক্ল তুথখে। তুরকপা উগী মশ না ফুবদ শামুশিংদো কায়হুনা চেন্নখি। লাইগী নোংদমদগী চাউবী-পাসি উচুদগী ঈশিংদ তাহুনা হিংহৌখি।

শামুশিংনা চেনখ্রবদ, মথরাই হি বগীদি নুংঙাইরব খোংবু কায়নবগী রারব ইবুঙোহন্না লম্বী থিহুনা অমুক হন্না খোংবু থিরকপদ নুমিং তাখিহুন্না থিব ফখিত্রে। লম্বী অথুব অমগী মতুং ইন্দুনা মাইক থংদনা চংলকপদ, মকুনা নাহেবগুম্ব অকিব খোজেল অমা তাখি। খোজেলহু কিবদগী কোইয়েং য়েংলকপদ মনাকমক্তদ মিপা অমা মাহুনা লৈরম্ব থেংনখি। নিপ শিংগী মমাক্ত চংলগা, মহাক্না মাগী পরিচয়নচিংব হংবদ নিপাসি মণিপুরদগীনি হায়ব থংলমই। নিপাশিনা অহিংহুদ মাবু উবদ

হৱাওবদি ওম থ লৈখিদে। মপোৎ মচৈ শিন্নৱগা লোংঙাল-লমদ ইদ শিখি। ইবুঙোহন্না লোংঙাল্লগা অশিবসিগী মশা যজ্ঞ তৌরগা, মাগী মপোৎ মচা ময়ুমদ পীনব পুহনা লাকপদ. লশ্মীদ অকিব থৌদোক অমস্থ থেংনখি, উপন্যাসগী ১ঙৌনি, চংশিব লশ্মীগী তুংওইনবা লৈপ ক কিঙ্কব মখোল তাহনা হেক য়েংলকপদ, চাউরব কৈ অমনা মাবু লাক্কদবগী তৌরম্ব থেংনখি। কৈসি উবদগী কোকচ উবি কারব ইবুঙোহন্না হাথু-হাথু লশ্মী তথুন ইন্না লাকপদ, মমাংমক্ত, লমষণ অমনা মচী ফেংলগা মাবু তম্ন ৱাইগদবগী লাকপ উখি। লশ্মীগী ন কল নাম্মদ ৱাংলব কাব ওনত্রব ওল্লব নু গাইগী চীংমায় নাকল অমদ ওম্বনা কুম্ব ওমত্রব লোগ, তুংদ কৈ। মাংদ মী হাংকল্লব চাউরব লমষণ, নং অনিগী মরক্ত হা ওনব নত্তে, মরিগী মরক্তনি, উপন্যাসনি, উপন্যাস। শিব নিংশিংব মত্তনা অতৈ উপায় লৈখিদে।

মমৈথংদ শোয়মনা শিব তারবদ, মশাবু দাম তৌথোকপগী থল্লক্তনা কৈগী মখুত্তা শিরগা, মাগী চিঙ্গাক ওইহনবনা ধর্ম্মনি থনখি। গতি লৈত্রব ইবুঙোহন্না তুমিন্না চীংমাইদ ও হুনা, কৈনা মাবু চারনব, মমিত্তা মপি শিঙ্কহনা ঈশ্বর কৌজখি। পাম্ব-কৈরেন্না পাকথহনা চী হুনা লৈরমই।– মতমহুদ লমষণহুস্নু মচী ফেংলহনা খো লহনা মাগী মনাক্ত যুজিল্লকই। লাইশী লোং-দমদগী কৈনা ইবুঙোহনগী মথক লাম্না চোংখগা লমষণগা লল থেংনখে। কিবনা তুজু লব ইবুঙোহন্না মথৱাইহ লাংলিকমুক্ত চাউনা ঠকু ঠকু নিক্তনা অনিসিগী লানগী ভাবোক ওইরি।

ঙমখিরব খ্বা অনিসি লাক্লবমখৈ লাক্লরগা চীংগী লোকচুংগ থরো থরো ওক্লমিন্নখ্রে। অনিসিনা ওক্লখিবসি ইবুঙোহন উরগা লম্বী মপান্দ চংশিনখিহনা য়েংবদ লুথুব লোকচুংদ অনিমক শিন্দুনা তামিন্নবদো উখি। মকমসি থুনা থাদোক্লগা অমুক হন্না লম্বী ইন্দুনা লাকপদ মহাক্না চংমিন্নরম্বা মীশিংদু থেংনখি। ময়াম উ বদ লুংঙাইনরহনা, মহাক্ল মাগী হিংলকপগী রাহি; থেংনরকপা খুদোংথিবগী থৌদোক লীরমই।

পূম্নমক পোংথ তুনা চ.ক-ঈশিং চামিংরবদা ইবুঙোহন্না শিখিব মিপাম্না থনম্বা পোংশিং ম'থ য়দ উংখি। মীশিংসিগী মনুংদ ফত্তব রাথল চেনব থরনা, পোংতুগী মনুংদ মমল য়াম্নব মণি মতুম অমা য়াওব উহুনা, ইবুঙোহন্দগী মাহ্ লৌগদবগী চক্রী তৌনরকপদ, ইবুঙোহনগা মখোয়গা নাকপাক তান্না য়ৈনরকলে। ময়ামগা মথন্তগা য়ৈনরকপদ, মথরাই থাব তারব ইবুঙোহন্না উপায় লৈতবদগী মখোয়গী মরক্তগী অমবু হাংভোকখি। অমা হেক শিবদ, ময়ামসি কায়হুনা চেংখি।

মীসি শিবগী মপুকনিং য়ারব ইবুঙোহন্না, তৌভম থংগ্রহনা মথন্তা চেল্লকপদ, মতুং নোংমদ ব্রহ্মাগী পুলিশনা নাবু ফারগা পুখি। মহাকপু অশিবসিগা লোয়ননা পুরগা বিচারগীদমক মথং মথং থারকপদা, মমৈদা অরোইব বিচারগীদমক য়েঙ্গল য়োখি। মহাকপু মীহাংপা অমনি হায়না বিচারদ য়াম তারবদ ফাঁশিদা হাংনবগী হুকুম কংখ্রে।

মঙ্চাবিব লাকপদ মম খিবকগুম থোক্লব ইবুঙো হলা য়াঙনগী ফেলদ, মাগী অয়োইব মতম ঙাইরি। শিরমদাইদা মমোমগী চেংলৌদি ঊব কংদবদগী, মোংগাখুব মাগী মুপ্পীমা স্বর্গদা মঙ্চা-শিংগী ঝা হংলমলগা করি খুমগদগে খংগা য় রব ইবুঙোহম্না. মাগী অয়োইব তানব থুমিত্ত, মশীং থীহনা য়ানা মতম লেংকই।

---

(২২)

চাউবীবু চিংলুবদগী মমিং নম্ম তানব, মীনম্ম থীনা ঙাংনরব শ্রীনিংথেমনা মণিপুরদ লৈব ঙমক্তহনা মীয়েপাত্তা লৈবগে খাকপদগী, নিংথমথাদ মুংশা য়াইহনা চাক চারিব শ্রীকালাশিংদ লৈবাক কোয়ব চংমব হায়রমই। মখোয়নি ময়াং লম্বীয়োমদ মখোনা লৈবাক কোয়ব খোংশাল্লকই।

লম্বীসিগী মমিং অমা তেংঙৈজমরিম কৌই, মনিপুর ইতিহাসগা কুইনা মড়ি লৈনরব লম্বীনি। মকু, থাই, ঈড়ং, লৈমতাক, থোংজাওরোক্লচিংব চাউরব তুরেল নঙামা তত্তনা চামথোকলব চীংয়াশিদ নপ্তনা চংপা লম্বীনি। তুরেল নঙানা চেপ্লিব চীংগী লমদমসিবু মণিপুরগী পঞ্চাব কৌব য়াই।

কৌবরু চীংদি লাইশিংগী খুন্দাঙনি, চীংসিদগী চীংশাং য়াপোম পরেংনা মণি অসংবগুম থেক্ল থোয়বা শাংথখুগা বঙ্গ সমদ্রুগী মপালগী ঙমখৈ সেমই।

যেদ পুরানদ লাইনিংথৌ স্বরারেনগী লৈবাকী অরাংদ কুবেরগী লৈবাক, মথাদ লক্ষিবগী যমগী কোম্লুং, লৈবগী রা ইরি কৌবক্কসি কনাগুম্বনা কুবেরগী লৈবাক্কি, অহুগা মথা থংবদা লৈবিব গুপ্ত্না লাই বাংবরেণ অমদি যমগী লৈবাক্কি কায়বনি। মৈতৈগী পুকস্নিংদদি মহাভারত রামায়ণদ ইরিব স্বর্গ অমদি ইন্দ্রগী লৈবাকসি মণিপুর অসিমকশিনি নিংবনি। মৈতৈনা ইন্দ্রবু স্বরারেণ কৌই, স্বরারেণ সংস্কৃত লাইশকতগী ইন্দ্রগী মমিং অমা স্বরেশ্বর কৌই।

চী, লক্ষীসিনা অরাংথ চীংদোম অমা লালই, চী মোনসিগী মমি, লাইমতোম কৌক্লুংব কৌই। মৈতৈ সেনকপনা "লাইমতোম কৌক্ল বনা লাইরেম্বাকপু তাকলি" হায়না সেশকনি। অঙৈথমক লক্ষীসিদ চংপদ, চংলিবহুনা মসাবু স্বর্গদ কায়বনি থনব য়াই। লাইমতোম য়েংবদ, স্নুমিং মিনি ছুংনি ফুংগুইনবা লৈহোব মণিপুর তম্বাকসি মাগী মথোংদ লৈবগুম্ব ইনক নক্ল উই। লোকতাকী অডব লইজথক্ল, থাঙ্গাই চীংনা, হিংগোগুম তুম্বক্লা লৈব, ঈরিল ইম্ফাল, নম্বুলনা কৌক্রুদগী চেক্সখিহুনা, লুপাগী তারাগুম লোতাক্ক লুপখিব, উবগা মৈতৈ অহলশিংনা মীওইবগী শিংলি চিংনাইব অহমগা তুরেল অহুংসিগা চাংদম্নরমই। মোংচুপ পাংবদ অতাম্ব নিংথেং মমাংদ কাছাড় তম্পাক্ল চীক্ল লাম্না কুংথনা লৈব উরগা মকমহুবু মর্ঙলি, মণিপুরনা স্বর্গনি, থনবদ থনমনব থোক্কে।

চীংঙ্গুংগী লোকচপ্তু মুমিংকী শাংথ লেংথ হাইথরকপ সনা মঙাল উরগা, অতিয়াদগী সনা ঈচেন্না তত্তনা লমদমসিদ চেজ্বরি নিংই। শেংলব লৃরব হৈনম লৈনম চুম্নব, মু শিংয়েন্ লাংবনা (ওঙ্খিজেন্ন) মতম-লৈব খিবিক্ত থৌ‌ল তৌরব লমদমনি। পাস্থোইবীগী ম্নাত্তাভম, এস্লোটৈদগী ফজরব মণিপুর লমদমসিদ তেএরবা, চোংঙা, উচেক-লাংমৈদোং শঙ্গু শঙ্গু পাইব, চাউরব চীং-লোম্নব প গেংগী ঁউ কোন্দুনা হরিনোংনা‌ংনা তত্তনা দৈশকপা, খোইমু খোইরাব হঙৈংখোই মপৈ মপৈনা খো লব, শকনাইব-মাইদব উঁার কয়ানা মকা-লাম্ন নোকচরিব, তাম্না কৌবী চেক্লান তাম তাম খোংহুনা তাম্নব তাংলহ মৈত্রবাকনি ফোংদোকচব তেঁনা পাস্বীনা তেঁন-ফজব উত্তুমম্মু মগুণ লৈজদব উংপদ তপ্ন হুস্ব মালংবনা, নাউথেমবিবদ, হয়াওজহুমা জগোই শাবহু উবদ মকমসিবু স্বর্গ কৌরগা করম্ব মকমবু স্বর্গ কৌগদগে খলই।

পাখং অনিনা লাকপদা অরাংব চীংদোন্দ, করি কয়িঙুস্বদ চীংবুবোইশিং ময়ুম্না চে ম্লপ চো‌লপ্, খুল অমদগী খুল অমা তাম্না চংনব লম্বী তুখুল মচচা ২ লৈব উরগা, মীওইবনা করম তৌনা লম্বীশিং হু পুথোক্তুনা মহৈ মহৈ উম্নব তৌরম লিবনো খনবদ অঙকপা পোকখি। মখোয়না লাকপদ খৌবুম তম্বাক থেংনখি। তম্বাকসি পিক্লব লৈতেম মাম্নব পিক্লব মণিপুর মচচা অমনি। মণিপুরগী চীংগী লৈবাকসিগী অঙকপদি মী অহুনা চী দোন অ‌দ হেক লেপ্তুনা মাইকৈ মরিমক্ত য়েংখীবদ, মহাক্ত লেপলীব মক হুনা থম্বালগী খংজেংকুম উব, অকোয়বদ

কে য়শিন্মুনা লৈব তুমখংপা চী দোন মরোল মরোলনা থগাল লৈনাগুম উই। চৌংগী লমদম চংলগা মণিপুরসি নিলপদ্ম ময়াম শাংপ লৈবাকনি খল্লই। খোবুম ল'ম্লগা ওইনামনুং চীং চংলকপদ হঙোইপাং কৌব ঈশিং তুংব হঙোই য়াম লৈব খোংবানগুম অমা থেংনখি। মকমতুদ হঙোই য়ামু লৈরবস্তু কদৌনুংদস্তু খোংদে, চীংবুরোইশিংনা হায়রৈ, মহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা অহিং অমা লেকলমই। হঙোইশিংনা খোংবদ, নিংথৌরেনগী তুষা কায়খি। নিংথৌরেনা হঙোইশিবু নুমিৎ অতুদগী খোংদনব য়াথং পিখি, নুমিৎ অতুদগী হৌজিক ফাওব মকমসিদা হংঙোই অমতা খোংদে।

মখোয়অনি চীংনুং লাম্লগা জিরিবাম থুংখে। জিরিতুরেলনা য়েংলোইনমা মণিপুর চীংদগী চেঙ্গকুপা বরাক তুরেন্দ তিলই। নাগেশ্বর, চিনিচম্পানচিংব লৈরাং কয়ানা তত্তনা শাংপদগী মকমসিগী নুংশিংনা লৈনমশিংদু পুহুনা লাক্লগা লংখৈ চংপশিংবু ঈংহুনব লাক্লরি, মহৌশা লৈমগী খোংদাভমনি। মৈতৈ, বাঙ্গালী, পাঙল, কবুই, খোংজাই, মিকির, পাটনী খাসিনচিংব জাত কয়াগী মীনা জিরিগী আকাশ চুপ্পব, হনুরব উ কয়াগী মথাদা থৈবোং হৈনৌ পুংদোনগী হাউরব উহৈ চাহুনা নুংঙাইনা পাল্লি। অহানব থেনব জিরিগী খুনগী মমিং শামু পুনবী কৌই। চীংনুদগী ল'কপা মীশিংনা তম্বাকসি য়েৌবদা মণিপুর তম্বাক নিংশি হনব খুননি।

ম'খোয়না শামু পুনবী য়োবদ মুংঙাইবদগী, কোইরেং য়েংলকপদ নুচা অমনা নাকলদ সনাবুল য়েপ্তনা পুরগ, নৌনা লাকপা পাখংশিংবু মিংচিনা হায়কেং য়েংলম্নগা জিরিত্তুরেলদ ঈশিং শোকপা কুমধখি। লৈশাবীশিবু উবদ পাখং অমিনা, মাবু য়েংমিংবদগী হিখেল তাম চংলমই। শনৌনা য়েংশিন্নদব মিংয়েংনা পাখংশিংবু হাইকেং য়েংলগা, ঈশি, পুল থুনা থল-হনগদবদ, মাহু করগা পাখংশিংগী মাংদ, কবম চংকদগে থলহুনা তপ্ন তপ্ন ইপাল হাইদোক্তুনা ইমু ময়েল শংলক।

মমৈথংদ সনাবুলহুদ অকব ঈশিং শোক্রগা, চংপা ঈকাইহুনা লৈরাইদ পুলহু থম্নগা, মখোং মখুং হামজিন্নহুনা মতম খর লেন্রমই। পাখশিনা মাবু য়েহুনতা লৈব উরবী নুচানা কোক্নংদ, মখোয়না হংলগা করি খুমগদগে খনা খমা তের্বানদ কারকই। মহাক্ন ফিদোমদি চিংখহুনা, খদৈ মচা অমনা মথবানী ঈকায়ব ঙাক্তুনা লাকপা উরব নিথেজাওনা মথরাই শেক্ল রাবহুনা কালদ হংলকই "ইতও, লৈশাবীসি খোমদা থুংলমাগ্রে, ফি য়েংলি? কালানা নোক্লহুনা খুমই "ওঙিত। মখায়গী চংনবীনি, খবাকয়েংনি, পোম্বগী ফি য়েংপ নও। তে বান চিখংপক্কি

নিংথেম্না য়ায় উংশিত্তনা নুপামচাশিদ লমহুগী মমিং হংলকওদ, নুচশিনা, য়াম্ন নেল্লুক্ল লম মমিং হ মরম্নগা চংখি। ফিজেংতি মতাম তৌবগা মৈত নুপাগী ফজব মতৌদি কায়দব উবদ, ঈকায়রব নিংথেম্না মী উংশিত্তবগী অমুক হন্ন ঊক য়ব নখি। ফিজেংনা চংনেদে, মশক ফজহুনসু মরমচং

ফজত্রবদি কায়দে, তয়ালনা রারক্ত ঙানবগুম্নি। নুজাগী অথুম্ব রা'হনা মাগী থমে'ঈ সুক্কংখি; অথুম্ব রাহৈগী মঙুগবু করি হায়সিগে মমানা মচ্চাবু রানা থবক শিজিন্নরগা মচ্চাহুবু রারৈ-নিতা হায়বদ মচাগী অরাব কোকই। মনাইনা রান্না পোৎলুম্ব পুরক্লগা, মপুনা করিগী অহুক লুম্ন পুরকপনো হায়বদ, রারব মনাইহু পোৎথারি। অথুম্ব রাসি মীদি লায়রহুনা লমলকী খ্বা ফাওবস্থ শুক্কংলিবনি। অথুম্ব রা ঙাকস্থ চৎনদে, অথুম্ব থম্মোঈস্থ অরুবনি, পুকচেন্ন মোৎলবদি 'ইবুঙো, ইবেম্ম' হায়রুবদ খৎনরি।

নুজাগী ফজব পুকচেন, অথুম্ব রাহৈ তাবদগী, পাখং অনিনা লৈশাবীহুবু উবদ থাইনগী লাইশিংস্থী ফিজেৎকা লৈশাবীহুগী ফিজেৎকা পান্দম্নখি। জিরিবাংগী নুপীগী ফিজেৎ উবদ, কাল'না আধুনিক মণিপুর সভ্যতাদি, মকমহুদ খর রাংল গত্রা চিংনখি। নুজানা নুশিবদগী পজব থেংথাংল মক লুক্কা মযুম তাগ্র চংখিব উরগা পাখং অনিসি মতুং ইহুকলে। লমথাংদ মৌ অমগা কমজাইনবদা, নূচাসিনা, মতুংলোমদ হন্না য়েংহুনা রা ঙাংলগা খুমলকপা রাহৈ ঙাইবগী অহাংব মত হুদ পাখংশিবু য়েংনবগী খুদোংচাব থিখি। হাক্কী নিংথিব মইথোংদ, মরম চাদনা মোমে ন-মীনোক অমস্থ উৎখি, মাহু মাগী খুংসেম নৎলমদে,

অমস্থ উৎখি, মাহু মাগী খুংসেম নৎলমদে. থমোইদগী খোংদোই ঙনখিব নুংশিব মালংবনা হুম্নদগী থোকখিবনি।

মতৌসি উবদ তুংইন্নবা লাক্লিব কালান্না হায়রকই "ঝিরিগী শক্তি অমোম অমা, ঙসি নুংশি তেন পাল্লে, কনা খুকাপ হৈবগী তেননো?"

মৌহ্না মখোয়গী মনাক্ত লাকলগা নোক্তুনা হায়রকই "ঈবুংঙো-খোই, নোংনা লাক্লিমাংে, তুং-ইনবিয়ু, নিংব থয়ুম চল্লোইদা।"
নিংথেম্না হংলকই "ই তমা ইরেম্মাশিবু ময়ুম পান্দ্রিবর ?" "পান্দ্রি" হায়রগা মৌহ্না নোকখি। কালানা ফাক ফাক নোক্তুনা হায়রকই "নাইথিবগা মশথিবগা থেংনহুনা রারিংনে হায়বহুরা তৌরিবসিবো রা হসিদগী অছন্দুক মকা লায় নোকমিন্নখি।

---

(২৩)

মৈহৌরোল ংমাংদৗ মহৌশাগী ফজবদ মড়াং কায়রবা মৈতৈ মপুং য়াইনি। অসিগুম্ব মৈত্রবাবী ময়াইদ চক্সীং কৌবা লমদম্না, সনালুপা দলালনচিংব ফিজোন য়াংদনা লাইরবগী মমোংা অঙৌংব শকফমতনা পোকচৈদগী কোন্নরকপা ফজবনা ফজবগুম্ তপ্ন তুম্ব মালংবনা তুম্বদ ঈথক-ঈপোম নাইরব অশংব ফৌনাগী ফিজোন থোন্দুনা ঈরিল য়ুম্ফাল তুরেলগী তিন্নতুমদ হৌখিব রাথল কয়াগী চিন্তানা ময়াং কংবদগী, মচেম ইবেম্ম লাংথবানগা ফমিন্নহুনা নিংতিগী নোংঙানবদ লাইঙ্গ-লিক্লা পি শিঙ্করি।

মতম অমদ নিংথৌরেন কয়াগী য়াখোক লমদম ওইরগনি। গম্ভীর, নরসিংহমচিংব নিংথৌ কয়ানা মাহাক্তী ঈংলব মশাইকোন্দ, নিংথৌগী অকুব থবক-থানা লোইরগা, অঙৌংব তুংশিং লালস্তমনি।

চঙীং হায়বসিগী ময়াইমক চাঃ শোব চীং মচা অমা লৈগ-চীংসিগী মমিংদগী লমদমসিগী মমিং চঙীং কৌখি। চীং মচ্চাসিনা লমদমসিগী ময়াইদ তুলসিবুংগী পাংখক্‌ম্‌ তুম্বকনা লৈ। মাগী মতোন্দ সনা খোংনাং পাম্বী অমা হৌই। উখোং অহুম পুরৈরোম্বগী খুভম লৈ। চীং মচ্চাসিগী মৈরম, পাংবদ শ্ৰী৺চিংখংে াম্ব নিংথৌরেঃ। তৌরম্ব, খম্বালনা মকা কলনা শাংলব পুখ্রি অচৌব খমা,—পুখ্রিসি অরা লানগাইরমদাইদ তৌরম্বনি পুখ্রিসি । মখা পাংবদ বাজীবোম কৌব হৈনৌবোন অমা লৈরি।

বাজীবোনসিগী মরমদ ৱারি খর লৈ। মাসিদ মুকুন্দদাস কৌব সিদ্ধ পুরুষ অমা লৈরমই। বাবাজীসিনা নিত্তিগী ভিক্ষাদগী হল্লকলগা ঙানচিংব পুখ্রিগীজীবসিংবু চেং-চাক পীজরমই। শরেং অচৌব অমদ কোরিয ন য়ানবিহুনা বাবাজীগী তৌব ঙম্ব উংশিখি। মতম অমদ মহারাজ ৺চন্দ্রকীর্ত্তিনা ববাজীসিগী তৌব ঙম্বগী ৱা তাহুনা, মকম ইখং খংহৌদনা লেংলক্ল। খনলোই-নাইরোই মী য়াংখৈ ছফ্‌বু ববাজীদ চাক পীজো হায়খি। বাবাজীনা মহাক্কী যুবি-খুজাইদগী থাংমচা অমনা কোত্তনা কোত্তনা পোং পৃয়মক লৌথোক্লগা নিংথৌগা মনাই-মষণগবু চাক পীজরমই। পুখ্রি অচৌবসিগী অরাং পাংবদ বৈষ্ণবী খোংনাংমখোং কৌবা মকম অমা লৈরি। মর্কমসিগী বৈষ্ণবী অমমা নিত্তিগী ৱাহৌ-রকপদ মখুং-মশা হুদোকপহ অঙা শিংদ উহনুনা লাইগী সেবা চংপবগী তৌবনি হায়না উংলমই। মকম অনিমক চঙীংদ লৈব মীশিংনা তীর্থস্তম খরৈ।

চঙীংগী চীংথ্রুম মচ্চাসিংগী অৱাং থংবগা মথা থংবগা চীংমাই অনিদ মথল মথা অয়াম্ব উপাল উরী হৌই। নোংপোক নোংচুপ থংব চীংমাই অনিদি নাপী অনেম্বনা কুংনা হৌহনা গালিচা থাবগুম নিংথি। চীংদোন্দগী য়েংলকপদ নাকলদ ছন্দোকখিত্রব থুলশিংগী উমংৱামং উবদ নিংথিরব হৈকোল লৈকোন্না চীংগী তম্বাক্ত চংজহনা লৈবগুনই। অথাপ্প মিংয়েংভমদ তাং-নখানচিংব পাংনা লৈতেম মান্নব লমদমগুম উহন্দুনা অয়েংবগী পুকনিং শুম্নাংলি।

নোংচুপ পাংবদ লৈতেম মানব লমদম মচচা থেল অমা লৈ। মাহুদা নুংথৌ অরংব মকুপ মকুপ্পা থাবলনা য়ৈবদ মশেক থোক্তুনা, চীংসিবু মশিগী চীংমি থন্নে। নোংমগী অহিং তাংলৌ থেলবদ খেলসিংগী মথক্ত, যোগীশী অমনা ফম্নগা মহৌশাগী ক্রুজব য়েংলমই। মতমহুদদি তরেং নিপালনি পানবগী থানা নোংচুপ অতিয়াদ লৈহনা, চীংগী নোংচুপ পাংবদ শাংথনা ছন্দোকখিত্রব লৌবুক লমহাংদ, মাগী থবল লৈরাং চাইথহন্না যোগীদুগী পুকনিং শুম্নংকদ্রবগী হোংনরি। চীংগী উমং মরক্ত অহিং চেকলা মকুনা মুংশিরব খোঞ্জেলনা কু-কু খোংলি। তপ্প কুম্ব মালংবনা উমদ উনাদ য়ৈবদ, পাংমেলগী মরুপ খিবিক্রু জাল নাইনা জগোই শারমই। খুলক্তী মী পুম্নমক ভয় ভুমন্নে, মতমহুদ কাওজেং হারৌ হংজোইমচিংবনা খোঞ্জেল অমতা গুইনা খোংহুনা নিনিং লাউব মখোল খোকহল্লগা চীংথক্ত ফমলিব লাইনিংবসিবু লাইবু নিংশিংহল্লমই।

অহাংব চীংদোলগী থেলদ ফমলিব যোগীনা মথন্তগী মশাবু মথন্তনা য়েংলগা, মশা নৈরি হায়বহু চিংমহুনা মাঃহনা অমুক য়েংখি, অহুগা মহৌশা লৈমবু অমুকন্থু মাঁঃহনা য়েংখি। অহিংদো অস্থুম হৌখিবা ফমা থেংজিন্নকলে। মতমহুদ অরাংথংবদ হৌরিব উপাল রাপাল মরক্তগী মোংলব ফিজেংমা লৈতেংলবী, মশম-মমা ফারবী নূচা অমা চীংদোন্দ কাররুগা পুরৈর হ্নগী থে ংমাং-মথোংদ তুমিন্না ফমহুনা লৈরমই। থেংলব অহিংহুদ নূচাহুবু কনাগুম্বনা উরবদি পুরৈলোম্বগী লাইরেম্বীনি থন্দুনা কিনরমগনি।

থোকলিব থ,জনা অতিয়া স্বম্মাংদা ফৌরিব অঙৌব নোংলুম মরক্ত কেকু ফোংফোং শান্নহুনা মম মা মচ্চা লণ্ডনগুম তাইবংবু লণ্ডনরি মতমহুদ মহৌশা লৈমনা অপাব লৈচিন ইমফি থোংহুনা, মতে ইবুঙোনা গুলামচু ফৈজোম থোনববু লেংলক্কনি থন্দুনা শেম-সাব হৌরকলে। অসিগুম্ব মতমসিদ মশম-মনা ফারবী নূচাহুনা উনাথক্ত থমলম্বা লৈ পরেং অমা লৌখংলহুনা, খুদাংদ পিভম তৈনা. মহাক্ক পুবকপা কনাগুম্ব অমগী তসবিরবু থো নাংদ গুাহুনা থম্লগা, লৈ পরেংহু হুকলমই। অমুকন্থু মহাক্ক ফিজিদগী লৈ খর লৌথোক্লগা পরেং লেংহুনা তসবীরহুগী মথাদ কংলি। তসবীরহবু মমি মমিব থাবলদ মুন্না য়েংলগা মপি শিল্পনা হায়রকই "মুংশিব! ঐগী সেবা মনিং থুংদব লৈরবস্থু রারৌগন্থু, তোঙ্কবীগীদি মংনা লংইনি, মংনা ইপুরোইবনি, মহাক্ক তাকপিরি মুপীগীদি মপুরোইবনা লোইরে। মপুরোইরমি হায়বগী মাগী লিপাবু মুপীগী মপুরোইব কৌই। ঐগী কুংনব রুবিস্থু লৈ-তবনা, মিংবী লাইজ কংচম্লি, অরোইব কংচবসি লৌরিউ।"

তাইবংপানসি পুমচিক চিকখ্রে, মুজাগী পি তৈথোকপগী মখোন মত্তনা মফমদু্দ করিগুম্ব মখোল তারমদে। মাগী অম্নাব উবদা কাওভেং হ'রোদনা কপ্পগী তেংবাংব মখোলশুদি, মরক মরক্ত বনাগুম্বনা তারঃগদ্দা? মানা মথুংনা তসবীরদু কোল্লগা খেংনাং নরান মোনা খাংলগা তুমথখি।

মোংচুপথংব চীংমাইদ ধ্যান তৌরিব যোগীনা ধ্যান কায়বদগী, চীংদোন্দা কারকই। চীংদোন্দ নূজাহুবু উবদ, কনাগুম্বী শুঙাওবী অমা খোংনাং মাখাংদ তুমলিবর থমবদগী, যোগীনা চংশিলক্লগা নূজাবু য়েংলমই। ওস্থোকপ শকওংদি, মাগী চেংলৌ উয়রদগী থংহৌদনা যোগী ী মতু চুংবনা মাবু হন্না হন্না মুন্না য়েংখি। তাগদোরব থ গী মঙান্না মুজাগী অচৌইব শমলাং-লক্ত লৈব, ঙোরব মাইথোংদ য়েবদ, হীরাগী খুদেপ মফম চাদনা, বনাগুম্ব অঙাংনা নাপী মরক্তা ছন্দোকপগুম উবদ, সাধুনা মোমোন নোক্ত্না তাইবংবানগী মপুবু থাগৎলি। সাধুনা অম্রুম য়েলকপদ নূজাহুগী শুনা থমজব তসবীরবু, মাগী মিংয়েংদ ত্থখি, তসবীরগী শকওংস্থু সাধুনা নিংখিনা থংলই। মানা নোংচুপলোমদা য়েংলগা মতোংদ খল্লকই "থাবুংদোন, নুংঙাইরব কন্নুংথক্ত তুম্বগী নুংঙাইবনা মিকপ থোক্ত্রব পাথং অমদ, মহাক্বী মংঙালগী মশেক্ল থুদোম্বী ওইনা থোংগী অহোবদা থিংজিল্লগা ত্থকপিরমউ, মাহাক্বী নুংশিরবী নূঢ়াদি লিক্লানা ফৈজুপ ওইরগা, মহাক্বী মূর্তিবু, মথুংনা কোন্দুনা তুমলি।" বাহৈদি খল্লুরগা সাধুসি মোমোন নোক্ত্না নূজাসিবু অমুক য়েংথরকই।

মতমসিদ নূজানা মাগী মমঙদ নু থিলদ অঙাংশিংনা মাথু অঙাওবীনি থন্দুনা লঙনব, মহাক্না উহৈ থাহ চাহনা উমং থাক্ষক লৈরগা মী উ.দনবগী লাক্লব পূম্নমক উবদগী হিক্র হিক্র কপ্প্লক মঙকাওনব থোক্লেনা হায়রকই "নু শিব! নংগী নুপি মৈচাক্না ঙাওরবীনি, মহাকী মাথমবু অহিংগী তঙল, নুংথিলগী চেকলা ওইনা লৈরি, ঐবু অঙাংশিনা অঙাওবিনী থন্দুনা লংমরি। ইবুঙো, .নংনদি ঐগী অরাবসি উবিরোই, নংবু উমগনি হায়বদি থাজদ্রে, অহুবু শিরগে থন্নকপদ শিরমদাইদ নখোং থুমাদনি উরগা থরাই থাগে নিবদগী, ঙসি ফাওব হিংগনি। নুংশিব নংগী মুজাগা নুংঙাইব থম্বালগী লৈয়াংগী মথাদ ঙাম্নু থংগোং ওইমিন্নহনা নু.শি ঈপ'ক্ত তাউহনা পানবিউ। লাইবকথীবী এদি মীনা চিংলুরবী, ওক্রবীশিংদ চন্নবনি থনবদগী, হন্নমক্ত য়েংবিদনা রা অমতা ফাওব ঙ'ংলমদনা নেংথক্নুনা চংথ্রবনি, ইরাইবকননি— নংনা মস্তে। মহাক্তি ঐগী নিংজঙম মপুন্নি, ঐগী লাইবক্লনি।"

যোগীনা মুজাগী মমঙগী চোইরোল লোমবসি পুকন্নিং চংনা তাব লাকমখি। মতমসিদ মকু অমমা সন্না থোংনাংদ তোংলগা মায় হৌনা পিউ পিউ হায়না খোংখি। উরক্তগী থৈরোই অমম্নু মী অন্নিহু উবদ ঙাইহাক লেপ্পুনা য়েংলম্নগা উ-রা পূম্নমক ইনোম নোম্নহনা চোংলগা চেমখি। লমহুই অমম্নু মথোয়গী মনাক্ত লাক্লগা, হৌনা খোংলকই। লমহুইনা মথোয়গী মনাক্ত নকশিল্লক্লগা অমুকম্নু হেন্না লাঙনা খোংব

তারগা সাধুনা থল্লকই "ঙসি মুজাবু ঠাকুরগী ঈশ্বরনা ঐবু থাবকপনি—তুমঙু ইবেম্ম, ঈশ্বরনা মংবু কনবিসন্নু।" মহাকবি স্বর্গগী নন্দন কাননগী পারিজাতকুম ঝি থিকী নূচাবি, মহাত্মা পিনা চোংলব মাইথেংবু থাগী মশেক্ক মানথোক্কপিব্রি, তপ্পচুপ মালংবনা হুবদ চোইনা তারব নশমদ লিক্লা মতুম পকপা মাহুদ থাগী মশেক্ক যৈব উরগা মণিমুক্তানা মংগী নশমদ থেংপগুম ঝিংথিব্রি, কমাগী মমোম ওইরিগব!"

নূচাসিগী ফজব শকফম য়েংলুরগা ভাইবং মপুবু নিংশিংলব যোগীনা একম মতমগী জ্ঞান মাংখিহ্ননা মাগী হৈনরব মধুযন্ত্র শাবহনা ইসৈ শকলকপি:—

"ইশৈ"*

কজেদা ইমা, মৈতৈ লৈমা
মাইকৈ সলাই খুদিংদ
মচা চানবী ওইনবা
মীরক তিমদবী ইমাব্রি।
অশংবা মণি চীংনা থল্‌ই
লুপাগী তারা মাল্লবা
তুরেল কোয়না চেল্লিবসিবু
করম্বা লৈবাক্ত লৈরিগবা
করম্বা লৈবাক্ত লৈরিগবা

* সৈরেংঙি ইং ১৯২৮ শুবদ ঐহাক্না লেংবা ইসৈনি। "মাইনা শেজাও" কৌব হাত্র লাইরবগী মতেং পাংমব মেজিকোয়ল হাবনা।

ডিব্রুগড়দা ক্সিংখংথিব সভা অংগ্না সকখি। ইসৈ অনি শ্রীযুক্ত সরোখাইবম্ ৺ললিতসিংবা এঁগোন্দা হায়রদুনা "অরেপ্প মরুপ্" লাইথককতা হাপথি, অহুমা মী থবলা শ্রীযুক্ত ৺ললিতনা লেংবদি নিংবৈ।

অনৌবা ফৌনা
অশংবা কিজিন্না
তপ্প হুম্ব মালংবনা
ঈথক হৌহনবগুম, তৌরিবাসিবু
করম্ব লৈপাক্ত লৈরিগবা
করম্ব লৈপাক্ত লৈরিগবা
পিক্তক লাক্তক অশংবা লমহাং
থৌরাই যাওনা কংচব লাইশং,
লিংজেল মাম্নবগী লাইব থাংপোকশং
করম্বা লৈপাক্ত লৈরিগবা।
করম্বা লৈপাক্ত লৈরিগবা॥
ওক্তশিংদ মচাশিংদ
উন উন ঙাংদনব
নংঙনা পুকচেল যুজবীবু
করম্বা লৈপাক্ত লৈরিগবা।
করম্বা লৈপাক্ত লৈরিগবা॥

সাধুগী ইচৈনা তুম্ব ক্লামরবী বৃকানা সাধুবু লাইরা-কীরা বন্দুনা চাইহক্রং মুন্না য়েংলমই; চাইহক য়েংলগা মমংদা

খম্ভুনা ভুমব অমুক হোংনখি, ভুম্বা মাত্রব নূজানা, মহাক্কী মুনা থমজরব তসবীরদি মথাদ কেৎলগা সাধুগী মনাক্ত চৎলকলে।

সাধুনা নূজাবু মনাক্ত উবদ, ইসৈ শকলম্ব লেপ্লগা হায়রকই "পলেম ! ভুম্ব কাররবরা ?"

নুজানা সাধুবু খুরুম্লগা হায়খি "তাইবংবানগী মপু ওইরব, পুরৈরোম্ব ইবুঙো, ঙসি মৎবু সংশংনা উজরে। চজীংগী চীংদ মংগী খোংদাকম্মি, ননাইবু খৌজানবিবদগী শকওং ওইনা উংপিম্মি, নিংব থুংব কুবিউ।"

মাবু চজীংগী পুরৈরোম্বনি খল্লগা নুজানা পুমেম্ব, হায়জব অরগা, পুকনিং লাংলব যোগীসি কুইনা লৈরবদি, তাইবংগী অৱা-অনা উরগনি খল্লগা থুনা চৎখোক্লকই। নূজাসিনা ভুমিম্না চৎখিবহ্ উরগা মাইংগহ্ ভম্না তাল্লক্না যোগীগী মমংদ থংলগা খুরমহুনা হায়রকই "হে ইবুঙো ! ননাইবু কৃপা তে বিয়ু, ঐগী লঙজব পুম্নমক মহাক্কী চরম্না ঙাকপিউ। নিজরোই নিংব থুংব, কুবিউ মহাক্ক ননাইবু চানবিব নংনা চাংব মীনা কনব কৈদ করি লৈখ্রবা।" সাধুনা মুংশি মৈনা চাক্লবী অঙাওবীনি নিংহুনা হায়ৱকই "ইমা, ননিং থুংব মতম লাক্লনি, নিংবু নিংলবদি নোংঙান্দব অহিং লৈতে, ঐ ঈশ্বর মত্তে সাধুগী ফিজেৎ শেৎপা তোল্লব মীনি।"

নুজানা হায়রকই "সাধুগী ফিজেৎ শেৎপা ! লাইবকথীবী কজীগী অচেৎ-অকোম য়েংব কনাগুম্ব অমা মত্তে, মহাক্ক ঐবু তোৌনম তৌবিগহ্ চানবিউ।" সাধুনা মোমোম তৌরগা থৈমোক্লনা

চংলকপদা নুজ.না হ য়রকই "ঈ .খৌরাংলবা ঐগী ছুরিসি নংগী থবাকী ঈ পিথক্লগা মনিং থুংহনগদবনি।" কাসিগা লোইননা নুজানা মাগী ছুরি অমা ফিরৈদগী লৌখোক্লুনা মাধুগী মথবাক তম্ন কম্না থিনখি।

---

(২৪)

এশিয়াগী মনুংদ কোরৌরেনগী অহানব সনা মিংয়েং তাত্তম অ রা লৈবাক্তি। থাইনৈণ্ডদগী ব্রহ্মাদেশগী অচৌব নিংথৌশিংনা আভা নত্রগা অ রাদ কোন্নং শারমই, মরমত্নদগী ব্রহ্মাদেশবু মৈতনা আরা লৈবাক কৌখি। মৈ.তনা আরা লৈবাক্ত চংলগা, আরাগী মীবু উবদ .খোয়গা অক্কানি থ.ম্র। আরাগী রাজুন সহরগী লমজাওদ মু শিং লাংব চংপা অঙম-অথৌ, অচৌ অপিশক্ল ঙসি লুমিত্তা মৈ'ত অমগী ফাঁসি তৌনবগী মরমদ রারি শারগা নোংমত্নগী রাঙাং ঙইনরমই।

ময়ামগী রারিনভম ওইরম্বদি চাউবীপা ইবুংঙোহনবুনি। মাগী ফাঁসি শগাহি কাগদব মতম ঙাইবদগী রাজুনগী জেলদা লৈরকপদ, ব্রহ্ম দেশবু মণ্ডগী লৈবাক্লুম থোকখি। মাহাক্ল হি বগী শিবগী রাখন থৈম থৈনমা খল্লগা, মফম থংদনা লেল্লকই। থংনদব জেলগী মনুংদ নোংঙ.নবদ মাগা কুইন শকথংনরক্লব সেন্দাংসিংনা চিজো-চিজো খোংব তারগা ময়ুমগী চেক্লাশিংবু নিংশিংত্নমা কপখি। করিগুম্ব মতমদ মশম-মনা ইকা-ফ.রব

মাগী মকোক্তু মখুংনা মাল্লহুনা পিগদৌরবশি খন্নুনা অকিব কংনা লোকখি। করিঙ্গম হুমিংতনা কাদোক্কী য়োংকী শরংগ কয়া মুক্তুনা পায়রগা, শাউবদগী মমিত্তগী মপি মতুম মতুম পিকখি।

হুমিং তারক্লবদ, জেলগী নাকন্দ হৌব পাম্বেলশিংবু কোল্লগা হরিনোংনাংনা বিশ্ব মন্দিরদ যগগা-ইসৈ শকপা তারগা মখোলছু তাব মাইগৈদ মাহাক্ত য়েংলগী হায়রকই "ইপাগী ইবেম্ম চাউবী! কীনা হায়রৈ, মমা পোত্তবীনা খৌবৈনা থাবদ পিরগা, মচাশিংনা হরিনোংমাং ওলই, নংস্থ হরিনোংমাং ওন্নুনা ইপাবু কৌরিবর? নহাকপু নমাম। পিশক পিক্ল হন্দোক্লম্লবদ, ইপানা ইথাদ কোন্নুনা য়োকখিবনি; নংবু খিব লাকপদ লাইবকথীব নপাদি ওসি অমগী মাইখোং কুম দৌরে। নংনা পিশক পিক্লিঙৈদ, খোম লামহুনা কপ্পা উরগা ইপানা নমাবু কৌহুনা কপখিব, মতমহুম নহাক্কী নৌরব পিক্লব নখুংনা ইপগী ইয়াদা নান্নুনা, নংনা কপ্পা তোক্লগা ঐঙোন্দ মুন্না য়েংখিব ওসিদি ইপানা কপ্পদ নহাক চংলক্তুনা য়েংলরোইদ্রা, নৈরব নখুংনা ইপাবু নাল্লরোইদ্রা? নমা পোত্তবী চম্মুনা ইচ্চাবু থাবৈনা হাংতোকলগা, মাংখ্রে হায়রুম্মা কপশিন্নবনি, নংনা হরিনোংনাং ওহগা, ওসি জেলগী অকোয়বদ পাইরহুনা খোংলরিবনি, ইপাগী ইবেম্মা অমুক্ত খোংলরাও! নংগী মগক্তু উরগা ইপাবু কাঁশি তৈরবস্থ তৌথুসহু, হুংশিদ চাউবী! ইচ্চাবু উররোইদকো॥"

মতমহুদা ঋুমিং তায়মদাইগী কুরাক অমলা অয়াক অরাক্লনা খে ংলগা মাগী শরং মথক্ত লান্দুনা পাইখি। কুরাক্কী মখোল তারগা মচ্চাগী পাক্তি হায়রবনি খন্দুনা চেক্লা তমুবীবু নেংহনা অমুকক্তু কপখি। চাউবীপাসি ফাঁশিদ শিবগী খনবগা, মচ্চাক্লপী মুংশিব অয়াব রাখল খনবগা লো ম লোংমগী ভাওব হেন্নগংখি।

মহাক্কী অয়াবগী রারি নত্তনা রাক্লুমগী মীশিংনা অক্তৈ অমা রারিনরমদে। মহৌশানা লংভৈদ চংখোকপা মৈতৈ খন্নলা পুকচেল য়াম্ন ফত্তবা মরমদগী, ত্রঙ্কাদা লৈবা মৈত্তৈনক্তু মাগী-দমক করি অমতা হোংনবিখিদে।

মাহাক্কী পাম্বে লৈতবদগী শিংদৌব্লিব পাউসি মথং মথং র রি সান্নরকপদগী মণিপুরদগী লৌনা লাকপা পাখং অমগী মমাকো দ চংল ই। পাখংসি ঐখোয়গা হায় উংখুব মিংথেম-জাওগা লোয়নখিবা, লৈবাক কোয়বা চংলিব কালাসিংহনি। নিংথেমজাওদি ঝিরিবামদা লুহোংহনা লৈহৌরে, মহাক্ল, কলি-কতাদগী জাহ জ তোংলগা রাক্লুনদ থুংখি।

কলিকতাদগী রাক্লুন য়োব ফাওবদ লৈরিব ভারত মহা-সাগরগী মতেক অসিবু বঙ্গ উপসাগর কৌই। কলিকতাদগী রাক্লুন চংপন বঙ্গোপসাগর লান্দুনা চংই। সমুদ্রসিগী থোইদোকপা অমদি, হুগলি তুরেল নত্রগা ভাগিরথী তুরেলনা মাশিংগী মিশ্মানব লাইজ মরক্ত অক্তৌব ইরম অমা ওইনা চেক্লকলগা, সমুদ্রগী করিগুম্ব মকম অমদ শ্লুপই। লোংমা ফাজা জাহাজ তোংবদ গঙ্গাগী অচৌব ঈচেল্লু সমুদ্রগী নিশ্মানব লাইকদ পরেং-

শানা চেম্বহনা অঙৌব খুদৈ ফিশাংবু অশংব মাপী মথক্ত ফোবগুম্না উই। গঙ্গাগী মতৌসি উবদগী ভগিরথনা সগর নিংথৌগী মচাশিংবু লানবিনব পাতাল তাম্ন গঙ্গাবু পুথনা চংখিবগী ম্বারিহ থোকখিমাম্নে নিংই। কালা সিংহনা সমুদ্রগী দৃশ্যহ য়েংনিংহনা ম্বাঙুন তাম্ন চংলগা সহরদ থুংব নুমিং খরগী মতুদ ইবুংঙোহনগী ম্বারিসি তাখি।

মাহাক্ন অহানবদদি ইবুংঙোহননি হায়ব খংলমদে। মৈত্তে অমনা শিগদোরে হায়বগী পাউ তাহনা হংলকপদ, শিংদোম্নিব নিপাসিগী মমিং ইবুংঙোহন কৌই হায়না খংহনা, মাগা উন্নব জেলগী মকোক হৈবশিংদ দরখাস্ত থাহনা উম্নগে লাকনখি। লাইগী নোংদমদগী য়াবিবক্তুনা মানা জেল মহুংদ ইবুংঙোহনগা উম্নখি। কালাসি পূর্কচেল চাউবা লইথক হৈবা পাখংনি, মাহাক্ন য়াম্ন কম্না হোংনহনা জেল আপিল তৌবহ্গী মথক্ত, মাহাক্নস্থ আপিল অমুক তৌহনা ইবুংঙোহনগী মথম্বাই কললে। চাউবীপা ইবুংঙোহনগা কালাসিংহগা হাংদগী লৈকাই অমতদ লৈমিন্নরকপ মী ঙাক্তনি।

মরৈকাই মচানা লইথক হৈরগা কাম্নব খংলব মথম্বাই হিংলব ইবুংঙোহন্না, কালাসিংহবু থম্বাই-হকচাং তিংনা লুনা তৌজহনা, মবিঙানি অমুক হম্না লৈবাক কোয়ব চংখে। মাহাক্না কালাসিংহদগী চাউবীগী মরমদ করিগুম্ব পাউ অংভা ফংখিদে।

(২৫)

মচ্চা নৈবা পাখ্রাদ, অহুগা নুপীলোনব মিপাদ নুপীনা ময়ুম পামগদবগী শকুকপুদি মপুমশি-চুপ্প, য়ুম পান্দবনা মখৈ। নুপীনা হায়রগী নুপীগী মচাবু ফনা লুনা তৌরবস্ক্, লৈকাইগী মীনা মাবু থীনা ঙাংনবদি থক তোক্কে. অহুদি লায়রক্‌না মাবু লৌরিবা নিপ নত্তু, চেকশিংকপদা, মাগী হায়রগী নুপীবু নিংশিংদব ঙমদে; কোয়া লাকপা নুপীনা ফনা ফনা লুনা তৌরবস্ক্, মিপাহুনা হায়রগী নুপীবু ফংদয়াগ্নে থমৈ।

চাউবীগী মমানা, চাউব-চাউবীবু ছন্দোক্ত্‌না সংসার কোনদগী থুপখি; শিরমদাইদ, মুংঙমব অবাব থৌদোক অমা তৌখি; অনাবগী মৈচাক্লা চাক্ত্‌না হাইরক্লবদ, মহাক শিরগানি চিংনহুনা মাগী মচ্চা চাউব. চহি মরি মঙাদ ঙায়রিবসিনা নুংশুক-নুংজাননা মঙক্তা থৃ দ মতেক অমা য়েংলগা. মাবু য়েংহুনা ফম্বা উখি। মানা মচাবু মুন্না য়েংলগা, মখুৎ পায়হুনা চিং-শিল্লগা মমিত্তা লাইজ-ঈরা হোনা হায়রকই "ইমাগী পারিহন, ইমানা রারিবসিদি মংদি খংলিরোই, অনাবগী মৈচাক্ল চাকপগী মথক্ত লাইরবী ঐনা পিক্লবা ইচা অমি ছন্দোক্ত্‌না শিগদৌ-রিবসিনা অমুক হেন্না চাকখে। মখোয় অমিবু ইমানা মপোকসিদ লাংগোলবা ঙমগনি নিংঙ্গে, ইমানা শিরবদ ইচাশিংদি লমজা অতাক্লরগনিকো, ইমাগী ইবুঙো! অমুক্ত চুপকে চাশিল্লকউ।" রারবী মমানা মচ্চা নিপাহবু কোন্দুনা চুপখি, চাউবনা চায়বদি

খংব্রগা মমাগী অরাবসি উত্না মমাগী কপ্পা মতেং পাংবগুম্ মপি তরং তরং চেম্না কপথি। শিগদৌরিবা মমান্না কপ্পিবা মচাবু ঙাইহাক্তং মেংলগা সোরমপী হোন্দুনা, মপুরোইববু কৌরগা হায়রকই "ইবুঙো, রাখেদ। অঙাংশিংসে ঐনা শিথগা লুনা পৌবিউকো, তাইবংবান্দ মমা নৈতবা মচা হায়বসি তোমথবনি।" হায়রগা মপী ঊরা চেল্লবী চাউবী মমানা মপুরোইবগী মখুত্তা কয়া পায়রগা অরাব খাংলমই। ইবুঙোহন্না মাগী নুপীগী পুকনিং হকচাং অনিমক্কী অরাবসি উরগা খাংব ঙমখিদ্রহুনা লুংশিরবী চায়থোইবী ঈ মপী হৈতথোকপির। শিরোই রাকগনু হায়না থেমজিনখি। মহাক্না নুপীগী মকোক্ত মাগী কৈবোমদ মোন খাংহল্লগা, মমিত্তা মপী তরং তর চেন্দুনা অনাবীবু শিংশিং রানবিরকই। মপুরোইবগী কৈবাক্ত মোন খাংলিবী লুজানা রাখলগী পাজলনা ঙাইহাক পেংথারই, ঙাইহাক্তং পেংথারগা অমাব খাংব রাক্রহুনা মপুরোইবগী খোংবী চুপ্পগা হায়খি "লুংশিবা! ঐনা মিং উইসিনখ্রবদ, এঙ্গোক্ত রাহেব তারেদো, অঙাংশিক অনিমা কনাগা লৈহৌগবা, ঐ হিংলরোই! রাব মৈচাক রায় হেল্লকলে, মপুরোইবদি লাইনি হায়মৈ ইবুঙো, ঐনা লানখিবা পূমমক নংনা ঙাকপিউ, মপোকসিদ নংগী সেবা মতোল লোমদমত্রে রারোগনু।"

ইবুংঙোহনসি মতোমতগী মশাহু কন্নোয়দ লৈবগে খংখিদে; কপ্প কপ্পহুনা লুজাবু লাংগা হায়রকই "লুংশিবী, ঐনা লিপানি হায়হুনা নংগী অবাবসি ঙাইহক্তং শিনবা ঙমবদি কর্গদবনি,

আঃ! ঐসে নিপাগি হায়রগদা মঙাইয়ে, নংনা ঐঙোন্দ লাম-খিবা লৈতে, ঐনা নংগী হোংনরিবসি নমিং থুংদ্রে য়ারোগনু, নোংমতংবু লাইরবদগী মথি অকনা অম কাওবা থোমব ঙমখিত্রি, থুংশিবী! য়ামা য়ামা পুনসি লৈমমিয়ৎকপনি য়ারোগনু, শাঙগনু, থুনমক নহাক করগনি।"

ইবুঙো হনগী মনঙ্গলদা চাউবীবু পোরমই। পিক্রিবী চাউবীনা মমা শিগদোরিনসি থংদবদগী মপাগী মনঙ্গলদ অয়া-য়া তৌহুনা শাংরি, অদুগা মবুং চাউববু য়েংলগা মাহোংদ মমাই লোঙ্কৎনা কেকু লোংপী শাম্রবগা ঠিক ঠিক নোক্লমই। মবুংসিনা মমাগী অবস্থাদি নিংথিনা থংত্রবন্থু মচন্দুদা মমিং শুকতোক্ত্না মমা শিগদোরে নোকনু হায়রমই। মবুংগী য়াঁহ; মমিং শুকতোকতুনা উরগা, থাদবী চাউবীনা খেক-খেক নোকলি। অঙাংনা নোকলকপা ঙারবী চাউবী মমানা, শিরঃদাইদ মচ্চাবু মখোম অমুক্তং ইনগে হায়রকই। ইবুংঙোহন্না চাউবীবু থারগা মমাগী মমাক্ত হিপ-হনগে তৌবদ চাউবীনা হিপউ যাখিদে। কমলগ মচ্চা চাউবন্থু হোৗগংখিহুনা মপাগী মনমগন্দ ঙারগা ঙ্ঘইরমই। ইবুঙোহন্না মতমসিদ মাগী মুপাগী কিবম ওনব উরগা অঙাং অমিদো কমুদ শুমগদবগী লাক্লখি। অঙাং অনি তুমখে, অহিং ওই-রক্ত্না কমা খেথে, লৈকাইগী কনাগুম্বা মী অমা লাক্ত্না মখোয়গী অবাবসি য়েংলখিদে।

পূকচপ্তুনা মী য়ামা শি-নবা মরম্মা মী অমতা মপাল খোক্লখিদে। কনাগুম্বগী ইমুংদা ইমুং মুংনা শিরমই। কৈথেলসি

নুংথিলদ কাওবা মী কাদবদগী হূই হৌদোংগী শাবাক শা-ভম ৎইখি। অহিংদ মকুনা পিউ পিউ খোংলমই, নুংথিন্দ কূবাক্ক খাক্ক খাক্ক খোংখি, মী-পোগী মখোন তাদব মতমনি।

মচ্চা শুম্লগা ইবুংঙোহন্না, মাগী নুপীগী মনাক্ত চংলকপদ, নুপীসিনা মঙৈ ফাইখিদুনা নিংনিং লাউব খোঞ্জেল হায়খি—"ওঙ্খোক্ক চাকখে মাইকৈ পুম্ব মৈ চাক্লকলে! নুংশিব, ঈশিং থজিক্ত থকে।" ইবুঙোহন্না ঈশিং থরদং ইন্নমই, অনাবনা ওক ওক লাউনা ওথোকখি। মুজাগী অনাবসি য়েংব ঙমদ্রব ইবুংঙোহন্না অনাবগী থজিল পায়দুনা ওবা থিংলমই ইবুংঙোহন্না মতুংদদি ঈশিং পীথকখিদ্রে। পুকচংপনা নবসি ঈশিং থর থর চুপ্পুনা পীথকপা য়াম্ম কৈ, থুনা থকচিল্লগা ওদুনা থর রাই। অহ্ ওইরবস্থ অনাবগী মহুদি ঈশিংনা চামথেকই, ভজনা ঈশিং পীথকপ কৈ।

ইবুংঙোহন্না ঈশিং ইপি পিথক্তবদ, মশা কংশিনবী চাউবী-মমানা মচ্চব অহিংদো মতম চারে থল্লবর, মপুবোইবদু ঙাইহাক য়েংলগা, শদৌ হোন্নদুনা ওইথংব-নমিত্তা শিন্নদাইগী পি শিন্থরম্লগা মপোক্তগীদমক হৌগংপ মাইদব ভুম্বা মতম ভুমখি। য়াবদগী নুংবংননা ইবুংঙোহন্না, নুংশিবীগী সোর লেপখিবদ অকংব মীনোক নোক্লগা হায়রকই "নুংশিবী নুংশিবী, ঐবু হন্দোক্তনা চংলবর! চংলো ঐস্থ নোংমদি নতুং ইল্লকনি।" অশিবসি পুখোকপিনবা মী কনাস্থ লৈরমদে, ইবুংঙোহন্না অশিবহু পমলগা ছুলসিবুং মনাক্ত পুখোকলমই; অহ্গা ঈশ্বরগী মমিং সোল্লগা ফক অমগী মথক্ত হিপহল্লমই।

মমগুদ মমানা চংখিবসি উরবর করিনো অতাং অনিছুঙ্ঘ খংকপ কপখি। ইবুংঙোহন্না তুংগি চংখ্রগা, ঊকুমবগা মচা অনিবু লে থোক্লগা অহিংদো মপান্দ মাঙ্গোন্দ লেমখি। ইবুংঙোহনগী মনিঙ্গী চেক্কব পিগী ঊরাহ্ খওপা নাইখিদে। পিক্লব অতাং অনিস্থ মপাবু য়েংলগা মমা কৌহুনা কপখি।

ইবুংঙোহন্না পাখ্রা ওইহুনা, অবাব অকক্ক চানিঙাই লৈতবা পুনসি পুহুনা চহি অমা লেপ্লকলে। তোলৈপা লৈকাইগী মচে মনেম খরগনা থৌরাং তৌহুনা ইবুংঙোহন্না চহি অমা অনিগী মতুংদ চমুবু লুহোংখি। ইমুংহুদ কপ্লগী মহুত্তা অনৌবা মৌ লাকপগী নোকপগী ঊথক হৌখি। মমা মশক খংজহৌত্রবী চাউবীমা চমুবু উবদ মমা লাকলে হায়না হরাওরমই। নোংমদি মহাক্না নুং চাউবদ, শিখিব মমাহ্ হল্লকলে হায়না পাউ তমংলই। চমুসি একাদশী চারা হেক্কবা লৈশাবী অচৌবনি। মৈতৈ লৈশাবীমা মযুম ন ইবা ফংলক্লবদ মতম অমদদি মহৌশানা একাদশী ব্রত তৌরমই। চমুসি মরাংকংবা, চুবা চঙ্গা খুবোম মখীবোং রা দবা, মপম ঙাংবী, কুচু কোলাওনবী নুপীনি; মাগীমক্কবু রাঘ্ন চৈগনবস্থ মবুক্তি কয়া লোম্নমদে।

মতম খর পোক্কব মচাশিং য়োক্লনা চমুনা ইবুংঙোহনগা লৈমিন্নরকই। মচানিপা চাউবহ্ চহি-খর লৈমিন্নরবা মতুংদ নোংমদি মচম অপিশক চাউবীদ তাক্লগা মকম খংদনা চংখি। চাউবানা মমা শিখিবগী অবাব কোক্লব সংসার খাদোক্লনা লখোইহুনা চংখিবনি; মাগী পুনসিদ মমাগী অরোইব বিদায়হ্

চাউব হেন্নকলগা মিংশিংব হেন্নক্তুনা তাইবংবানসি য়াম্ন সুংঙাইতবা মকম ওইখি। লম্বোইথবা মতুংদসু মখোয়না চাউববু ঙংবা ঙংখিদে। লৈকাইগী মীনা মতমহুদ চমুগী ময়মদ ফত্তবা য়াবি য়াম্ন শানখি, কনা গুম্ননদি মচীন খোক্ক মাবু থীনা হায়রমই। ঈচেগনবী চমুনা মখোয়হুগসু থংনখি।

চাউব লম্বোইখিবদগী কত্তব মিংচং চাউরবী চমু া লাইবক্তু চাউবীনা ইমৌ-নৌনা লৈশাবী কায়রুবদ মাংখিবহুনা মাগী য়েক্কব-সিংগী মকমদ য়াম্ন হেনা থীখি। চাইবীসু মা খে, মপুরোইবসু মাবুতাক্তনা মকং থংদনা মাংখে। চমুগী থখোয়হু অয়াব অচোম্ব সুংঙাইতবমা মোংচু থাদ চেঙুম সৌবঙুম শোরমই, অঁহুগী মথক্ত মীনা মুস্থুক মুস্থুক ঙাংনব তারগা, মহাক্না মীশিংহুবু সুংঙাইতহুনা প্রমাণ পাইদ ওইনা ঙাংলগা মচ্চা-মৌবাবু লাউনা লাউনা চৈখি।

চমুহু মীয়াংদ নোনবা হৈবী মংলমদ, কনাগুম্বনা মচ্চা-মৌবাগী য়াঁ হংলবদ, মহাক্না জং-জং ঙংহুনা মচ্চা-মৌবাহুবু মীয়াংদা থীনা থীনা ঙাংলমই। কনাগুম্বনা মাহুদ য়েংলবসু, মখোয়গী নখৌ-লৈবয় হায়না মীশিংহুগা থংনখি। মীশিংহুনা মাগী মতৌ কত্তব উহুনা থয় হেদোকলম্নগা, তুমিন্ন চংথ বসু মহাক্ক মথয়াই সুংঙাইতহুনা থংনবা চৈব হোখি। চমুসি চানিংঙাই লৈতবগী মথক্তা মচ্চা অশিংক অমা অমি য়োকপগী য়াবক্তুনা, হুই অঙাঙবীগী শান্নমঙুমখি। মামা অউ অউব মাঁদা থংনবকলে। মহাক্কী মচিং মঙোন নাংবহুদ কনানসু য়াবু লুপা তৌনয়মখে, চমু ঙবদা মীনা কি-তুম্বজমহকই॥

তাইবংপানসি মমৈথংদ মাঙোন্দদি লোং চুরমদাইগী য়াকথুবা ওমচাক্লবা থুংসাঙুম থোক্লকাদ। মচা অপিশকপিগী চানব লৈতবা, অমম্মোমদ মীমা থীমা ঙাংনবগী মথৱাই থুংঙাইত্রবী থুপীচু শিতিগী অম্লুম শোক্লবা হেক্রকলে। মহাক্কী অরাবমি য়েংবা ঙমদ্রহুনা, খোজাপগী মশক ওইরবী তোৌনা চা-ন থক্লবগী মরমদ মরক মরক্ত থম য়ে বিরমই। রায়বা মীগী মকমদমি থুংঙাই-য়াইফবা, ফজবমা খল্লবা সংসারসি ইওন ওনবমি। চঞ্চুনা মাবু মীনা মচা-মৌরা থাংবা ঙমদবী মচীনথীবীনি হারবমি লায়রহুনা উচেক রায়া, উপাল রাপালগী ফাংবা মাবু মাহুম হায়রে নিংলকই।

রাবনগী মশী শাল্লবা মথিংনা মাইগে মরিগক্ত য়েংথোক-থিবদ অচেক ং চকপা পুংমক ংসেম-মরা উথি। নোংদোম খেংলবা কৌত্রগী চীংদোন্দ লৈচীন লোংকাই মরক্তগী পতিয়াগী সংঙাম্রবা থবাথক্ত চাউবীগী চেংলৌনা মোনোম থোক্তনা লাক্লগা খঁমাং মাংখিবা, কন্নিগুম্বদা মরু লুকথহুনা মাগী ঙাংবা চৈবা তাবা কিন্তমহু মাগী রাথন্দ মহাক্ত উথি। চঞ্চুনা থিংয়েংপুমা চীংয়া তময়া অথাপ্পদ মুম্না মুন্না য়েংবা, চাউবী-চাউববু উবগুম ঙৌবা, মপূরোইবনা তুমিন্ন মরু লুকথহুনা মাগী চৈবা তাবা কিঁন্তম উঁরগা মথোয়হু চামমা মকমসিংহুন লৈরমান্নে থম্মুনা

কন্নিগুম্বা হুমিংতনা মপুক সেংলবা মীঙোন্দ বা অর্কনবা অমা কাওবা ঙাংথ্রবা, উম্নবা, অঙ্গংবগী থাকৈশেংবা চেংলৌ লৌরবা মপুরোইবগী মশক্তনা নঙ্গো মচা অমা পোকপা চাউবীবু

থিরিবনি হায়না মফম মফম খুদিংদ কোয়চং চংপত্থ মাগী য়াখলগী মিংনা উখি, মপুয়োইবনী মশক্তু উবগা লোয়মনা, পাখং অমগী ঈংলবা শকফয় মাগী চৈবা ঙাংবা ভুমিন্না তাবা মতৌ মিংশিং-লকপদ, মোংগী সক্ষ্যাদ থোকখিবা থৌদোক অমা লিংশিংখি। মোংম মুমিত্তা পাখং মচাহুনা মচন অপিশক চহি ৭।৮ গুরবী চাউবীগী মথুং পায়ংগা করি করিনো হায়রম্বই। মহাক্ত মিপামচাহুবু মাগী মরমদ মচমদ বা ঙাংলিবনি হায়না খন্দুন, তিনবু-লাইপুবা অঙাওবা মাত্রি হায়না থীনা চৈখি। মহাক্ত থীনা চৈবদ চাউবনা, মোমোম নোক্তুনা হায়খি "ইমা ইবেম্ম ইমাগী অরমদ ঐনা চাউবীদ করিন্দু হায়দে. চৈগে হায়রবস্থ ঐবু চৈউ। ইমা! শক্লবী ইবেম্মা, য়ারৌগম্নু, ইচন চাউবীসে, ইমা ইবেম্মা নুনা তৌরিউ, ঐখু পোকপী পলেমবু মশক মুন্না খ জহৌত্রবনি; ইমা মহাকপু অপোকপী পলেম্মী খজবা ঙমলবী'ন। ইমা, য়ারৌম্নু।" মাগী য়াহু তারগা শাউরবী চমুনা, অঙাং নত্তবগুম তৌই হায়হুনা থীনা চৈখিবা, খুবাক্ত থাখিবাহ্ন লিংশিংখি। মাহুগী অহিংদ চাক চানবা মতমদা চাউবনু খিক্লবম খিবা কংখিদে, মতমহুদা পিক্লবী চাউবীনা গুং-গুং কপ্তুনা কপ্তুনা মবুংদি মবুংদি মাঙোন্দ দুমিং অহুমগী য়ুম খাদোক্লগবি হায়-রমদো হায়না পাউ তমখিবহ্ চমুনা খন্দবা ঙমখিদ্রে।

চমুনা চাউবনু হুংশিরমদনা মত্তে, পিক্ত মমা ক্ষায়মরবা মঙ্গালি খন্দুনা নুনা তৌরখনি; মাহ্ পুক্লমক্ত মিংশিংলগা হুক্লাহুনা মখরাই মুংঙাইতবদগী মখোয় অহমহুবু কষ্টি থোক্ত হন্না হন্না

চৈরগা মপুক্রনিং সুংঙাইতবা কোকপরা য়েংখি, কোক্তুনবদা মখাদা লৈরিবা অঙাংমচা খোমজিংলিবহুবু কমা হুন্দে ক্রুংগা, ওয়া চংখ্রো চংথগা মহাক্কী থমোই ঈংলংমি হায়না লাউখি। অস্থুয়া বানা মতম লেল্লক্লবী চমুগী বাখলগী মিংমাংদ চাউবী-চাউবা, মপুং-য়োইবগী মুঙিনা তত্তনা লাক্তুনা করেম্নবগুম তৌখি।

মীওইবগী পুনসিদ, অবাবগী শক্লকসি মতম থরদরি, অস্থু অবাবা খোদোক্লা বাখলদ কুইনা চুবদগী মীনা অবাবগী মতংসি য়ায় শাই থম্রে। মমৈথংদ চমুনা মবুক-মপাউ কয়বা মচ্চা-মৌবাদ মহাক্কী মাংখি শাবদগী অবাবা, মিংচংথীবা থোক্লবনি-থম্মুনা, মথবাই সুঙাইতবদগী মপাক্কল শোক্কখি। মহাক্কী মশাহু সুংঙাইতবা ঈপাক্ত লুপখিবনা লোকতাক্কী ঈথক্ত হোনবা ঈরাক্লবা লুকাই হিংগী পান্দমগুমখি। তোলৈনা অবাবগী পাউ পুয়মকতু কোযোলদ চিঠিনা ফোংদোকখি. মমৈথংদা মচ্চানা পম্মাদ ইরাক্লবগী পাউ ফংহুনা মহাকস্থু কলিকতাদ মচ্চাবু ঊগ্লক্লই, মহাক্ক চমুখোইগী ইমুংগী পাউ পুন্নমক তমখি।

অমরোমদ চমুগী অবাবহু নিতি ী হেন্নক্তুনা মাগী মশক্ত-য়েংবা মারমদে। মচ্চা অশিশক্লা খোমজিংবদগী খোংগী শিংলি দংনা সংনা কারকই। লাইরবগা, মথবাই সুংঙাইতবগনা চেংহি-চতি লুদবগী মহাক্কী মশম-মনাহু ইকা ফাখি। ঈকায়ব চাক্লব ফবেক শেগাইব অমা নত্তনা অতৈ লৈরমদে।

চাক মিংখিনা চাদবদগী খোম খোক্তুবদা মচ্চা অশিশক্তুনা দহিং সুংখিল বাইদনা কপজকপহ, চাউবী-চাউববু বাগক্তুনা

অঙাংশিংহুবু মহাক্না পংস্নু-হুখি। মগী মতৌ উরদ লৈকাই পাখং অঙাওবনা মাবু হিংচাবীনি হায়না লংনখি। মহাক্না মখোয়হুগন্দু চীনদান পাউদাম্না খংনরই। অওইবক মহাক্না ইচৌ-চৌবা, মরাংকংবা, কুহুমুবা মশম-মমা ঙাংবা শাউগনব মশক্তু উরবদি, অশোক বোন্দ সীতাবু লাক্নবী রাবণগী মমাই-চুবী হিংচাবীশিংহু মাঙুম্না থোক্লক্লা থখি। মী লংনবসি বাখল লৈবা মীনদি লংনবা হৌনদবনিনা, মাবু লংনবা কাংবুনা মচা-মৌরা থাংবা ঙমদব চম চিঙ্গিবী হায়না ঙম্বনা লংনখি।

তুংথিলদ মীগা খংনহুনা মতম লেল্লবন্দু লাইরবী হুজাসি অহিংনদি মতু ইশোন শোন্ধু। অঙংবা মালংবনা অহিংগী অমমক মোংদোনগী লাইজ লিক্রা পুত্রা শাংরকপা, অতিয়াদা মহাকী পাক্লব মথবাক কোন্দুনা পৃথিবীবু কোনব উরগা অপংবী চমুনা চাব থকপা রাংশ মীনা থীনা ঙাংনবগী থন্দুনা মপী মতুম মতুম শিঙ্খি। অহি থুদিংদ চাউব চাউবীবু অমুক্তং উরমবদি মখোয়গী মকমদ লাম্রে হাপ্লগে থন্দুনা, পীনাহৈব ঈশ্বরদা মচা-মৌবাবু উহমখিনবা মিঙখি।

মোংমগী অহিংদ কমুংদ হিপ্তি হিল্লগা, তুম্না য়ালহুনা ঈশ্বরবু হায়জর্মহই, মখিত্তগী শিঙ্গা মাগী মোন্দু পুমচোং চোংখি। মরক-মরক্তু মহাক্না মচা চাউবাবু সুংশংনা হেক হেক উবতুম তৌখি; অহিংগী নোংঙাক্লবাইদ উবোল উবোল ছুমখি। মহাক্না মমঙ-মহা ওইনা মতমহুদ মথুখত্রগী থৌজেম্না থৌংবেং

ওইবা খুংগিরবা ঈসে অমা, অরাপ্প লমদমদগী তাথি। ঈসেদো অশ্বধী মত্তিক মমাকোংদ খুংগিনা তাথি, মাহু তাবুদ খোঙ্গাল্লু হৈবা ঈশ্বরনা মাগী অরাবা কোকুবা ঈসে শাক্লবনি খঙ্গথি।

ঈসৈছুমা হায়রি :—"অমদা অহিংদ, অমম লম্বেলদ, পন্নেম খিবদ অঙাবব থেংনরে. নিংথিবী চেংলৌন্নি, তাংবংগী মম'ন, মপাঙী মমোম মশিং নাইদবগী পলেমন্নি, চুংজো পলেমসিদ, কোকপন্নি তাইবংগী অরাব।" চমুগী মংচু নত্তে, ঈশহ যোগী অমমা শকলকপনি। যোগীদো কোযোলমা নবদ্বীপতা নাহুনা লৈরিছৈদম্মু, ঈশে শক্তনা লাক্লগা মামু ব দমবা তৌথিবছুন্নি। মুঙা অঙাওবী অমবু উ.থিবস্থু মহাক্লী। যোগীসিনা চমুগী গুমাদ চংলক্লগা হায়রকই "পলেম! তারিত্রা, মংগী অরাব উহুনা, ঐ লাকপনি, থোংগী নাতে কাংলো, মপালদ থোরক্লনা থমলিব পোংসি লৌশিন্নগা, মংগী অরাবা কোক্লব হোংলো। নিংশিংউ তাইবংগী মমা লৈ, মোংথাংগী কুহুন্নি, থোজাল্লগী চেংলৌন্নি, খুংগি-খুংংমবমা মগ মাইথোংনি। মহাক্লী ভাংলো, খুমামা অরাবাশিংগী চংজল্লি" হাসি হায়রম্নগা যোগীসিনা লৈদ মাম্না চমুগী থোং মমাদ থপীরম্নগা চংথে। চমুনা ক্লা পূরমক্ত, ভাঁদি তারগা মুমচন্নি থম্মুনা চুম্বদগী হৌনংথিরে।

মৌংতাৱে। চমুনা হৌসংলং। যোগীনা থিবহু, শেরু থেংনথি। শেলকুব বামা তাইবদ মংক্লিম্নি নুমুনা থাজদাহুনা; মাঙ্গ কংবা শেলদি চেংহি চকুদ হাপচিন্নগা শেল ওইনা কদৈ হাইরিবাহ থমুমা চেংহি চকুদ শেলহু থাদবি।

(২২)

পরিক্ষা হায়দোকলে। পরিক্ষাগী কোলগীদমক মী খর ইউনিভারসিটি আফিশ তয়া চংলরকই। মখোয়গী মন্নুংদ মপূকমিং তয়াং-তশোইব মী কয়াম্ভ য়াওরমই, মাহুগী মনুংদ কোমোলসিম্ভ অমনি। চহী অংগী মনুংদ খোদোক তোঙান-তোঙানব খোকখিবদগী মহাক্ত পরিক্ষাদ মমাই পাকনি নিংলমদে।

মহাক্ত সুংশাথীনা লাকপনি, আফিশ য়োরমদাইদ ভর্ত্তিনবা কয়ামুক্তা খোরক্তগা মাবু কোয়শিন্নুনা হয়াওব খোজেন্ন লাউখি। ময়াম্না ককচেংনা তিন্থোক পূবগুম মাবু য়োমহুনা পুরগা, মহাকী মৈতলগা লোয়নবা পরিক্ষা গুম্বাম্ভ উহল্লমই। আশা বংলুরবা কোমোলগী মথবাক সুংঙাইহুনা ঈশ্বরবু হন্না হন্না মপূকমিংদ থাগংলগা, মরূপ মপানা ঙাংলকপা তৌরকপ তুংইমনা মাম্ভ তৌখি।

মখোয়না হয়াওনা খোরকপদ কুঞ্জবিহারীগা, ডাক্তর খোং-লেনসিংহগা লাকপা থেংনখি। ডাঃ খোংলেনসিং কলিকতাদ লৈবা মমিং চংপা মৈতৈনি। কোমোলনা হয়াওনা মখোয়বু নমস্কার তৌজখি। মতমহুদ যোগেশগা কৃষ্ণাগম্ভ চংলক্তনা, করম তৌনা পাপ ওইবগে হৌলকই। কোমোলনা কৃষ্ণা অমম্ভুং যোগেশবু পুহুনা মোতোর কারদ বুজগী ময়ুম তয়া চংলকলে, আহুগা অহল অনিনা খুংশিং লাংবা চংখে।

মরাম্নবক কবগী খুনিং অহুদ সুংশিনব সুংশিনবী অমিমক্ত খুমিং-থাবা মতম অমতদ মকয় অমতদ খোকপক্তম কমিমরগা

চংলম্বই। যোগেশনা ড্রাইভারগা তোংনিনরম্বই। মচোম্বা অমিমু লেবাক অমত্তদ হান্নদা লৈহুনা লৈহুনা অতিয়াগী তারকশঙুম কোমোল-কুকাবু পুক্ না নাডীমা লৈনা লৈনা কমিকতাগী নরীক চংলকই। মরীক যোগেশনা মমাই নৈহখাত্তুনা হংলকই "মাস্টার সাহেব, মণিপুরদ হন্নক্র বিলাত্তা লেংলগ্রা?" কোমোলনা মোমোল নেক্ত। থুহ্রম খংদনা লৈবা উঙ্গা কুঞ্জানা হায়রকই "মংগী মাস্টার সাহেবত্তি চাউবী থিব চংকনি।" কৃদিংমবা কোমোলনা যোগেশ শেংনা লৈতবগী বিলাত্ত চংবা ওয়মলোইবুগা উংলকপদ কুঞ্জানা অমুকমু হায়রকই "বিলাত্তি লন্ডনদুম অর্মেনি, ফ্রান্স, ইতালি তায় চাউবী থিবা ঐনা থাগনি, ঐগী মমা লুপা পুম্নমক কায়খাত্তুনা থিংনগদবনি।"

কোমোলনা মোকনি মোকনি তৌনা হায়রি "যোগেশ ঐগীদি নচেনা মায়রগা লোইরে।" অদুগা হাইরেং কুঞ্জানা অমুকমু য়েংখি। যোগেশনা অনিগুমী কোংচি ইথাং খাংনবা বা-চাং মাঙগা লোকপমু ওমদ, তাব তাবমু তাদ ফুনিম লৈখি। কুঞ্জানা কোমোলগী অকোনবগী মায়ুম শাউরগা হায়রকই "ডাক্তর সাহেবকা ঐগা কনি থোক্নহনা ঐনা মায়না লোইরে-রিবনো?" পাক্তথুম থোক্ত্রবা কোমোলনা মখোয় ঙাংনদা তৌনবা-ইকাইনা মীখোক উঙ্নুনা কুঞ্জাবু অমুকমু য়েংখি।

যোগেশনা ড্রাইভার লৈরগা, মমাই ওক্নিনদুনা খোইরবগী মরীক মাহেক লিচাকনা থাবদমু হাজরবতি লোকনা থাদোকপা বিলাত চংহনকনি" কোমোলনা যোগেশকী বা তাম্বগা মক্ত

মুকথদুনা লৈখি, মহাক্না থরখি, কৃষ্ণানা মাবু মুংশিবদি মপাগী মশের ই কনবগীনি, পাথং লৈশাবীগী মুংশিনবা মংলমদে। মোং শনম্ভু মাগী বাগী পাউখুম কংদবদ অমুক হন্না হংখি। কোমোলনা মচেদু'দ ময়ামদক হায়রবীবদি লায়রদুনা মাবু'দি পাউজনা লৈরিবনি হায়খি।

কৃষ্ণানা মাগী বাহু ডায়রগা কোমোলবু লোম্না মুন্না চাইহাক মৈংলমলগা থুনা চথাই অমরোমদ অমুক লেখোক্তুনা থংহে মনা আখিব মপি উহন্দবব হেৎনরমই। মতৈ-দ মণিডা উংকুল চংদুনা পি তাবরোমদ পুথোক্তুনা কৃষ্ণানা যোগেশবু পাউ-শিনরগা হায়রকই "লন্ডনদ ডাংমজ্রবদি একম লৈত্রবর? ডাক্তর লহেবনা বিলাত চংকে নিংলবদি, ইণ্ডিয়ান স্কোলারসিপ লৌরগা চংশন্নু হাই, মংডম্না পাংদবা মক্তে।" কেযোলগী মুংশিবগী কাগি রাহৈনা কৃষ্ণাদ ডাংখুবদ মুংশিবগী পাউখুম মুংবগী মহুডা কৃষ্ণানা মুংশিনুংঙেম্রদুনা শাউরংনবা মাঙোন্দ থেংখি। কৃষ্ণানা মাগী মুংশিনরবা কোমোলগী থমোংমদা লৈনম্ন লৈরাংগী মপুকনুংদ লৈবডুম লৈগে নিংদুনা হোৎনজবদ, মগী অতোমা শাথংদুদ থোরবা চাগী টাজিনডুম থোকখিদুনা মথরাই মুংঙ ইবিত্রে থংলবী মুক্তানা, থেংজিনবা রাহৈদি কোংদোকপা ওমদুনা ওমচাকুনা লৈরকলে। কোমোলনা মুক্তাগী শাউরংনবা মক্তো উবদ ঐকায়দুনা মমায়দু অমরোংদা লৈথোক্তুনা গাঙী জোংলমই। কৃষ্ণা মুংশিবগী মরংদা থরদং চিংমরকপদ, মাগী মখোয়দ চাউবীগী বাথল হেক্ত পোকলক্তুনা মথোর অজিদ

মাগী মুংশিনহ্ মাঙা চাংদয়রমই; অহ্‌গা মখোয় অনিগী শাজংদু মামা খঙদা ওমখিদে।

কোমোলগী মপুক্লিং এমখিবহ্ কৃষ্ণানা লোয়া য়েংলগা উরহ্‌না খোরংব মিংয়েংনা হন্না হন্না কোমোলবু য়েংলকই। পাখংহ্‌না ইয়েং য়েংলক্ত্রবদ নুপী ওইবীগী ১৩াং মাওমা হৈশিংনবী কৃষ্ণনা, মাবু কোমোলনা কল্লকনবগীদমক ড্রাইভারহ্‌বু কৌরহ্‌না হরাও হরাংএনা তৌরকই। কোমোলনা মাগী মতৌ উবদ, উরিবা মনাক্ত কৌবা পান্নিদ য়েংপগুম, কৃষ্ণানা ড্রাইভারহ্‌বু মুংশিনাল্লে খন্দুনা, মাবু অতোনবা নুপীগী থাক্ত থমহ্‌না খনবা হৌরকই। মাহাক্কী মাঙোন্দ হক্তেইবা বাখল পোকপগী মিংয়েংহ্ কৃষ্ণানা খুদক অহ্‌দা উরহ্‌না, কনবা তৌবগী মহুত্তা কত্তব খেংকলে খন্দুনা মুংঙাইত্তনা লাকপদ গাড়ীহ্ মখোয়গী মযুমদ থুংখে।

কুশিংবী কৃষ্ণান, অসাইমখে বা ঙাংনরক্তবগুম উহল্লগা হরাও করাংনা কোমোলগী মথুং পায়হ্‌না, মাবু মাগী ক্বাদ চংনব হায়রমই। লাইখক্তা তমহ্‌না নুপী মাহাগী শাজং খংজদক কোমোলনা মুক্তাগী মতৌহ্দ ইঙক-ঙক্ত্না মাঙা চিংনহ্‌পী মতুংইমা চংলকই। কৃষ্ণানা কোমোলবু মমাগী মনাক্ত চিংশিল্লগা হায়রকই "ইমা! ডাক্তর সাহেবসি পরিক্ষা কেন ওইহ্‌না শিদে তৌরম্নদগী ঔনা লাহ্‌না পুরকদি।" বাসি হায়রগা কৃষ্ণানো লেক্ত্না অমরোমদ চংখে। কোমোলনা মুশিনাবু মমুক্তাবু তৌরগা, মোহমি মোকমি তৌহ্‌না লৈরমই। মোগেশনা মাক্তি-

অদুনা মচেগী থাহ্ মতিম থীশনি, পরিক্ষার মেডলগা লোয়নবা মাষ্টার সাহেবতি পাশ তোখে হায়খি। অদুগা মমাইশিং, কোংগোলগী মথোং মখুং হাংবা ঐশিং পুরকুবা হ য়রমই। খাংদিনা কৃষ্ণাগী মতৌ উবদা, কবিগুর লাইখাক নুপীগী [illegible] বিশ্লেষণ তৌবা ইবা মতাং থেজরবনি, মাঠ পারগা কৃষ্ণাগী [illegible] [illegible] অদুনা মথোং হাবনুবগা ইমুংদ চংদই।

"[illegible] সুশিলানা মচাকুপীগী মতৌবা, হাইবেং লেংকুগা তুমিন্না [illegible] চংংশোকখি। কোমোলনা ইমুংদ চংলকপদ, কৃষ্ণানা মাগী মথুং পাক্হনা অমুক চিংলগা পুরমই। সুংশিবী কনাগুম্বগী [illegible] লাউগোম মাগী মুংশিবনু পুনবা, মত্রগা মালিকা পরে না [illegible]না চিংহনা পুবগু, কৃষ্ণাগী লৈরাও পুত্থ মথুংবা চিংলকপদ, [illegible] মথুম্ব, লৈমাক চকথিশলি থকবম, কোমোলনতা লেংক্রহনা, কোমোলনা, চিংবহ্ থাংখিত্রে। মামা চিংহনা লাকপা কোমোলনু, [illegible] তুংহনবা, য়েংহনা মোমেংদ অোকপকই। মমাগী মনাক্ত [illegible] হয় পুরগা পরিক্ষা কেম ওইরগী অরাব কোক্সব অথুম [illegible] পীরদন পুরকপনি হায়রকই। অদুগা মমাগী মনাক্ত [illegible] [illegible] তম [illegible] থৌরাং তৌরকলে।

"লোপেশনা লোক্হনা মমাদ হায়রকই 'ইমা, মাষ্টার সাহেবনা পরিক্ষার মেডল লৌখিনবীদবনা ইকেন্না তম চাবগী পরিক্ষা [illegible], ঐখু [illegible] শিবদি [illegible] চাবগী পরিক্ষা [illegible] [illegible], [illegible] পরিক্ষাসিংদা ঐখু মেডল ফংগনি।" [illegible] [illegible] লোক্হনা [illegible] [illegible] থীক থাবিদি [illegible]

মোকলম্নই। অহুগা কোমোলশু কৃষ্ণাশু ঠিক ঠিক নোকখি। যোগেশনা অমুক হায়রকই "মাষ্টার সাহেবতি বিলাত্তা চংনবা ইণ্ডিয়ান স্কোলারসিপ ফংলবা য়াই, ফংব্রগা ইচেগী লিককোল মোম্হোক্তুনা চংহৌদসি, মাষ্টার সাহেবনশু ইচেগী মনাগী লিংকোল পিয়ু হায়রি।"

কোমোলনা নোক্লহুনা হায়রকই "যোগেশ, মংগী লিদিগী লিকোলগী বা হায়রুগনু, য়াম্না শাউথে, ঐনা ইযাদগী নিরগা চংচগনি, মাঙোন্দ নিরোই।" কোমোলগী বা তাবদ কৃষ্ণানা মমাদ নৈনশিনবা মাক্লনা থুম্নকই "ইমা, শাউদবদি! ডাক্তর সাহেব ওইরগা ঐগী খুজিমচিংবা শাবিগেদি হায়ব্রহুনা. ঐগী নৈজবা খরসি লোৗগে হায়রি, শাউবনা চুমব্রা?" বাহ্ হায়রগা, কৃষ্ণানা কোমোলগী ফিজি শায়হুনা চিংলগা, নোক্ল মোক্লহুনা ময়ু চাওম কাদ পুশিনখি।

সুশীলানা মচানুপীনা পাথংহুবু দু.শিনা মতৌসি উরগা, নুপীনিনা নুপীগী পুকনিং থংহুনা মপুক্ত লাংতক্নবা মক্ল লুকথরগা অকংবা যোমোম খজিক্তং মোকখি।

কৃষ্ণাগী হরাও তয়াম্ব, শেপ্তব অতিংব তম্বাং তম্বাংব পেনবী হৈব, মীগী রাথল খংগনব লিংজেল নৈবা পুকচেনগী মখিহ্ কোমোলগী রাথল ঊরেন্দ ভারকপদ মুজাহুবু মাংনা মপুকনিংদা খ,গংখি। মহাক্না খল্লকই—কৃষ্ণানা মাগী খমোয়দ দুংশি রাথলগী ঈথক ওইরিবহ্ নুজাহুনা থংজি, মাগী খমোয়দ দু.শিবনা চিরিক চিরিক চেমখংলগা, মাবু লাংতকহন্নখি। মহাক্না মান্ন

লেম্নুনা মুখশিনা কোংদোক্লশিংলবসু, কমান্না অক্তিয়াদ লোকপা থাংবু ইংগনি হায়না কোমল মাং লিবগে থন্নুনা চুমিন্ন মতম লেনখি।

কোমোলনা অল চারিত্রৈদ কৃষ্ণনা হৌরাই হৌরহুনা লেখা লৌখনই, কবিগুরুনসু, মোমোন মোক্তুনা অরেওব পোং অমা পায়থংলগা কোমোলদ ইম্নুনা পীজরগা লোকখি। কোমোলনা থাগী মুংশির উংপ মতৌ উরগা থন্নকই "মুংশিবী কৃষ্ণ! অসিনা অয়োইবনি, লপোক অমদ জাতিগী বিচার লৈতবা লম অমতদ পুন্না অমুক পোকসি, হন্দকী মপোক্তদি নংনা ইল্লিবা চখোয় পায়ু-মুংশি লিংবা মুংবা শক্করসি।"

কবিগী অদুক তমখিদ্রিবসো পাথংদো! মমানা তোয়না কোয়কপনা পাথং পুকনিং লেপথু মাম্রে; অহুগী মথক্ত তমগদবা থন্নহু লোইরহুনা হুংশিবীহগী মথুং চাগদবা লোইরে থন্নবসু মাই। মুজা কৃষ্ণনা কবিগুরু প খংগী মপুক্ত থল্লিবহু থংলবদি পাঙ্টরোইদ্রা? মহাক্ক পরিকা উবদ, চমুহুনা মহাকপু কুহোংহুনা পিগনি থক্লিদ্রা, নত্র।। মিতিগী পিজথোকী পিজবা ওইমিন্না? মহাক্ক পাথংহুগী অরাং-অপা কেংহুবা, বৃন্দাবন্দ মণশেনলিবা যশোদা মপারী কাজাই শকহেনবদ নন্দগী মচুংদ অন্নপূর্ণানা কীর পীজখিবগুম পিজরমই। অমুকসু মুজাহুনা কবি থল্লুরবসো তুংলা হোগংথুপা মাগী মকোক্ত থুদেথীনা থজিজং লোক্লপা পরিক্কাগী হোংলবদ মমাং কয়ুল হায়রগা লোকখি। কোমোলনা অকুংব কায়নরগদবা বাথল চেকব মীনোক্কা লোক্লপা মুজাকু হন্না মেলপা তৌরিবহু উরুপা মমালা কবি হায়গুদবগে হায়রকই।

ইমুংগী অচেৎ অহোকাবদি হুপীনা মহৌশানা উব হেনগনি। মাদা তৌবিনহ মমাদা উবে হায়ব থংলহুনা অমৌব শ খেকতা মীলোক অমা হাপলহুনা, মমানা উৎবম্ভু তাতম ন হেনতা শীক-শীথক তৌবি থজপনি হায়না খুমখি। কোম্বোলগী মপুকনিং কাবগী পল জিংখাইখিহুনা ফুগ হৌগৎলগা মতুংদ লেপলিবী ফুজাগী মখুং পাম্বহুনা কমা চিংখি।

মখোয় অনিনা মখোয়গী থমোয়গী চনিংদগী খোয়রুপা শিংমেংনা অমগা অমগা তাইহাক য়েংনরগা বা ডাংডব খোক্লদনা লৈমরমই। কৃষ্ণনা কোম্বোলগী শিংমেংহ খাংব তমমবনয়, কম্বখ খুংডাইডব মপুক পোকখ্রবনো, মমায় ভাংশং ডাংনা মক্ক লুক-থহুনা তাইহাক অমুক লৈরগা মখুংত্তু শিং লাউনা শংতোক্কনা চাব একলবয়, কদি তৌববগে হায়রমগা মাগী কাখল তাম চেমশিনখি। কৃষ্ণনা চংখ্রবম্ভু, মাগী মশক্তি কোম্বোলগী থাথলগী, মিংমাংলগী মাংখিবনা, মাগী থমোয়হ মৈরি থাওদনা চাকপা মৈত্তম ফুংশিবগী মৈনা চাক্লবনিনা; কোম্বোলহনা চংকম থংদনা লৈরোই।

মহাকী চাক্লবা থমোয়দুংদ মতমহুদ মকিমমে দ মোংলবী; অরৈংব অতপ্নীগী চেংলোনা মাগী ওইরবী মুজা অমমা মাগী ওইজব পুমবা থালোকহুনা অঙাওবী ওইহুনা মাগী অংকেপ মিতম পুরহুনা, মহাভারতকী শুক্ক মচা একলব্যনা দ্রোণদা খুংদাই তমগে লাকচবদ য়াখিহুনা লৈপাকী মোম অমা লারগা খুংলাই তামতম, মাহ মপুক্কোইখনি থজ্জুনা চংখিবহ উখি। তাখিনব

বাপক গুরুব হোংনরব দ্রোননা আর্জুনবু খুংলাইদ হেনহ.ব একলব্যগী খুদোঙ্গীবু দক্ষিণা ওইনা লৌখি। মহাক্না কপাবু হেনহনব মুঙ্গাহুগী কন্নি ককথংবু হায়গনি ?—"প্রেম"।' একলব্যগী খ্বেঙ্গী কক্তুনা দ্রোনন্না আর্জুনবু কনা হেনহন্নবা লাক্কুরবন্থু, মীওইবগী পৃকনিংদ হৌজিকসিদ একলব্যনা আর্জুনদগী হেনখেৎ থংনরে। মতৌহুগুম্ম চাউবীবু মহাকী নুংশিবহু থাদোকউ হায়রবদা মহাক্নন্থ থাদোক্লবদ চাউবীগীদমকতি কনানা থংবিগনি ?

কোমোলনা মমাগী বাদগী থংখি—চাউবীনা ইবেতে'নগী চিঠি পাব তাবগা, মাগী তমবীর পুহনা মফম থংদনা চংখে।। মহাকী থমোয়দ পাউহু তাবদগী চাউবীবু নুংশিবহু পুমলৈ-লৈত্রবম হায়রবু, অতিয়াগী চিদাইদ অরংবা খৌরাঙমিচ'ক্ক য়াচংবদ নাইতোম খোকপগুম, কোমোলগী থমোয় কাচিন্দ চাউবীগী নুংশিবা ময়েক লানা লৈবহু মানা তরং তরংনা তত্তনা উখি। চাউবীগী নুংশিবহুদি অৱা-অনা লোংলক্ত অহুগা কক্বা নুংশিবদি নুংঙাইরব মেরাগী থাবলদ থেংববনি। মাহা ওইরিবী চাউবীনা য়েনখাংনচিংব হাঙ্গদ, মাগী মশাগী থাক্তনা কোমোলগী মপূক থন্নবা পেন্নবা হাপখিব, মাগী তমবীরতবু পুহনা মশাগী ওইজব থাদোক্তুনা চংখিবনি কাউবা ঙমখিদে। চাউবীবু কোমোলনা নুংশিবদি চান্‌বা-চানবা, চান্‌খিব, লুনা থমব পুম্নমক্না তিমখিবনি, অহুগী মথক্ত উংশিংপিদব অহনা কিতোন ওইখি।

কক্বাবু নুংশিবনা, অমিলব থাগী থাবলমা মালেম খোঙ্গা চানবগুম মাগী থমোয়দ্ হকচাংদ্ পুমতাম ঙালহনখ্‌বদ্থ, মরক

মরক্ত থাবলদ উক্লম তাখগুম, মুংশিবদুদ চিংনব, অকিব থররুং লৈখি। মহাক্লা কৃষ্ণনা মাবু মুংশিরে থারকপদ রাজপূতনাগী ই তহানগী মতাং অমা সিংশিংখি। রাজপুত বীর শ্রীসূর্য্যসিংহনা মঃগা কুইনা য়োকমিন্নরবী সংযুক্তাবু মুংশিরমাল্লে থন্দুনা লৌব লৈবগী য়া তাংলুবদ উকাইবা কংখিবগুম, মাস্থ কংগত্রা চিংনখি।

মমৈথংদ কোমোলনা থনখি, মণিপুরদ চংলগা মমাগী লেখা তৌব মমাগী পুনসি লোইরগা তাইবংখামগী লেপ্তবা মুংশিবহুবু ঈশ্বরগী খুরা থাদা কংথোক্লগা লাইরমলেন্দ, তিন্নব অঙৈংবা লম্বী থিব অহুনি। কোমোলনা রাখল কম্বামক্রম থন্দুনা, চাবা-থকপা লোইরগা কাখল অমদ চৌকিদ কমহুনা লৈরিভৈদ কৃষ্ণনা য়োকখি য়োকখি তৌনা মতুংলোৎদ লাক্লগা, হৈনম-লৈনম চুরদ মাগী মপম্মনা কোমোলগী মথবাক্ত তাহনবগুম তৌনা য়োন-থরক্তুনা পানা খিল্লি অমা কোমোলদ ইরমই। কোমোলনা হনা য়েংখংলগা য়োমোম য়োক্তুনা পানাহ্ চারগা, থংহৌদনা মুজাগী মচকপমদা মপান্বোমনা কোনখি। কৃষ্ণনা মখুংতু চিংথোকলগা য়োক্লহুনা হায়রকই, "ডাক্তর সাহেব, ঙসি সিমেনা য়েংবুসি।"

(২৭)

মপম চনা-ইকা-বা, মকি-মরোল ইথোং থোং কদিনা খুবা মণি, ইশংনা কুপ্লা লৈরাং থবাল, ইতুনা শেখা চেংলৌতবী মথোং কাররুবী মতম, মতৌ উবদনি অঙাঙৌতবী কনাম্ব হনা য়েংদব

লমহৈনবগী পান্দমঙ্কুন, মথুং মাম্মনা নৈনা থরবা ইমফিগী কিগাঙ্গ প্রাইব, অদুগা মাঙ্কমনা লিক চংপা, মমিং কুপ্পনা লোংচুপ্পা থঙ্ডিবা, য়েংলবী হুন্দা অঁমা মাকপী চিংথোংঙ্গ কমলি। মহাক্না তুমিন্না কমছুনা নৈবা মতৌহ কমাঙ্গ শীংজনবনা উবগা অঙাওবীবা নুঙ্গোইবীবা চিংনছুনা, চংলকপা বা হংখি—মহাক্না থক থুমলম্লে। মীশিংছুনা ওক্কনা হল্লা হমা য়েংছুনা চংনখি।

মালেম অঙাম্বনা তাখিবগা লোয়নবা চন্নহুম্নু কনাক্লো কন্নাক্ন চৎখিবগো হংহৌদনা হেক্তা মমাংখি। মকম কন্নাম্নদগী লোকবকপালো থংহন্নবা, নুমথাংবাই থুদিংগী মকম অমত্তমা লোমক্কনা কম্লৈ। মৈথংদ মপখিব, শিংখিব অঙাংশিংনা মথৎ উহনা অহানবন নব্বোইবীনি থঙ্গবগী, অঙাওবীনি শিংছুনা লেৎখাক্লচিংবা থাছুনা লংখি; অঙাংশিংগী নংনথকন্নু মাহাক্না তুমিন্না কমছুনতা নৈরমই।

তুপী থনিবা থৌংমাইমিংগী বাকপী তুরেল মপান্দ উথোঙ্গ খাঙ্কুনা লাই নিংলকপদি মনাক মকপা থুমপী অহল কমম্না তাঁবছুনা, মানু য়েংবব মী মপৈ মপৈ লাকুমমই। মরম্না বা হংবদম্নু ইথুম-থুমদনা নৈবহুদ মানু মথংদ লাইমিংবী শিংলবীনি থম্নখি। লাকলিবা মীসিংনা অথেনপোংবচিংবা পুরক্কনা মাঙোন্দ পিরমই। মীসিংনা মাপী মরমদ মহৈ মহৈ মানা মানা থোকপা থারি শান্নরমই।

মকম থম্ন নৈরম্না কম্লমী কাম্মু কুবা কমাম্নু লাক্কনা মানু ওংকানবগী থৌরাং তৌরকলে। মথৈথংদ মথোম্নগী থাবকম্নু

ঙবনগীদা লাইনীংবী হুপীহ খোরজেলা অমুক উব কংখিজে। চম চিয়াইবরী, লৈরাং লৈশক কক্কখীদুনা মাঙ্খিবগা লোইমনা মৈতে পূবা খোঙ্গশাংবাহেকা কাংবুনা চীংয়া লাইবেখী খোরককে, মণিপুরগী ভেজোল অহুম শোয়দবা তৌরগুনি হায়দুনা 'ক'-থা হোৎপা খীহুনা লাকজেনবগী থোরাং তৌনখি।

মীতা-থর-চাদবা নিপাশিংনদি ভেজোল অহুম তৌরগা নিপা অমদ হুপী ভঙেং থুংগনি হায়দুনা হুপী লোনবগী হুঙাইব অরাবগী রারী শাহুনা হুংঙাইনরমই। মৈখেন কাপা কুবা হুপীশিংনা কাংবু হুজাহুগী য়াকী মানা মথমা খোকপা মপুকনিং কোংলোকনরমই।

হুজা লাইনিংবীমা মাংখিবা মুখিং-তরানিমুক্কী মছুমু নোংমগী মিংখিরব অয়ুক অঙকপা অমা থোকখি। থাবল করব অহিংদ অরাংব চৌংগী চীংথক্ক তাম্রা কৌবী চেক্লাদা শামেজলক্ক হুংশিব মিরব খোজেমা তাম তাম হায়না খোংবগুম, ভেনবা কৌবী ঊচেক্কা মপাং কায়নরবা মতমদ লাংতক্কুনা খোংব মথোলবু ওমজরবা অদুগা অথেংবদা ঈশ্বরগী রাখল্যর নূপর মীরো মহৌশাগী লিং লিং খোজেমগুম নিংথিরব নূরব খোজেম অমনা, ওন্না মাহোৈব মরুম ওকপা, পুনসি তোলোই তাল্লিব নিপা হুপীশিংগী পুক্নীং হুরবা অুরবা ইত্রৈ ঙংলহুনা, ইমৈহুগী তাংকক খুদিংদ মধুরগী খোইমুনা ঙংবা খোজেল রামবা জংলব মথোলনা তাল-থা ওইহুনা সাধু অমা তপ্ন তপ্ন চৌংখোকগী কুমলক্ক থা চীংথোংদা চেক্লিবী রাকুপী হুমেল মপাল লাকলমই।

অমুবা তম্র হুব মালংবদা ঈসৈহু পুখিহনা বাক্লবী চীংখোং অম্নাগী মীওইবগী পূকনিং ওয়হংপা লাক্লখি। ঈসৈহুনা হায়রি— "ঙাইহিরি পলেম্র মংবু, অরাব মৈপা মতোন লোমখ্রে, মেম্নাগী খাবল লাকলগদি, মংবু পূজা তৌরগনি।"

ল কলিব সাধুবু উবদ লোংপোক্ত খোকলিব কোরৌহন্সবনা মীওইবগী থমোয়দ লাংতক্লব অঙকপা পোকহনগে হায়বগীদমক সাধুগী চেংলৌ লৌহনা চীংদোন্দগী কুমথরক্লিবনি খন্নবা মতৌনি। মহাক্কী মনা মিংতগী তারকপা পিনা খম্বালদ পকপা তড়ং ঙাইজ লিক্লাগুম্ব, শেংলিবা ছ্রাংছ্রানবা ফিজোং। চীংথৈ লাই-রেম্বীগী ফিজোল মথুপ অহমবু গুমজবহু উবদ, অউবা কনাম্বা হুমিং কৌব লাইনা মীগী চেংলৌ লৌবনি খল্লোইদগে। হুমিংহুদ লোমা কলিগুম্ব কোরৌরেনবু খুমলম্ব থোক্লবদি লাকলিবা সাধুহবু হুমিংমকনি হ য়লিংঙাইনি।

লৈমম্র চুম্নব, অয়ুক্কী লিক্লানা ফিজেং ওইব চীংথৈগী অঙ্গংব মালংবমা ছুম্বদ তমিক তনিক্লা উম্নব সাধুগী চীনবান্দগী শিঙ্করকপা ঈথক মাইব সৈরেং মীংহু মৈনা তারকপা খোই-খোইব খোইমু পাইব মানব জটা, কল্লপ তৌবা মতাকব লাইবক্ত লৌশিং খম্বালনা মকা লামনা শাংপ-উংপ, থন্নো অসব মানব নূম্নব মিংনা মিংকোই হুংদ লোংপা, ইহা-হাজব অচেংব ফিজম, খুরাইনা খুতম, চেংলোনা বাইমুতা, কুচুনা হৈয়াই অমুনব, শককমহু উম্নবদি, খুমমু বাখন্ন কূপ্নব মীগী থমোয়দ ঙাইহক্তন্নু, মঙান বাথল চংগদব শককমনি।

সাধুনা ইসে শক্তুনা লাকপা মতমদা হাহৌঙবা কনাঙবনা মকমতুম লাক্লগা মিংথেং অমতম য়েংহুনা মাগী ইনৈহ তাঁহুনা ভুনিম নৈরিঙেন, মমাংঙদ তুরেল মপান উথোংদ লাই মিংলবী মুজাহ থৌরক্তনা সাধুহুবু খুরমলে। সাধুহুনা ইজিত অমা তৌরকপদ মুজাহুনা তুরেলদ মান তৌরগা, মখি মরেল ইচোং চোংনা কংকান্দ কারক্লগা, সাধুগী মমাংদ মথুং অমি লোমহুনা লৈরমই। মাহাক্না সাধুগী মনাক্ত লেপলম্বহুদি তাইবং সেম-লকপদ সনাহলনা গুরুশিদবগী মাক্ত লেমগুম, কুমগী অহানবদ হুনগংলকপ থম্না থেঙোং মনাক্ত নৈবা থম্বালগুম থিংখিরমই। সাধুহুনা মমাংদ লেপলিবী লাইনিংবী মুজাহুবু মাগী মঙক্ত য়েংলকপা খি অমা পিবিখি। সাধুনা অমাং মাইগে তম্না খুদোঙী খিল্লকপগা লোয়নবা মুজাহুসু খি অহ হোংলগা তুরেল মরিল তম্না চংলক্লে। য়েংলম্বা মীসিনা ইঙক ঙক্ল লৈহৌই।

(২৮)

চেংহী চমুহ চেংহী য়াংলবদমা ৎরো থরে ৎদতা কায়রবদ চমুনা সাধুনা শীরম শেংলহ থেংখি। মকম বংদনা অহিংদ থমলম শেংলহ কংহুনা, চাব শেংপ য়াংক্রে হায়হুমমু মথবাই নুংঙাইবী নুপীহুনা নোংমগী অহিং য়াচংব মতুংদা থাংকী মচা অমবু পোমলাং ইল্লহুনা যাঙোল উথোকতেন্দ তাহুনা অমম্বদ মবক্তা কমলমই। অতোপ্পা মচাশিংনা ইমুংদ ইচিক লানা ভুমিম

ড়ংখুন হন্নুগা তুমগনলি। কমলিবী মুজাহুনা মাগী পুরশিগী অমম থৌরোক কয় বু, ভাবনা মায়হুনা য়েংলগা অময় অহিংগা চাংদয়হুনা য়া ইঙাং ঙাংদনা, নুংশা মপী ময়ক ময়ক্ত হোন্নুনা মপী মতুম মতুমন্থ শিল্লখি।

মতমহুদদি চম্মুহ হাম্রগী চমু মংখিত্রে, চৈথাংব লৈখিত্রে, নুমিং চুপ্পা তুমিন্নভা লৈবী, য়া ঙাংদবী, ঈংলবী নুপী অমা ওললবগে। কনাগুম্বনা মাগী অবা মুংশিগী য়া কোংদোকল-মদম্ব হোই-মাই চুমই চুমদে হায়খিদে, মমিত্তনা মীহুবু য়েংলগা মপি শিল্লখি। মমিং অনিমক নুমিং চুপ্পা তড়ংদা য়েংহুনা লৈবা চাগনি শেংকনি থংদব, ময়াং কংলবী নুপী অমা ওইরমই। কনাগুম্ব পাখংশিংনা চমু চিন্থিবী হায়না প,লং লংনরবন্থ হামগুন থুমখিদে, থংমখিদে। মহৌশা লংনরম্ব কাংবুনন্থ, মাগী মত্তৌ উবদ মুংশিবীহুনা মাগী মরমদ মুংশিনা শোয়রকলে। লৈকাইগী মীয়া ঙাংনবা হৈবা হৈবীনা মতমহুদ মাবু থীনা ঙাংনবগী মক্তা মুংশিনা ঙা,নবিরকই।

মাগী তড়ংগী মিংয়েংকমদা চাউব চাউবীবু তয়ং তয়ংনা উবগুম তৌখি। লৈকাই পাখংগী ইসৈ শকপা তারগা মাঙোন্দ শেল পীরম্ব, মহাক্না মচা চাউব ওইরমাত্রে চিংনখিব যোগী-হুগী ইসৈয়া থন্নুনা মশাগ থোক্ত,না থোক্ত,না ময়ক ময়ক্তা তারমই।

মুমিংহুগী অহিংদম্থ অর'ব য খল শোংলুম্ন মনবদগী চোকথরবী চমুহ মথাদা কৈরিবা মচাহুনা তুমথ,বন্থ ইমুংদ চংগনি

হায়রব কাউহুনা উখোকতেন্দ অহুমক চাহুনা তুমলমই। মহ ক্না অহুম তৌনা নৈরকপহু মোংম্বাই মতুং ওইনা থোকলকলে। মোংম্বাই ম্যৌরবদ মহৌশাসি ইচিক হন্দুনা, খিং-খিং লাউব খোঙজেল অমতা মংতনা মীওইবগী মখেল মৌবা অমতা তারক্লে, খিং-খিং লাউব খোঙজেলসি রেডিওদা চংলিব খোঙজেল-শিনি হায়রৈ। মতমহুদ মাহাক্ক তানিজরব মহৌশানা তাখিব ইসৈহু অথাপ্পদগী অচিকপাহু থাবহুনা লাক্লগা মাগী মাকোংদা তপ্পা তপ্পা চংহুনা মাবু থংহৌদব রাখল পে কহল্লখি। চমুনা মাহু মমঙদা তাবনি থন্দুনা মখিং পাংথোক্লগা অমুক হন্না তাক্ক ফংলরোই থন্দুনা মখিং পাংথোক্কমন তুমিন্না লাক্লি।

ইসৈহু মকশিন্নক্কুন গাগী মনাক ম্যৌরকলবদ অস্নুপকী মতীক মাঙোন্দ থুংখে, মাগেশ্বরদগী লৌবা থোইহিঙম থোকখি। ইসৈ-হুনা মকশিন্নকপদ মখিং পাংথোক্কুনা শকলিব মীহুবু য়েংনিংবদগী লাংতক্লখি অহুবু মখিং পাংথোক্লগা তাখিদবস্নু য়াই থন্দুনা মখিত্তু কম্না কম্না উইশিনখি। মমৈথংদ ইসৈহু মখোয়গী স্নুম্বাং ময়াইদগী ওইনা মানা তারকলে, মাহুদা অমুক হেক্না মহাক্না মমঙদা তারিবনি থনব হৌখি? মতমহুদ ইসৈহু থংলেপ লেপখি, লেপখিবগা লোয়মনা তাইবংখানদ ঈচিক হনবগী মখোলতবু মানা তাখি। মতমহুদ ইসৈ স্নুংশিব মখোল তারক্কবগী খিংব কায়রবা স্নুপীহুনা মথাদগী অঙাংহু থংকপ কপলকপদ হায়রকই "ইমাগী ইবুঙো, মংগী ময়াম্ব চাউবনা, ইমাগী মঙদ হৌজিক্ক ইসৈ শকখি, মংখো কপ্পদ ইমাগী মঙ কায়হুনা ময়াম্বগী স্নুংশিরব

মখোল তাগ্নিয়ে, মখোয় অচেৎপ খুজাপ্পুলি লৈরোইদুনা ঐগী অঙোপ্পু ওহল—মখোয় লৈরমগ্রবস্থ নকেন্সী মচুং ইন্দুনা ইম্মাগী শিরুম-গনবনি ॥”

বাসি হায়রগা চমুনা শুং শুং কপ্লগা অমুকন্থ হায়খি—“ইমাগী ইবেম্মা চাউবী, ইমাগু পোক্তবীনি খঙ্দুনা মীয়াইদুনা কদায়দ চংথরকনো, ইমানা ইচাবু থুংশিনখিদ ! ইমাগী চাউব ! পাথং মখোং কারকপদ ইচানা লম্মোইদুনা কদায়দ চুংথরকো ?” চমুদো মচাদু পোখংলগা কনাবুস্থ হন্না য়েংলুদনা উখোংদ ভাহুনা কপলম্বই, কপ্পগা লোয়বনা বাম্বথে।

মতমদুদ কপনিংবদগী কুবগংদুনা লোকচেল্লবা খৌমাওদগী খোয়কপা ইংলব থুজাগী খোঙেল অমনা ইথং থংহোয়দনা হায়-রকই “ইমা ! ইমা ! ঐ লাকলে নং য়াম্বরবর ?” বাসি হায়রগা লাইনিংবীগী ফিজেং শেংলবী চাউবীমা থুনা চংলক্লনা চমুগী মখোং কোল্লুমা কপলকই। চমুনা অান অারক্লনা চাউবীবু উবদ ভুকলদুনা “ইমাগী চাউবী” হায়রম্লগা নকোক চাওদুনা অমুকন্থ বুক্কি তাম্রখিরে।

মতম কুইনা মাংলুরবী চাউবীমকমি। চমুনা ভুমুখিবদ পুকচেল য়েংলবী লৈবাক্কী অাংতা পোকলবী চাউবীগী থমোয়্গী অয়াবদু অইচেন খাইনা চেল্লক্লনা পাখংরকপনা লৈবা ভুমখি-রদুনা মখোল খোক্ক “ইমা ইমা” কৌদুনা কপলকলে, মুন্নাকন্থ মখাগা লোয়বনা অান মাংদুনা ভুম্বথে। মখোয় অনিমা কপ্পদগী চাম্বদুনা লৈবা মতমদ অম্মাং মথাইদ তাইসে শক্তনা লেংলম্ব,

সংখুরা মোয়োম ভোনা নোক্লগা মকমহৈ লংল্লক্লনা, মাগী কমওলুলগী অইংব ঊমিংনা মুমা অনিংগী মওইদ থিকপিরমই।

অনিদু ওাইহাক লৈরগা জ্ঞান অরক্লনা চেকেং কোন্নহনা মুমা মুমা য়েংল্লমই। চমুগী মনমগদ পোক্লিবা অত্তাংহনু কনা কনা কপল্লকই। মমাবা মাদু কোন্নুনা মুমা য়েংবা, সাধুহুদু ঊদব মতৌদু ঊরবী চাউবীনা মমাদ কপ্প কপ্প হায়রকই "ইমা! থৌজালগী রূপক ওইরব সাধুগী কুপাদগী ইমা নংবু অমুক ঊজব ফংলে—ইমা! নুংশি হৈরবা বাবাজীবু নং ঊৎিমালে, অমুক্ত য়েংউব।"

রাসি হায়রগা চাউবীনা সধুরোমদ য়েংলগা মপি শিন্দহনা কংলগা অমুক হায়রকই "গুরুদেব! নংনা ইমাবু নুংশিব্রবর?" চাউবীনা সাধুগী মখোং পায়হনা কপখি। চমুনা চাউবীগী রা মতুং ইন্না য়েংখোকখিবদা সাধুবু ঊরমই মানা ইগুক গুরু য়েহনা অত্তাওবীগুম হায়খি "নংনি! নংনি! তাইবং মপু থৌজান হৈব!" সাধুনা কপ্প চংলকলগা চমুগী মখোং পায়হনা খুরুমগা হায়রকই "তোল্লব মচানি ইমা, মহাক্তি তাইবংগী মমানি, অত্তাব্রবগী শকওংনি, মীওইবগীদু চেংলৌনি, চাউবীসি তাণ্ড-কুহনা চক্ষীংলাকপগী চীংগী পুরক্লনা নোংমাইজীংদ থম্লগা য়োগাভ্যাস তৌহন্নুনা মপুক ভগহন্নবনি হসি মহাকী খুঁতা মিংথকিদ্রিদ্রি॥"

চমুনা সাধুগী খ্রাৈদ তৌবিব মতৌদু ঊবদ রা চুংখনি থোক্তা মমিঙমা শাখুবু য়েংখি। সাধুনা চাউবীবু কৌদুনা

হায়রকই "চাউবী !" হায়দুনা ঐখোয়গী উনবগী অরোইবা চুনিংবনি, তাইবংবানদি কারমব তিমব অনিগী শকতংবনি, চংলে নৈহৌরো, ইমা চংচরগে।" সাধুহ মতৃংদা বা ঙাংলমদনা মাগী হৈনবো মধুবন্নহ খোংহুনা ইসৈ শক্তনা থুনা মকমহ থাদোক্তনা চংখ্রে। চমু চাউবী অনিহ চেদা য়েকপা শকওংগুম সাধুগী ইসৈনা ঋষ-হৎতুনা অহুমক হায়ত্তম খংদনা মুম্না য়েহুনা নৈহৌই। স ধুহন্ন অমঙ্গ অহিংদা লোংখে, এতমহুদ চ উবীনা হিক্লা হিক্লা কপ্পহুনা হায়রকই—"তাদা, নংবু অমুক উররোই, নংদি লাইগুর মীনি।" চমুনা বা ঙাংত্তম খংদনা, ঙ ইহাক চংখ্রিব মাইগৈ য়েংলগা হায়রকই "চাউবী ! ইমাগী ইবেম্মা নবুংবু অমুক্ত খামউব। নবুংবু ইমানা ইথাদা পম্নগা অমুক্ত খোমলাং ইজগে, ইমাগী ইবুঙো।"

(২৯)

খৃষ্টাব্দ ১৯১৮ ইং দনি। ভারতকী থৌনাকব মচা পণ্ডিত জহরলাল নেহরুনা ভারত কংগ্রেসকী প্রেসিডেন্ট ওইরে। কংগ্রেসনা ইংরেজী মিংথৌদ স্বায়ত্ত-শাসন পিনব নিজবদ পিবিত্রে। পণ্ডিতজীনা স্বায়ত্ত শাসন পিত্রবনিনা, মনিংতম্না ভারতবর্ষ ওইরে লাউথোকবি। ভারত বাসী কয়া কয়া অন্দোলনদা য়াওখ্রে। স্কুল, কলেজ ছাত্র ছাত্রী স্বাধীন ভারত ওইমব অন্দোলনদা মত্তেং পাংখি। কোমোলসিংহন্ন অন্দোলন য়াওবদগী ফাহুনা জেলদা নৈখি।

মতম থরগী মতুংদ মাগী মমা তোলৈন্থ্ রায় কয়া নাবদগী কুঞ্জবিহারীনা কোমোলবু জেলদগী থাদোক্নবা হোৎনখি। জেলদগী থাররক্পা মহাক্না থুনা য়াংনা চৎখিহনা মণিপুর থুংখি। চমুপা চাউবীগা অনিনা মমাগী শুমা লুখুমদা কমহনা কম-সেমরমই। মমা নাব কররদ, মণিপুরদা সরকার ডাক্তরখানাদা থবক অমা ফংজখি।

মমাগী অর।বস্থ্ কোকলকলে, অহূগা লোয়ননা ইমুংগী অরাং-অপাস্থ্ মেনলে। ওহোকপনি! কোমোলগী লাইবক্ত নুংঙাইবসি মতম শাংখিদে। মহাক্ন নোংমা কুঞ্জবিহারীগী চিঠি অমা ফংখি, চিঠি অহূদ অথুব থবক অমগী থুনা লাক্তব য়াত্রে হায়রকখি। মহাক্না মমাগী মকমদগী বিদায় লৌহনা চংকে তৌরকপদ, মমানা মাবু চাউবী লুহোংলগা চৎনব হায়রমই। মহাক্ন মমাগী য়াহূদা হোই-মাই থুমদহনা কলিকতাদ চৎখি।

মহোৈশানা নুংঙাই য়াইফনা পালব কুঞ্জবিহারীগী ইমুংনি। মহাক্না থুংখিবদ ইমুংহূ গতৌ অমা তৌরমই; মহাক লাকপগী নুংঙাইব কোংদোকপগী মহুত্তা, অরাব নুংশুক-নুংজাবব কিভম্ অমা ইমুংহূগী মী পূম্নমক্ন উংখি। সুশিলানা মিংকী লাইজনা মমাইদো পূমচোৎ চোৎলগা, মাবু চংলক্নব হায়রজখি। সুশিলাগী মতৌ উরব কোমোলনা ইচক-চক্ন ইমুং চংখিবদ, কৃষ্ণানা কমুংদ হিপতুনা জ্ঞান তাদনা নারম্ব খেংনখি। কোমোলনা কৃষ্ণাগী মিহুৎ-থাহুম চাং য়েংবদা হিংগনি থাজখিদে, অহূৈমকপু হিংদোক লাংথক্না জ্ঞান থরদি তাখি। সুমিৎ নিনি ছুমজি

[illegible] ভাব [illegible] [illegible] থকা হপ্পীদু সুশিলাগা তৌরদুনা [illegible] [illegible] য়া হায়দি।

কনানা মখিং শাড়ুবাক্কুনা কোমোলদু য়ুম্না হেক্লগা, অদুক মখিং চাইথিরবদি, মাখো থমোয়দু মিক্লূন তোংবদ হায়বগী হেনথংদি। কোমোলনা ফিজমদুনা খুংগা থীরগী তৌপু থংজরদুনা, অমাবাহু হম্না হম্না য়েংলকই। মতমদুদা [illegible] [illegible] অমাখুলি [illegible] হেক্লগা কোমোলদু মপান্নদ অচৌবগা [illegible] কনিয়রগা [illegible] অমসুং সুশিলাগী মপুকনিংগী বা কয়া-[illegible] তোংখোকখি। কোমোলনা মথোয়গী মখিং খুংনর তৌবনা [illegible] [illegible] হায়দি। ফিংবী লাইক [illegible] সুশিলানা [illegible] [illegible] কোমোলদু [illegible] মথাক পুশিন্দুনা কমছরগা [illegible] [illegible] পোকখ্রে।

কোমোলনা খী কুনাসু নৈত্রবদা কথাবু নাংনদুনা হায়-রক্ক "সুংশিরী কুফা! অমিং শাড়েলো, পলেম পথৌ অমিনা [illegible] ঐত্তোন্দ শিনরে, সুংশিবী। মতম অসুক কুইথনি নংগী চিংদুনা চান্নবা ঐনি, পলেম পথোগী অমদি নংগী [illegible] [illegible] লেপ্লকনরদি, অমুক্তদি য়া চাংলকউ, চুদি ইবিত্তাকিগী [illegible] হুমিথনি, সুংশিবী।"

মাগী [illegible] ভাক্নগা কপ্লনা মাবু [illegible] হেক্লগা, [illegible] [illegible] পোইরন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] "[illegible] ইবুঙো, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], ঐগী [illegible] [illegible]

ম পীনমক থৌরাই থারগে থন্নুনা লৈরকপদ, ঈকাই-ঈকি ছক্তোক-ছুনা, নংবু অমুক্তদি উজনিংহুনা ইমাদা হায়খিবনি, ইবুংঙো ঐবু অমুক্ত কোনবিউ অরাবাস কোকপরা য়েংজগে।"

কোমোলনা কৃষ্ণবু শিং-শিং নাল্লম্বনা কোনখি। কৃষ্ণানা মাগী পাম্বোমদ মকোক্ত অমুক্তং থাংগৎশিউ হায়জরগা, মকোক্ত কোমোলগী পাম্বোমদ থমহুনা মমিত্তগী মপী শিক্করগা হায়রকই "ইবুঙো! নংগী সেবা মতোল লোমগনি জিংত্রে, সুংশিজরবী ... ... বা কংলরোই ঐনা তাবদা; মহাক্না মাহু তীর্থ কোইরকপদ ... ... না মহাকপু মাঙোন্দ শিন্নরমলবনি ... কৌহুনা কন্ন ন রাসি তম্বিই, ... ওবীবু মহাক্না অমুক হন্না চাকহনগনু মানা সেবা তৌবহু ঐনা তৌবা শকচগে সুংশিব, চাউবীবু ঐগুম্ন থনবীউ।" রাসি হাম্নরগা কৃষ্ণানা কোমোলগী অতোপা মথুং অমা মাগী মথবাক্ত পায়হুনা থম্লগা কন্না কন্না পায়শিন্নুরক্ল, মাগী অরাব থাংলমই। কোমোলনা খুম্বা গুমত্রবা মিংথেংবা কৃষ্ণবু মুন্না য়েংলি, মপি শিন্ধরি।

মতমসিদা থোংলেন্না স্নুশিলা কুজবু পুশিল্লকক্ত না ব্রা... অমনা মম্ন শোল্লগা লৈ পরেং অমবু কৃষ্ণবু পায়হনগা কোমোলগী মঙক্ত ছকহনখি। কোমোলনন্নু কৃষ্ণাদা লৈ ছকলে। থরাইশিং লুহোংবদি লৈ ছকপদ নোকমৈ, গুসিগী লুহোংবদি থরাইশিং ...লনবা ওইথে। কৃষ্ণানা মপা মমা মপুম্নোইববু য়েংহুনা ...তমন্থ কাউইলরগা হারবা, জিংবা কাররবা থোক্তেম্না মথনু খাগী ...তগা সংধু ... ... শইমা ইচুবনা, নংগী সেবা তৌবা

ভমগদি নিংগ্রে, মংমা তাকপিখি, সতীশিংনা মপুরোইবগী মাং খামা শিরগা লেমখৈ, ভসি অহুগুম্বী সতীশিংবু ঐনা খুরমজরি। ইমা, ঐগী ফিরোম সনা লুপা পুন্নঃকতু চাউবীদ পিখো, মহাক্কা ইপুরোইবগী সেবা তৌবহু ঐমা তৌজরিবনি খন্নুনা লাইরৈপাক্কগী য়েংজরকে, ইবুঙো, চাউবীবু লুহোংউ।" রাসি হায়রগা কৃষ্ণাসি মখিং উইশিনখে, তুমিন্না লৈখে। কৃষ্ণাগী তৌরিব ফিভমসি উবদ, কোংঘালম্ব মখোল খোক্কা কপখে, অহুগা লোয়মনা ইমুংগী মী পুন্নমকম্ব কপ্পখি।

...পা ...কাংগী রা কল্লা-

(৩০ মখোয়গী মখিং খুংনব —

কৃষ্ণাদি কুইনগী দমক ভুমখে। মাগী কায়মবা অরাব মৈনা চাক্কব কোমোলনা কলিকতাদ মতম খর লৈরম্লগা, ভগবান শিবনা দক্ষ প্রজাপতিগী ম:মা। হিয়াংথাং লাইরৈমাগী অশিবা [illegible]চাং পুহুনা ভাংরহুনা পৃথিবী খুংনা চংখিবগুম, কৃষ্ণাগী [illegible]ংগী উং পুর। ভারতকী তীর্থ পুন্নমক চংমবা খোংসানখে, [illegible]শ্রাগুবগী পান্দমগুম্ন কনাগীম্ব রা তাখিদে, রাম্ব ভাংখিদ্রে, [illegible]লাব-থকপা লৈখিদ্রে। কুঞ্জবিহারীগা ৭. শিলাগম্ব কোংোলগী [illegible] ইমা তীর্থ কোইখি।

[illegible] জোংমগী মুমিত্তা হিমালয়গী বদরিকাশ্রমগী মনাক্ক লাকপদ [illegible] মকম অমদ ইথং থংহোদনা মহাক্ক মাগী মথরাই [illegible] খেংমখি। সাধুগী পরিচুক্ক পুন্নমক ভাক্ক [illegible]

শিলাগস্থ সাধুবু থুরুমখি। সাধুনা মচ্চা মুপী খাইমবগী রব রারবী অনিরুদ্ধা হ'রখি "কৃষ্ণাদি কোমোলগী ঐশ্বর্যনি, ত্বিক ওইবা কোমোলনা ঐশ্বর্য্য ফংবা হৌনদে সত্বনা সত্বগা খংনগনি মখোয়স্থ সাত্বিক ভাব লৈরকপদগী কোমোলগা লোই-রিবনি। রাশিংসি হায়রয়রগা সাধুসি মকম ইখং খংহৌদনা ংখি। মখোয়না সাধুবু অমুক উখিদ্রে। সাধুগী রা তাবদা খোয়গী অর ব কোকখি।

কোমোলনা অহল ওইরব কুঞ্জবিহারীগা সুশিলাগবু পুরগা তীর্থ কোইরকপদ নোংমগী মুমিঙা বদরিকাশ্রমগী সরাইখান অমদ অরুম হৌদুনা কয় নাখি। হিংগনি খনখিদ্রহুন', অহল অনিবু কনাদ শিন্নরগা শিগদগে খ.গা হিপখিবদগী য়ুমথক্ত নোং য়ুথরক্কনা মশাদ তাখি, হৌগংপা ঙমখিদে—অহল অনি-হুস্থ মাগা, উন্নখিদে। নোংনা মশাহু পুমচোং চোংখি, নোং ঙাল্লকপদদি, অহল অনিস্থ উন্নরে, মগী অনাবস্থ কয়মই। মহাক্ল মাহুবু ঈশ্বরগী খৌজালনি ঙমখি।

মীওইবগী অবাবসি ঙমখৈ লৈরক্কবদ অঙকপ থোদোব থাকই, মাহু ঈশ্বর লৈবগী খুদমনি। মহাত্মা গান্ধী [illegible] ঐহুনা ঈকুনি চায়া হেন্রগা লৈরকপদ কনাগুম্বা অমনা [illegible]। [illegible] [illegible], নিক্‌নিবু ঈশিং ফাবে থক্কবদ। হিক্ল হিক্ল মখোয় পীরম্ব, মহাত্মাজীনা হায়খি "মশক্তিসাধু অমনা মাঙোনা তমহু কাঙ্গ্লা [illegible] অমা চুম্মা [illegible] কর্ম্ম তৌবিব, অহুনস্থ [illegible] ইহৈনা মত। লেপ্তিকহু মাগী মপানরি হুগা সাধু অহস্থ চাউবাগী [illegible]

[illegible]তাদ লৈরিবৈদ, নোংমণি, কালানিংগা ইমুংমোইবগা মকা [illegible] লেংবখি। মতম থর ংখোয় মথম অহুদা লৈমিয়বগা অমু[illegible] মণিপুরদা লেংকলকলে।

(৩১)

কোমোলনা ময়ুমদ চংলকপদ, মখোয়গী য়ুমহু থোং খিংহুনা [illegible]ন্না, শুমাংথেলোংদা মাপী জবৈব চোংথংপা, অহুগা মাঙোলদ [illegible]লৈতবগী হৌমব ইচাই চাইব থেংনখি। য়ুম সো লোম্নু[illegible] [illegible]বদা মমা কদাইদ চংথ্রবলো থন্নুনা, মমম্বু কোইখি থিরকই। [illegible] অহুদ মী কুইমা লৈতবগী থূদম উবা, মমান্থু উদবদ মাগী [illegible]গী শুমথৈ থেংবখিদে, কনাদা মমাগী বা হংগদগে থংদহুনা মাঙোলদ কোইচং চত্তুনা ঙাইহাক লৈরগা, মাগী [illegible] মিহুল থংচোং চোংবা থেংবখি। মখোয়গী ইংখোলন্থু য়ায় চাউবনা, মনাক অহুবাইদ লো[illegible]ব য়ুম অমতা নক্কা লৈরমদে। ঙাইহাক য়াথন তৌরগা মহাক্কা থোংহু থুদেক্কগা ইমুং চংখিবদ, [illegible] মমাংঙৈদ লৈহৌবা পোংচৈশিং অমতা কায়দনা লৈরম্ব, [illegible] হৌমব টৈবদনচিংবগী মথক্ত লকাং তাব, য়ুম [illegible]হুমা তীর্থ কোং[illegible]গী সায়তম ওইরব উব মতুনা মমা লৈবগী, লোংমগী মুমিত্তা হিম

[illegible] মকম অমদ ইথং থংহৌদ্[illegible] চিংমনা [illegible] [illegible] থেংমখি। সাধুগী পরিচয় পুমমক [illegible]

থুপখিবগী পাউ তম্লমই। মমাগী মাঙ্গং মতুং ইনা, তৌদব মাদবদগী মাগী লৈকমন্থ থংগ্রবদ চাউবীনা ক্রিয়া পুরগা শ্রাদ্ধ শোনখিবগী পাউ তমখি। চমুগা ইথুঙোহলগনা মমা লৈতবগী পাউ তম্লগা, কোমোলসিবু মাম্ল কপকত্রা থল্লমই, অহুবু ওয়া- তৈবমা থোকখি। মাহাক্না মমা শিব । পাউ তারগা অকংব মীমোক লোক্তুনা হায়রকই "ইনে ইবেম্মা, মাম্মা ইথুঙো, ঐগী ⁻"না থুংজরে, খুংশিরবা ইমাগী অরোইব মাহিপতু কথাম হেংহনা "-- থল্লমই অহুবু মচাগী অরাব থংলবী পলেয়া ঐবু . . " সমাপু-দগী থুপথুবনি। খুংদি খুংশিদা ইমাগো! ঐহাক্না উম্লখিত্রে, ইনে ইবেম্মা চাউবীগগী লমন্দি মচপাক অদিমা শিংবা ঙম্লি নিংত্রে। শেলথুম চংখিবদো, মতম থর থবক তৌরগা শিংজরগে বারৌবিগনু।"

চমুনা বাসি তারগা, কপ্লহুনা হায়রমই "ইথুঙো কন্নিগী শিংলুগবদো, ইচে ইবেম্মমা ঐখোয়দ তৌখিখিদমা হেনথুবনি, মশা সেংদোক্লো ইনেম ইশিং শোকলুখিগে, চাউবীনা মাংলুবদ, মংগী মাম্মনম্থ মাবু খিব চংখিবদ, ইমেমদি চানিংঙাই লৈত্রহুনা মাম্না বাথুবনি, ইচেম ইবেম্মনা ঐখোয়মু থাকপিখিবনি। বাসি হায়রগা তৌলৈবু নিংশিংলবতুনা চমুসি অমুক হম্না হিক্ন হিক্ন মখোঙ্গ থোক্ন কপখি। কোৎলনা চমুগী মকমদগী সাধু অমম্না মাঙোন পীরম্ব, শেল অহুনা শ্রাদ্ধসিংবা কর্ম্ম তৌখিব; অহুমন্থ তমহু কাংব মখোয়না নুংঙাইনা মতম লেপ্লিকহু নাগী মপারজি হুগা সাধু অহুম্থ চাউবীগী [illegible]

অরাব পূন্নমক কুইনা থাংহনা লৈবনা অরাববু লুংঙাইবনি থল্লবা কোংোলনা মমা লৈতবগী অরাবন্থ অনৌবনি থমখিদে। মাগী থেোইদ মমা লুংশিবসি কাউবা য়াদবদগী, ইমুংগী মফম অমদ হেক চংখিবদ মমাগী তৌরম্বা থবক্তী খুদক উবগা মপী মচুম মচুম তাখিবদি, ফলা য়াদবা উংতূনম্নু তাহন্দব ওমখিদে। থবক অমুক হন্না তৌরে, মাহাক্কু লিপা মচা অমা য়োক্কন্না লৈরকলে, অমুকহন্না শ্রাদ্ধ চাউনা পোল্লগা মমাগী সেবা তৌঙ্গ রমক্কী লম

সন্ধ্যা মতুংনি। কোমোলনা মাঙ্গোলদ চৌকি লোন্দুনা ফমলগা সন্ধ্যা মতুংদা তাইবংপানগী ওথিবা মচেৎ ফিভম থল্লহনা ফমলমই। অথাম্বদ মগী মিংয়েং লমলেন্দ কৈথেল মনুংদ মী কয়ানা পোং লৈব য়োনবগী ভানব, কোইচং চংপাহগী তিমরব অঙকপা থোনদেল অমম্নু তারি। মীশিং-হনা কৈথেল মনুংদ মৈ অমমম থান্দুনা পোং য়োনব উবদ মথোং পানব মৈ পাংথীনা অংহবু মাংহন্নব অসংব লৈনা মরক্ত জবাকুসুমনা মকা লামনা শাংপগুম নি থিনা উরমই। নৈ-জবা লৈরাংদো করিগুম্ব মতমদা অহিংবা মীগী মথুঙা শাংপনিনা মথোং পামজদবা জবাকুসুমগুম তৌরমদে, কে য়চং চংলি। মাগী মিংয়েং মাংদ্রু লুমিং অহুগী কৈথেলগী দৃশ্যদো, অঙকপ ফনা লিংখিজব উবগা লম্বীদা থোরকই। মাগী মমাদ লাকলগ অহল ভৈরবী পূজা অমনা থংতু তুরহনা ন'হেথি। মাহের তাবদা কোমোলনা মমা থংমিং নিংশিংবনা লাওরকই, ইমা"। হনুবীনা "ইমাগী ইবুঙো, কুরিম্নু তৌদে"

অহন্দুবু কোমখংপিরগা ময়ুম তাম্না চংহনখি, মাহাক্না খল্লকই— "ঐগী অশোনবী ইমাদো, অম্মুম তৌনা চুরিগত্রা, কমাই মাবু হোৌগংপিনি, ইমা ! ইমা, । স্বর্গগী লম্বীদা ঐ গুম্না কনাগুম্ব লৈরিগত্রা— খংত্রে ! হে ঈশ্বর, নহ ক্রি থৌজ্জান হৈবনি, মনাইগী হকচাংদ করিগুম্না পূণ্যগী শরুক খজিক্কং লৈরম্নবদি মংগী খুম্না খম্নালদ মাহ পুম্নমক পুক্লিং হকচাং ম্নাওনা কংচরি, ইমাম্না করিগুম্ব অচৌবা পাপ তৌরমলগা ইবুঙো নহাক্ন ইমাদা পীগ- দবা দণ্ড পুম্নমক লৌথোকপিরগা ঐঙোন্দ পীনবিউ। শেলথুম, সনালুপা কংপসি পেজদে থৌজান-হৈবা ইবুঙো মনাইগী খিংবা থুংহনবিউ'। ৱাপি হায়রগা সাত্রাং শ না পুনেমহনা কে'মোলনা মমাগী অরোইব তর্পন মমিং মপি তানা মাগী পূণ্যগী শরুক্ক তৌজখি। মাগী মশাদো মতু চুংখি, মাহ খংলকপদ থৌজান হৈবগী থৌজানমি খংহনা মপি তৈথোক্লগা অমং য়াইথোং তানখ্রবী কৃষ্ণ'বু কৌর।। হায়রকই "সুংশিবী কৃষ্ণা, নংঙোন্দ শিম্নরিবনি, ইমাবু শমলগা তাইবং মপুগী খুম্না খাদ চংউ, সুংশিবী নংনা ইনাবু কম্না লুনা তৌখিবা ঐনা খংই, নখোই অনিগী স্মৃতি পুরগা ঐনা ঙসি লৈরি, কয়'দ সুংশিখ্রব থাই- নবনা ভিম্নবদগী কম্না হেনব অসিগুম্ব থাইনবগী সুংশিবনি, পুরগা লৈবনা ঐগী ইথোনি।"

মমা লৈখিদব কুমগুন ফাদব অতুগা মহাক্নদি অচৌব এক তৌবা মী অমা ওইবনা লৈকায়গী মচেম-মনেম, মক্নপ- পা,না মাঙোন্দ বা পংনা ঙাংলমদে; অতুগা মীগন্ন বাখি

…ংলেবন্দু মানা কয়া শামখিদে। থবালদি থোঁ ওইরে, …ইং কজমবনগী কমরম্বা মপক্ত, য়'ম্ম থীরে, লোংবা লাক্লগ, …ৰোজর মাগী মশাগী অমাব মেৎবিনব হায়রে। মহাক্ক …কোর্ট থবাপী পুরুশিগী পনসিন্নবদাইদ ভাংলয় বাহি চাউবীগী …রাল লৈতবগী বারি পূম্মক কোযোলম ভমখি। মহাক্কা …চাউবীবু চোপহনবা মাহুপী মথক থিংডমবা কে'ংদোকখি।

ইবুংডোহম্মা ময়ূমদ হল্লক্লপ, মচানুপী উঅয়ব চমুগী পুকচেল …য়বা, মচ্চা চাউবনী শেল-না মপাল নাইদবা লুংভাইরম্ববন্দু, …চাউবীবু উরপা, মমক মমক্ত থংহৌদনা মাগী মপি ভাখিবহু থিংখ ভমখিদে। পলেম পল্হৌগী মকমদদি মচ্চা থিংভোল হাবনি, লৈরাংগী মতৌঙ্গম লোবা লুংশিবা ভাক্তনি। মহাক্ক চাউবীবু কোযোলদ মায় পীনিংখি, অতুবু কোযোলবা অচোব ভাক্তন লাহেন ওইবনগী, মীনা চিংলুরবী পাউথোক্লবী মচ্চা হুপীবু কময়া লৌখিগদগে থনবা, অহুপীন্থ মথক্ত কোযোলবা যমাঁ লৌবা লৈখিদব মশিবা মাগী থিংব পুম্মক থুপা থুবা মতৌম কংহনখি।

(৩২)

লুংখিম পুং অমহোম ভাবে। কালেম লুংশাকা কক্ক লোক্ক, মাকি, মী পুম্মক থনক-খানা ভৌব ভমদৰা লুংণা থাংবা মতম্নি চাউবনকী শুঙ্গু শানবা খানি, হৈৰাং লৈমাংগী মকুন্নি। কোযোলদু